


সুচিপত্র

বিষয় লামাই

মৈতৈ পুরান গম্ভীর সিং নরসিং চরিৎ

বিজয় পঞ্চালি।

তৃতীয় খণ্ড

—:(০):—

শ্রীগৌরাঙ্গ বিধুর্জয়তি। জয় জয় গৌর হেম কলেবর জগত জন বন্দন। রাধাভাবকান্তি গৌরাঙ্গবিভাতি প্রেমেই বাঁকানয়ন। সুকেলি বিহিত ললিত চরিত ভক্ত সঙ্গে সংকীর্ত্তন। হরিবল বলি নাচে বাহু তুলি নিখিল বিশ্বকারন। ॥ ১ ॥ জয় নিত্যানন্দ প্রেম অরবিন্দ শ্রীপদ্মাবতী নন্দন। জয়াদ্বৈত চাঁন্দ গৌর ভক্ত বৃন্দ পদে আশারহুমন। জানেনা ভজন জানেনা পুজন আমি অতি মূঢ়জন। হৃদিতমো গুন করয়ে গঞ্জনে প্রেমসুধা ধারাদান।

[যথারাগ বিভাষঃ]

বন্দে গুরু পদ অমূল্য সম্পদ,
যেদেতি বিপদ বিনাশী
যাহার কৃপাতে মিলয়ে সাক্ষাতে,
প্রেমচিন্তামনি রাশী ॥

ধ্রু। শিক্ষা গুরু গন করিয়ে বন্দন,
কৃপার সদন অতি।
সাধু হরি গুন কহি অনুক্ষন,
যেকবে ধৈবজমতি ॥১॥

১। সনাগী মুক্তিয়া ওইরবা সাসারনা চানফম থুরম্নফম ওইবা গৌরাঙ্গব থুরমজে। অমুবা কন্নুনা রাধিকাগী ভাবকান্তি লৌহনা গৌরকৃষ্ণ ওইবা ইবুঙোনি। বাঁকা নয়ন ওইবা সান্নরকপা লিলাদা চাখানবা অকবা চরিত্র ওইবা ভক্তগা চিন্নহনা সংকীর্ত্তন তৌবা অহুগী ময়াইদা হরিবোল শোন্দুনা জগোই শাবা অহুনা সংসারগী মঙ্গল ওইবা ॥ ইবুঙোব থুরমজে ॥ ২ ॥ থুরমজবি নিত্যানন্দব জগৎতা প্রেমগী থম্বাল ওইনা সাংলবা পদ্মাবতী কৌবি ইমাগী মচাদগী। অদ্বৈত প্রভুগী গৌরভক্ত খিবাক পদকমলদা থুরমজহনা আশা তৌভবি। ভজন পূজন প্রাথনা হৈজদবা ননাইনি থমোইগী তমগুণ লৌথোকপিহনা অরুবা প্রেম পিবিয়ু ॥

১॥ শ্রীগুরুদেবগী মমল নাইদবা চরন কমলদা কয়াবক থুবমজে থিয়ু পুম্নমক তাকপিয়ু। গুরুদেবগী কৃপানা চিন্তা মনি ওইবা প্রেমবু ফংজে। অহুগী তুংদা শিক্ষা গুরু খিবক্কি পাদদা থুরমজে কৃপাদগী সাধুগী হরিগী গুণ লেংজবদা তপথনা মপুং ফানা লেংজবা ডম্বু ননাইদা পিনবিয়ু ॥ পদ ॥ ১ ॥ আদিগুরু ওইবা ইমা ইপাগী পাদদা থুরমজে কৃপাদগী অকাই আতোই লৈতবা পিনবিয়ু। নিংবা পুম্নমকপু থুংহল্লবা রাধা বিনোদ ইবুংগো হরেন্দ্রগী কৃপানা ননাইগী অমম্বা

পদ

আদি গুরু পিতৃ মাতৃ চরন বন্দন ।
যাহা হৈতে সর্ব্ব বিঘ্ন হউক নাশন ॥
শ্রীরাধাবিনোদ দেব বঞ্ছাকল্প তরু ।
তুমাহুহা কৃপামৃতে মোরমোনে স্ফুরু ॥১॥
আমি জ'ড়া মতি কবিবর বুদ্ধিহিন ।
তুমাহুহা কৃপা হেতু কবিত্ব করুন ॥
স্ফুরুক আম র মুখে অহেবানি দেবী ।
তুমা শ্রীচরন কৃপা করি আমি কবি ॥২॥
ভবজল রাশি পারকরন কারনে ।
স'ধু গুন কৃষ্ণ গুন নৌকার কারনে ॥
যন্মাত রচনাকর স'ধু কৃষ্ণ গুন ।
তবেত অ'ম'র মন বঞ্ছাপুর্ণহন ॥৩॥
নিত্যানন্দ মে'রপ্রভুস্বয়ং অবির্ভুত ।
বাঞ্ছাসিদ্ধি আমি করায় প্রনত ॥
তুমা কৃপাহৈতে অমি পদবন্ধ রচি ।
তুমার করুনা মাত্র মোরমোনে রুচি ॥৪॥

শুন শুন শ্রোত্তাগন করি নিবেদন ।
তুমা সভা কৃপাহৈতে করিয়ে প্রচারন ॥
এবে শুন মণিপুর যেহয়ে প্রসঙ্গ ।
সুত্র মাত্র রাজবংশ কহিবেক স'ঙ্গ ॥৫॥
শুনা দ্বয় সপ্ত এক শাকের প্রমানে ।
মাঘ শুক্লা দশমীতে যেই বুধ দিনে ॥
সেদিনে লাবন্যচন্দ্র র'জ্য পাইলেক ।
তবে মণিপুরজন সুখ হইলেক ॥৬॥
সেকালে খুরাই হৈতে পুর্ব্বপুর রৈলা ।
হাতেতে রাজ্য র হেতু ধন সঞ্চ'রিলা ॥
বৃন্দ'বনে চৌরজিত সেকালে আইল' ।
পিতৃ হেতু বৃন্দ'বনে সেবা সমা'পিলা' ॥৭॥
এই মতে তিনবর্ষ র'জ্য শা'সিলেন ।
রাজাপাই সুখভ'গ সানন্দ হয়েন ॥
তিনবর্ষ কা'লে কথা শুনশ্রো'তাগন ।
দৈব ক্রমেসেই ক'লে উপদ্রবহেন ॥৮॥

বুদ্ধিবু ডালহ'ন্বয়ু : ॥ ২ ॥ ননাইদি য়াম্না পাংদবনি লাইরিক লোবা ড্বা শক্তি লৈজবা নাত্তে বুদ্ধি লৈজদব'নি । ইবুংঙো ইবেম্মগি কৃপানা কবিত্ত্ব শক্তি ডমজগে । মথা 'তারকপদা বাকুমাত্তা স্বরস্পতি ইমাগী পা'দদা কয়ারক হল্লা খুরমজরি ইমাগী কৃপাদগি ননাই পা'দবনু ক'বিত্ত্ব শক্তি পিনহুনা লাইরিক লেংবা ডম্বরু পিনবিয়ু ॥

৩ ॥ সংসার সমুদ্রবু লাল্লনবগিদমক সাধুগি, হরিগি গুল্লা থজৈশোংবা চিনী ॥ মরম অদুদগী সাধুগী, কৃষ্ণগী গুনবু লেংজবদা অপেম্বা ওইজে ॥ ৪ ॥ শ্রীনিত্যানন্দ প্রভু তংশোনা আবির্ভাব ওইবনি, অহুনা খুরমজবদা নিংবা পুন্নমক থু'বা পিনে । ইবুংঙোগী কৃপাদগী লাইরিক লেংবা ডমজবনি, প্রভুগি কৃপাদগি থম্মোইগী অমত্বু ডাজবা ওইজে ॥ ৫ ॥ তাবিয়ু শ্রুতা খিবিকপু সভাগী কৃপাদগী ননাইনা লেংজব'নি । মথা অসিদা মনিপুরগী রারি গুত্র ওইনা মথং মথং নিংথৌ ওইববু লেংজগে ॥ ৬ ॥ শোক (১৭১৭) শুবদা ভাগ্যচন্দ্রনা নিংথৌ পিরম্মি অদুদগী শোক (১৭২০) শুবদা কম্বান তোংচি কম্বান মিনো লোইরেনখোম্বা কৌই । রাকচিং থাগি ১০ নি পাবা মুমশাকৈশদা, লাবন্যচন্দ্র নিংথৌরেন ওইরে, প্রজা অপুম্বা হরাও মুংতাইনরে ॥ ৭ ॥ মতম অদুদা খুরাই খুনকমলেন্দগী কোম্মুংলেন্দা হোংজিল্লে । মুমিং অসিদা কৈথেলদা লমজাওদা শেন চাইথোকই । মচা ইবুংঙো চৌরজিৎনা পিতৃরাজ সেবাগিদমক বৃন্দাবোন্দা চৎখিবা অদু মুমিং অদুদা সেবালোইরুরহুনা থংজরে ॥৮॥ অসুম তোহুনা চহি ৩ নিংথৌ ওইহুনা গোবিন্দ সেবা তৌহুনা লৈরে । চহি ৩ লোইবকাল্দা তৌরকপা উপদ্রোপ তাবিয়ু শ্রুতা খিবিক । লাইগি নোংদম্নি ॥ ৯ ॥ ভাগ্যচন্দ্রনা পোকপা দাওজীমঃ গম্ভিরসিং

দাওজী গম্ভীরসিংহ কার্ত্তারনন্দন।
চন্দ্রমনি নন্দলাল মাতুল হয়েন ॥
ভাগিনাকে রাজ্যদিতে যুক্তিকৈলসার।
নিজবশ জনসঙ্গে করেন বিচার ॥৯॥
আর মণিপুর রঙ্গ কহিয়ে তাহাহৈল।
প্রথমে এদেশে রাজা অনন্তে শাসিল ॥
আনন্দেতে দেবগন রঙ্গলীলা কৈলা।
সেকালেতে মারদেব একরঙ্গ কৈলা ॥১০॥
আশ্বারহী দন্তহাতে গুলি ক্রীড়া কৈলা।
চতুর্দ্দশদেব তাহা সপ্ত সপ্ত খেলা ॥
মারদেব থমদেব ইক্কম দেবতা।
ঈকদেব ইরদেব নওস দেবতা ॥১১॥
অধিদেবী এই সপ্ত থর ঐ মারয়।
এই মোতে আরপক্ষে গুলি খেলা হয় ॥
রঙ্গনাথ খওরিদেব রাঙ যেই দেব।
দেশ ভাষো য়াঙ্গো আর নম্বউল দেব ॥১২॥
ওকদেব লোয় সপ্ত থাঙমৈ মারয়।
এই মতে গুলিদস্ত খেলা সেই হয় ॥
এই খেলা তুষ্ঠ হৈয়া দেবা বর দিলা।
গো অশ্ব মহিষ এহো রোগ যবে হৈলা ॥১৩॥
আমার'ও গুলিদস্ত যবে সমর্পিবে।
তাহার যে শুভদশা তবে সে হইবে ॥
এইবর দেবসব তুষ্ঠ হৈয়া দিলা।
এই হেতু এই ক্রীড়া অদ্যাপিহ কৈলা ॥১৪॥
এবে শুনচন্দ্রমনি নন্দলাল দুষ্ট।
মন্দবুদ্ধি জানিহেতু কাল কৈলা গ্রন্থ ॥
ভাগিনাকে দেশা দিপে রাজদ্রোহি কৈলা।
কাল গ্রন্থে জনসব বিপরিত হৈল ॥১৫॥

মচাইবুংডা ২ সিংগ মমা ইবেম্মা মহারানিগা পোকমিন্নবা মামচন্দ্রমনি নন্দলাল ২সিনা মমাকপু নিংথৌ ওইহনপে হায়রকনা। তম্নরকনা, মাগী মী কয়াগা মন্ননা তৌই।

১০ ॥ মতাং অসিদা মনিপূরগী সান্নবা কুমৈ, অমা লোজাগে ॥ মনিপূর অসিদা অকোন্না প্রলয়গী তুংদা, হান্না পানবা নিংথৌসি অনন্তনি ॥ লাই কয়া তিন্দুনা সান্নকম ওইরকনা সান্নবদা (মারদেব) মাঙিংনা লিলা অমা পুথোকখি ॥ ১১ ॥ লীলা অসিবু শগোনকাংজৈ হাঙনা কৌই ॥ মসি মাঙিংনা হৌদোকুনা সান্নবা লীলানি লাই ৭ অমনা মিচং ১ ওই লাই ৭ অমনা মিচং ১ ওই। শগোল মথক্তা তোংলকনা কাংজৈ কাংদু পাইরকনা কাংক্রম য়ৈরকনা পাঙন য়ান্না তাম্নবনি। (মারদেব) মাঙিংনে (থমদেব) থম্নাংবনে (ইকম) ইক্কমানংথৌনে (ঈকদেব) ইকোপ নিংথৌনে (ইরদেব) ইরাংনিংথৌনে (নওসদেব) নেংশাবনে ॥ ১২ ॥ (অধিদেবী) পান্থোইবীনে ৭ অসিনা (থর ঐমারয়) মথা য়ৈএ ॥ তরেং অসিনা মিচং অমনি। অদুগা (রঙ্গনাথ) থাংজিংনে (খওরিদেব) খোরিফাবনে (রাঙদেব) রাংরেম্ন (য়াঙ্গদেব) য়াঙ্গৌইনিংথৌনে (নম্বুলদেব) নম্বুলাকপনে ॥ ১৩ ॥ (ওকদেব) ওক্নরেম্ন (লোয়ঃ) লোয়ারাকপনে; তরেং অসিনা মিচং অমনি অসিনা (থাঙমৈমারয়ঃ) অরাং য়ৈএ ॥ অসুম্না সগোল কাংজৈ হায়বা লীলা অসি সাম্নখি, লাই ময়াম্না কুমৈ য়েংহনা সুডাইনখি। অদুদা পুরিং পেন্দুনা বড় অমা পিখি। মনিপূর অসিদা শল শগোল ইরোই-নায়বদা ॥ ১৪ ॥ লাই ঐথোইদা কাংক্রম কাংদু কংলবদা কব ওইসনু বর অসি পিখি অদুনা হৌজিক কাওবা কংপদা কনরি। অদুগা শগোল কাংজৈ হাইবা লিলা অসিসু হৌজিক কাওবা সান্নরি মনিপূরদগী হোবা খেলানি ॥ ১৫ ॥ মথা অসিদা চন্দ্রমনি নন্দলাল অনিনা মবুক ফংতবদগী কালকোবা লাইনা উমদুনা মমাক দাউজি গম্ভীরসিংবু নিংথৌ ওইহন্নবা লাংডি নিংথৌ হাংকে

দৈবক্রমে মধুচন্দ্র জনান্তিকে কৈলা।
কালি এক কথা হৈল! এই বোলি গেলা॥
কিবা কথা বোলি মধু আজ্ঞাতে রহিলা।
সেই দিন যায়া তথি প্রভাত হইলা॥১৬॥
সেই দিনে লাবন্য রাজা গুলিক্রিড়া কৈল।
রঙ্গস্থলে জনসব বহুত মিলিল॥
পাত্র সঙ্গেরঙ্গক্রীড়া সন্ধ্যা কালে হেন।
অশ্ব হৈতে লামিলেন লাবন্য রাজন॥১৭॥
হেন কালে চন্দ্রমনি ঈঙ্গিতে করিলা।
অস্ত্রধারি নিজ জন রাজা অঘাতিলা॥
সেই ঘাতে নৃপমনি প্রানত্যাগ কৈলা।
অগ্রহায়ন সংক্রান্তি শেষ দিনে হৈলা॥১৮॥
দখিয়াত্ত জনসব হাহাকার কৈলা।
রাজামারি রাজমরি অনেক কান্দিলা॥
চন্দ্রমনি নন্দলালা অজ্ঞাতে রহেন।
জনমধ্যে কিবা কিবা ছতা হুরি হেন॥১৯॥

এথামধুচন্দ্র শুনি রাজার মরনে।
নিজগন লৈয়া চড়ে রাজ সিংহাসনে॥
ঢুলবাজে ততক্ষনে প্রজা জানাইলা।
মধুমন্ত্র রাজা হৈল সভে রোল দিলা॥২০॥
তবে মধুশবদেহ দাহন করিলা।
রাজাপ্রেত্ত অশৌচাদি ক্রিয়াসমাপিলা॥
পরে শ্রাদ্ধ কর্ম্মের দান ব্রাহ্মনে তোষিলা।
এইমোতে মধুচন্দ্র রাজ্য পাই কৈলা॥২১॥
দৈব ইচ্ছা এইসব ক্রমেতে হয়েন।
সপ্তম স্কন্ধেতে শুক রাজাতে কহেন॥
জীব আদি সববস্তু অদৃশ্য কারন।
লাভ ভাগ্যে নিজবস্তু পথেতে পতন॥২২॥
পুনর্ব্বার সেইবস্তু পাইয়ে সেই জন।
অলাভেতে পাটমধ্যে রাখিলা যতন॥
সেইবস্তু কোন ক্রমে করয়ে নাসন।
কাল প্রাপ্তে লুকিলেবা নিচয় মরন॥২৩॥

নিংথুনা থোরম সিথা লাংবা লোইখ্রে॥ ১৬॥ লাইগি নোংদম্না মধুচন্দ্রদা হাইরম্মি মচাইবুংগো হয়েংদি করিগুম্বা অমা থোকদৌরি হাইরম্মগা চংখি মধুচন্দ্রনা, করি তৌগদৌরিবনো খন্দুনা লৈহৌই। অদুম লৈবদুনা অহিং লেম্লে, নোংডাম্লে॥ ১৭॥ প্রসাদি সেনা লৌরদুনা লাবন্যচন্দ্র নিংথৌ কাংজৈবুংদা লেংথোক্লুনা কাংজৈ থোম্লি মনিপুর মীয়াম্না চোম্না পৈদুনা কুম্মৈ য়েংই। অদু সাম্নবা অদুনা মুমিং তারক্লদুনা সন্ধ্যা ওইদুনা সাম্নবা তোক্লে, নিংথৌনা শগোলদগী কুমথরকপা॥ ১৮॥ মতম অদুদা চন্দ্রমনিনা মাগি মিদা ইঙ্গিং পিদুনা লাবন্যচন্দ্র নিংথৌদা ইরাং লাংশম্মরগা থাংনা য়াম্লি, তানসু থিল্লি ঈশ্বরগী নোংদম থিবনা খুৎথক অদুদা নিংথৌ অদুম মৃত্যু ওইরে। মুমিৎ অসি হিয়াঙ্গৈ থাগি শক্রান্তি অরোইবা মুমিৎতনি॥ ১৯॥ অদু উবদা লৈবাক মিয়াম্না হাহাকার লাওনৈ নিংথৌ শিরে শিরে হাইদুনা কপ্পবনা পূম্নিন নিনখ্রে। চন্দ্রমনি নন্দলাল মাগী মীগা লোইননা লোংখ্রে। মিয়াম্না কনানো কনানো থিনবদা অদুম থংখিদ্রে॥ ২০॥ অশোমদা মধুচন্দ্রনা নিংথৌ শিরে তাবদা মাগি মনাই ভোংঙোলগা লোইননা রাজ সিংহাসন্দা লেংথংলে নিংথৌ ওইখ্রে। ঢুল পুংজাও থিন্দুনা লৈপাক মিয়াম থংহনখ্রে মধুচন্দ্রনা নিংথৌ ওইরে। হাইদুনা পুম্নিন নিনখ্রে॥ ২১॥ অদুগী তুংদা ময়াম্না নিংথৌগী সংস্কার যজ্ঞ তৌদুনা কর্ম্ম তৌরে। মথং মথং শ্রাদ্ধ কর্ম্মনা চিংবা দান মতিক চানা কংলে মধুচন্দ্রনা অমুক মনিপুরদা নিংথৌ ওইদুনা পাম্লে॥ ২২॥ ঈশ্বরগী নোদম্না ওইখিবনি। মাগি দৃষ্টান্ত অসি শ্রীমদ্ভাগবৎকী ৭ শুবা স্কন্ধদা শুক মুনিনা পরিক্ষিত্তা হাইখি। মীওইবনা চিংবা পুম্নমক মরাইবক্তা তম্বা ডাক্তনি। কংজো হায়বা লৈরবদি লম্বিদা তারমদুনা কংভি॥ ২৩॥ মাংগু হায়বা লাক্লবদা য়াম্না লুনা লুবাক মদুংদা উপুদা থম্বা পোং করিগুম্বা মরম অমদগী অদুম মাংখি। মাগি শিয়ু হায়বা মতম লাক্লবদা কনা লোণ্ডুনম্ব

অকালেত মরনেবা শ্রীহরি রক্ষন।
এই মতে কাল প্রাপ্তে লাবন্য মরনে ॥
লাভ ভাগ্যে মধুচন্দ্র পায়ে সিংহাসনে।
মন কুতুহলে প্রজা সকল সহনে ॥২৪॥
অকালে গম্ভীরসিংহ রাজ্য নাপাইলে।
হেন হেতু জগৎ সর্ব্ব অনুগত কালে ॥
এক দ্বয়সপ্ত এক সকের প্রমানে।
সেই কালে মধুচন্দ্র বৈসে রাজ্য আসনে ॥২৫॥
সেই কালে চন্দ্রমনি নন্দলাল দুহে।
নিজ জনসঙ্গে গুঢ় যুক্তি কৈল তাহে ॥
দাভজি গম্ভীরসিংহ যুবরাজ তরে।
দিবা নিশি নিজগন মন্ত্রনা যে করে ॥২৬॥
তাহা জানি মধুরাজা শঙ্কা কোপমনে।
চৌরজিত আনাইল মারজিত সনে ॥
যুবরাজ পদদিলা ভাই চৌরজিতে।
সেনাপতি পদদিলা ভাই মারজিতে ॥২৭॥
দিনে দিনে মধুচন্দ্র বহু শঙ্কা করে।
চন্দ্রমনি নন্দলাল দুহাকার তরে।
জেষ্ঠভাই মৃত্যু আর মন্ত্রনা কারনে।
দুষ্টজন প্রতিকরে শঙ্কা এ কারনে ॥২৮॥
একদিনে পিতামহ মন্ত্রি আনাইলা।
গুপ্তকরি মন্ত্রিসনে একযুক্তি কৈলা ॥
শুনপিতামহ মন্ত্রি বহুশঙ্কা করে।
দুষ্ট পাপি চন্দ্রমনি নন্দলাল তরে ॥২৯॥
পিতামহ কৃপা হেতু বিখণ্ডিত শঙ্কা।
ভোজ্য পানে দিবানিশি মনেতে আশঙ্কা ॥
তাহা শুনিমন্ত্রিবোলে শুনহ রাজনে।
আমি শঙ্কা বিখণ্ডিব মধুচন্দ্র জানে ॥৩০॥
মোরবাক্য শুকরতা তুমিহ করহ।
রাজা কহে পিতামহ কর্ত্তব্য করহ।
মন্ত্রিকহে কুর্ম্মগিরি যবিষ্টের স্থানে।
পুনর্ব্বারনবগ্রহ করিব সেস্থানে ॥৩১॥

অহুম শিএ ॥ ২৪ ॥ মাগি শিবা কাল য়ৌরবদি, শিবতারবসু শ্রীহরিনা, অহুম কল্লি। অহুনা লাবনাচন্দ্র নিংথৌ মতম্মা কয়না মৃত্যু ওইখ্রে। কাংজো হায়বা লৈবগা মধুচন্দ্রনা নিংথৌ ওইহনা মণিপুরদা প্রজা ভাকুনা নিংথৌ ওইরে ॥ ২৫ ॥ গম্ভীরসিং মচাইবুংঙো মতম রাংপনা নিংথৌ ওইখিদ্রে। মণিপুরদা প্রজা ... মরম অসিনা পুম্নমক অসি কাল অনুগতনি মতমগি মতুং ইনবনি। শোক ১৭২১ অসিদা মধুচন্দ্রনা নিংথৌ ওই ॥ ২৬ ॥ মতম অহুদা চন্দ্রমনি নন্দলাল অনিনা মাগি মীসিংগা তান্নহনা, গম্ভিরসিংবু যুবরাজ ওইনবা হোৎনৈ অহিং নুংথিল নাইদনা মীচং থোম্মি ॥ ২৭ ॥ মরম অহু তাবদা অমসুং থংহনা মধুচন্দ্রনা, য়াম্না চিংনহনা, মনাও ইবুংঙো চৌরজিৎপু মনাও মারজিৎকা লোয়ননা কোরে। অহুগা চৌরজিৎপু যুবরাজ হাপ্লে, মারজিৎপুনা সেনাপতি হাপ্লে ॥ ২৮ ॥ অমুম লৈরবা মতুদা মধুচন্দ্র নিংথৌনা য়াপুক্লিংদা চিংনবা কোক্লে। নোংমা নোংমগী চন্দ্রমনি নন্দলালনা কারি তৌরকবা থবা তোক্লে। ইয়াম্বা লাবনাচন্দ্র নিংথৌবু মাগি খুজিন্না হাৎখিবনি, য়াম্না ফৎতবা মথোয় আননি ॥ ২৯ ॥ অসুম লৈরকপনা নোংমদি অনন্তশাই বড়মন্ত্রি কৌশিন্দুনা চিক্না রা তান্নৈ, য়াপুক্লিংগী মুংডাইতবা অপুম্বা হায়হনা যুক্তি তৌনৈ। তাবিয়ু ইবুধৌ বড়মান্ত্রবু; ঐনা য়াম্না চিংনখ্রে মাম চন্দ্রমনি নন্দলাল অনিসে য়াম্না ধর্ম্মলৈতবা মাম্মনি ॥ ৩০ ॥ ইবুধৌ বড়মন্ত্রিগী কৃপানা নশুগী চিংনবা কোকহনবীয়, চাব-থকপা, তুম্বা হিম্না পুম্নমক্তা চিংনবনা লৈবদা মুংডাইত্রে। অহু তাবদা অনন্তসাই বড়মন্ত্রিনা ইগুনিংথৌ ইপুনা ইলাই লাইনা ইশুগী অরাবা চিংনবা কোকহনগনি রাগম্মু ॥ ৩১ ॥ নিংথৌনা ইবুধৌনা তৌবিগে হায়বদা অহুগা ঐনা সিল্লকপা থবক্তা কৈ কাত্তু হায়বদি হায়রকম্মু। নিংথৌনা ইবুধৌনা তৌবিগে হায়বদা

রাজা কহে তুমা ইছা করহ সানন্দে।
এত বোলি মন্ত্রি নমি রহিলা আনন্দে ॥
তথাহৈতে মন্ত্রি আসি প্রজা অজ্ঞাদিলা।
তিন দিনে পুরাতন গৃহ দুর কৈলা ॥৩২॥
যাত্রা স্তম্ভ লাগি মাটি খুদিতে লাগিল।
এথা মন্ত্রি নিজ জনে মন্ত্রনা করিল ॥
আর দিনে বড় মন্ত্রি বিচারের স্থানে।
চন্দ্রমনি হাতে করি আইলা শিল্পস্থানে ॥৩৩॥
যাত্রা খুদিদেখিলেক আর চন্দ্রমনি।
ইঙ্গিতে কহিলা তবে মন্ত্রি শিরোমনি ॥
তবে নিজজন গর্ত্তে তারিতে লাগিলা।
আর কত লাথিধরি শিরেতে মারিলা ॥৩৪॥
এই মতে মাটি ডারি তাহাবে মারিলা।
আবছুষ্ঠ সঙ্গিচারি আঘাতেতে মৈলা ॥
এই বার্ত্তা নন্দলাল শুনি খড়্গ ধরি।
ঘরে হৈতে ধাইলেক অতিতবা তবি ॥৩৫॥

চর্চ্চাঘরে অগ্রে রহে খড়্গ কিবাইয়া।
তাহাদেখি সর্ব্বজন রহে ভীত হৈয়া ॥
তাহাদেখি মন্ত্রি আইলা রাখ রাখ বোলি।
তোমাহেন বড় জন হেন কিবা বোলি ॥৩৬॥
দেখি নন্দলাল ক্রোধে দড়াঞা রহিলা।
তবে মন্ত্রি খড়্গ সহ আসিয়া ধরিলা ॥
হেন কালে একজন বিমন ধরিয়া।
পেটমাঝে আঘাতিলা মারমার কয়া ॥৩৭॥
হহাকার বোল সর্ব্ব বহুবোল দিলা।
হেন মোতে নন্দলাল তৎক্ষনে মরিলা ॥
শুনিমধুচন্দ্র রাজা সঙ্কা বিখন্তিলা।
অকন্টকে পুরমাঝে আনন্দে রহিলা ॥৩৮॥
অপরাধে ভার্য্যা পুত্র করে বিক্রয়ন।
মুল্য লৈয়া ঘরে ঘরে করে বিপায়েন ॥
শাস্ত্ররীতে বড়মন্ত্রি বিচারে দোষনহে।
শাঠে। শাঠং ধর্ম্মে ধর্ম্মং আচরেৎ এই কহে ॥৩৯॥

পুম্নক কবিমতা থিংজরোই। বড়মন্ত্রিনা নিংথেম অহুদি যবিষ্টগী সঙ্গাই অসি অহল্পা তোংসে লৈবিবা অসি শিংদোকসি ॥ ৩২ ॥ মধুচন্দ্র নিংথৌনা ইবুধৌনা পাখদা তৌবিযু, ফরে হাইনহুনা বিদাই তৌনহুনা নিংথৌ লৈহৌবে বড়মন্ত্রি লেংলকুনা প্রজাদা য়াথংপি, নখোইময়াম চংহুনা ঙসিদগী হুম্নি শুবা কাওবদা ইবুধৌ যবিষ্টগী সঙ্গাই সিদোকপা লোইযু, হুম্নি শুবা মুমিৎতা সঙ্গাই যাত্রা হুনগনি, অহুগা চন্দ্রমনি নাহাক্না সঙ্গাই সাননবা মী পুরকউ ॥ ৩৩ ॥ য়াথং কংবদা খুদক অহুদা প্রজা মিয়াম্না সঙ্গাই সিবনা চিংবা হোৎনহৌরে। বড়মন্ত্রিনা মরুহকপাগী মনাই অচাম্বগা চিক্না রাতাম্নবা লোইখ্রে। মুমিং অহু লেপ্লে, নোংঙাল্লবদা প্রসাদি সেবা লোয়রহুনা দববার কারক্লে, হয়েং যাত্রা হুনগদবনি ঙসি থৌরাং লোইসি হায়হুনা মিয়ামগা লোইননা লাক্লে চন্দ্রমনিসু উ সুবা মিন্ত্রিগা লোয়নহুনা লাক্লে, পন্নিং থাহুনা থিরগা প্রাত্রা মকম অহু উথুন লুনা তৌ লাওনা তৌহল্লে ॥ ৩৪ ॥ বড়মন্ত্রিনা চন্দ্রমনি উখুল অহু অক কংতা য়েংঙ, য়াথং পি চন্দ্রমনিনা লুকথহুনা উথুন য়েংই, মতম অহুদা বড়মন্ত্রিনা মাগী মীদা ঈঙ্গিং পিহুনা চন্দ্রমনিবু উথুন অহুদা কুমজিল্লগা ময়াম চংহুনা নেৎতুনা হাংলে ॥ ৩৫ ॥ অসুম্না চন্দ্রমনি হাংলগা মাগী মীচং মনাই মরিসু ময়াম চংহুনা হাংলে। পাও অসি তাহুনা নন্দলাল্লসিং থাং পাইহুনা ময়ুমদগী চেল্লক্লে ॥ ৩৬ ॥ থাংহাইহুনা মিয়াম তানথাইরে, অহু উবদা মীয়াম ৫ক্লে অনস্তসাই বড়মন্ত্রিনা থাম্মি। য়াম্না নগুণ লৈবা নংনা তৌম্বিবা অহু লাল্লি ॥ ৩৭ ॥ অহু তাবদা লেপুনা লৈএ বড়মন্ত্রিনা চোংশিন্দুনা থাঙ্গ লোয়ননা কারে। অমনা তানা মপুক্না থিন্দুনা হাংলে ॥ ৩৮ ॥ অহু উবদা মিয়াম অপুম্বা হাহাকার লাওনৈ, অসুম্না নন্দলাল

আমর্ষিত সদানিন্দা রাজদ্রোহ করে।
সেইজন সেইদোষে যম দণ্ডি করে ॥
এইমতে মধুচন্দ্র সুখে রাজ্য পালে।
প্রজাগনদিনে দিনে করেকুতু হলে ॥৪০॥
তার পরে অগ্রহায়ন একাদশী দিনে।
কার্ত্তারাজা শ্মশানেতে মঠের কারনে ॥
বিরমনি চলিগেলা শ্রীপাত খেতরী।
গঙ্গাতিরে মঠকরে শুদ্ধ পক্কা করি ॥৪১॥
মঠ করি বীরমনি আইল কত দিনে।
বার্ত্তা শুনিনরপতি সানন্দিত মোনে ॥
চকচুল শিঙ্গা আর সম্পুটাদি সহ।
রাজ বস্ত্র আদি করি বহুজন সহ ॥৪২॥
পথে ভেটি বীরমনিবহুত সাদরে।
তবে রাজ পুরে আসি বন্দিল সাদরে ॥
বড় তুষ্ট রাজা কহে বীরমনি শুন।
আজি হৈতে এই সম্পৎ তুমারেহ দান ॥৪৩॥

দৈব ক্রমে কতদিনে হৈল এক কথা।
দৈবাধিন ক্রিয়া সর্ব্ব হইলেক তথা ॥
চৌরজিৎ রাজ্যাস্পদ ভাবিল অন্তরে।
দিনে দিনে নিজগনে গুঢ় যুক্তি করে ॥৪৪॥
এই কথা শুনি রাজা আনাই চৌরজিতে।
রাজা কহে যুবরাজ শুনি অন্য চিত্তে ॥
এই কথা সত্যহৈলে নাচিন্তহ মনে।
একাশয়ে তুমি আমি রহিবে এই মনে ॥৪৫॥
দৈব ক্রমে সর্ব্বজন ভোগে যথা তথা।
এই রাজ্য আমারেহ নাহি কিছু এথা ॥
বিধি ক্রমে এই রাজা তোমিহ পাইবে।
অতএব একমত আমার থাকিবে ॥৪৬॥
চৌরজিত কহেন রাজা নাভাবিহ মনে।
এত বোলি নমস্করি গেলা ভাবি মনে ॥
আর দিনে নিজগনে গুপ্তে চলিগেলা।
নবদ্বীপ দরশনে গঙ্গা স্নান কৈলা ।৪ ॥

চন্দ্রমনি শিরে অহু তাবদা মধুচন্দ্র নিংথৌগী, চিংনবা কোকংথ্রে, য়েক্লবা লৈতনা লৈরে ॥ ৩৯ ॥ মশা মশাগী দোষনা মতু মচা য়োল্লি, ময়ুম ইথোল য়োল্লি। অহুগা মান্ত্রীগী বিচারদা বড়মন্ত্রিগী দোষ লৈজে। বেদনা লাওরি মিনম্বদা মিনমগনি। ধর্ম্ম কায়দবদা কায়ফদে ॥ ৪০ ॥ রাথল লৈজনা চৎপা মীব, নিন্দা তৌবা, নিংথৌদা য়েক্লবা প্রজাদো শিরগা য়ম্মা লাক্লে। অহুম্মা মধুচন্দ্র মুভাইনা প্রজা ডাকুনা লৈপাক মুংভায়না পাল্লে ॥ ৪১ ॥ অহুগী তুংদা হিয়াঙ্গৈগী ১১ নি পাম্বা নিংথৌকাবা মুমিগ্ত ভাগ্যচন্দ্রগী শ্মসান্দা (মোংকমদা) ফুরা শানবগীদমক অডোম বিরমনি উরুং পূরেন হজ্জবানা গম্ভীলাঘাট তাম্না মিয়াম পূহনা চৎখি। গঙ্গা মৌরহুনা চেক্লা ফুরা শাখি ॥ ৪২ ॥ মুমিংকয়ানিগী তুংদা ফুরা শাবা লোইহুনা হল্লক্লে। পাও তাবদা মধুচন্দ্র নিংথৌনা মুংভাইহুনা ঢাকঢুল, সিঙ্গা, খোংহুনা য়ৈহুনা কাসেন কাগোক থামেন চৎপা রেশোন ফুরিৎ মনাকি পূহনা মিয়াম্না মাবু ওক্লে ॥ ৪৩ ॥ য়াম্মা বেভার তৌহুনা মাবু ওক্লগা কোমুং তাম্না লাকুনা নিংথৌ থুরমলে। নিংথৌনা য়াম্মা লুনা তৌহুনা য়াথংপি নঙবু ওকপদা য়াওরিবা মনাসে নং কংজরো অসি হাইহুনা নিংথৌনা পিনরে ॥ ৪৪ ॥ অমুম্মা মুংভাইনা লৈরকপদগী লাইগী নোংদম্না ওইরকপা অমা লেংজরক্লে। মীওইবগী মপোক ঈশ্বরগি লীলানি। চৌরজিৎ যুবরাজনা, মনিপুরগি নিংথৌ ওইনিংহুনা মিচং খোমহুনা রাভাম্নৈ ॥ ৪৫ ॥ পাও অসি তাহুনা মনাও চৌরজিৎ কৌহুনা নিংথৌনা রা হংভি। ইনাও ইবুংঙো ওম্মোকপা পাও অমা তাই, ঐনদি থাজদে, মরমদি ইচিন ইনাও য়াম্মা মুংশিননা লৈনরিবা মরমদগী ॥ ৪৬ ॥ অহুগা ইনাও ইবুংঙো মী ওইবা হায়বসে-

তারপরে শত সন্য মণিপুরে এলা।
একই তেলঙ্গা অস্ত্র সিকাই লইলা॥
পরদেশ যত্তি আইলা বাঁশী মোহনীয়া।
হেন বার্ত্তা মণিপুরে দূত আসি কয়া ॥৪৮॥
শুনি রাজা ক্রোধ মনে আমার জিনিতে।
শুন ভাই সেনাপতি চলহ তুরিতে॥
তাহা শুনি মারজিত চারি পানা লয়া।
রন যাত্রা করিলেক তুরান্বিত হৈয়া ॥৪৯॥
আসি আসি হরিন প্রস্থে সৈনা গড কৈল।
দুই সন্য মুখা মুখি অস্ত্রসাজ কৈল॥
এথা পুরে যেন কথা শুনকহি বানি।
চৌরজিত জন্ম মাতা দেবহুতী রানী ॥৫০॥
রাজা মধুচন্দ্র কহে শুন মাতা রানী।
ভাই যুবরাজ আইলা লৈবে রাজধানী॥
অতএব নিবারহ তোমিহ যাইয়া।
এত বোলি পুরিহৈতে চলি খেদাইয়া ॥৫১॥
কান্দি কান্দি দেব হুতী বাহির হইলা।
মারজিত সন্য গড়ে তথাই আইলা॥
উচ্চৈশ্বরে কান্দি কান্দি বোলে অশ্রু মুখি।
আইস আইস প্রান বাপু তোর মুখদেখি ॥৫২॥
মধুচন্দ্র খেদাইল নাহি মোর স্থানে।
তোরে দেখি পাক্ষি হৈয়া উড়ি যাও স্থানে॥
একজন মারজিতে সকলে কহিলা।
কথা শুনি সেনাপতি সত্বরে ধাইলা ॥৫৩॥
মাতা নমি কিবা অজ্ঞা জুর কর কহে।
কান্দি গদবানী কহে প্রান বাপু অহে॥
তোরভাই খেদাইল কোথা উডি যায়।
বাপু তুমি মোর স্তনা বালা হৈতে পেয় ॥৫৪॥
চৌর, মার, তুমিত্রই এক এক পিল।
মোর স্তনামৃত তুমি দেহ পুষ্ট জিল॥
স্তন্যপান মারজিত মাতা কোলে করি।
শুনিমারজিত প্রেম অশ্রু ঝুর করি ॥৫৫॥

ঈশ্বরগী নোংদম্মি ঐনা অসুম নিংথৌ ওইনি হাইবা ভন্বা নত্তে ইনাওনসু ওইরবা য়াই। ঐনা অহম্মি হায়হনা ওইবনি ঐনা শিত্রিডৈগী মথৈদি সুংশিননা পানিরসি॥ ৪৭ ॥ অদু তাবদা ননাও করিসু তৌজদে হাইরগা খুরম্মগা হনখ্রে। অদুদগী মনাই ময়াম তিন্দুনা রা তাম্নগা নোংডাম্বগা গঙ্গা স্নান তৌরুনি হাইদুনা যাত্রা তৌখ্রে। মনাই ময়ামগা লোইনরদুনা নবদ্বিপ্তা চৎতুনা গঙ্গা স্নান তৌরে॥ ৪৮ ॥ অদুগি তুংদা লান্দা লৌবা নিপা (১০০) গা (তেলঙ্গা সাহেপ) অমগা সিফাই কয়গা বাশিখোংদুনা মীবু শুমহৎপা ভন্বা (যত্তি) লম্বোইবা অমগা মনিপুরদা লাল লাক্লে, পাও অসি দুংনা পুরক্লুনা নিংথৌদা হঙ্গংলরে॥ ৪৯॥ অদু তাবদা নিংথৌ শাওদুনা মনাও ইবুংডো মারজিৎ সেনাপতি কৌদুনা য়াথং পি। ঐবু ডমগনি হাইদুনা লাল লাক্লেদো ইনাওনা লাল অসি থর খিংডু অদু তাবদা মারজিৎ সেনাপতিনা পানা মরিগী মী পদুনা লাল যাত্রা তৌরে॥ ৫০॥ মারজিৎ সেনাপতি তেঙ্গোল পূদুনা (হরিনপ্রস্থে) সডাইথেম্দা নররেহু শাদুনা লৈরে। তেঙ্গোল অনি মায়োক্নদুনা লৈরে। অসোমদা মধুচন্দ্র নিংথৌনা চৌরজিৎ যুবরাজবু পোকপী দেবহুতী মহারানীদা॥ ৫১॥ মধুচন্দ্রনা ইমামাহারাণী, নচা ইবুংডো চৌরজিৎনা ঐবু হাৎকনি হাইদুনা লাল লাক্লে, অদুনা ইমানা চৎতুনা লাল থাম্মু হাইনা মহারাণীবু তাক্লোরক্লে॥ ৫২॥ দেবহুতি মহারানী, কপ্পা কপ্পা লাক্লুনা তেঙ্গোল মরক্তা চংলক্লে। কপ্প কপ্পদুনা কৌরকই, ইমাগী ইবুংডো মারজিৎ ইমাগা অমুক্তা উনসি॥ ৫৩॥ মধুচন্দ্রনা ইমাবু তাক্লোরক্লে। লৈক্লম লৈতবনা উচেক্ময়া ননাক্তা পাইরকই। অদু তাবদা মুপা অমনা মারজিৎতা তম্মরে,

কান্দি কহে কিবা অজ্ঞা করহ জননি।
মাতা কহে জেষ্টরাজা কিবা নাহি জানি॥
এই কথা চর্চ্চা করি নিশ্চয় কহিবা।
মাতা অজ্ঞা শিরে ধারি চরনে করিবা॥৫৬
মারজিত কহে মাতা চল জেষ্ঠ স্থানে।
দুইভাই যুক্তি ক'র মাতা সব জানে॥
এত বোলি পত্র লেখি দিল এক জনে।
জন সঙ্গে মাহারানী গেলা পুত্রস্থানে॥৫৭॥
পত্র দিয়া চৌরজিতে সকল বুঝান।
মাতা বন্দি চৌর বোলে মঙ্গল বিধান॥
মাতা কহে মারজিত তুমি দুই পুত্র।
ভাই সন্যে আমি যাই সব কহি সুত্র॥৫৮॥
অত এব তোমা দুই করহ মিলন।
ভালবোলি সনাগনে এবার্ত্তা জানান॥
ভাই স্থানে এক জন শীঘ্র পাঠাইলা।
দেখা দেখি এই কথা সকলি কহিলা॥৫৯॥
দৈব ক্রমে দুইজন হইল মিলন।
পঞ্চপঞ্চ বর্ষ রাজা নিশ্চয় হয়েন॥
মারজিত অগ্রে করি পুনর্যাত্রা কৈল।
শীঘ্র আসি রাজ পুরে সন্য বেড়িলা॥৬০
এথা মধুচন্দ্র রাজা আশিবাদ্ধি করি।
পুর মধ্যে রহিলেক সনা সজ্জা করি॥
পরদেশ যতি তবে বাঁশী বাজাইলা।
বাঁশী শব্দে পুর সন্য মোহিত হইল।৬১॥
সেকালে মারজিত প্রবেশ করিল।
বন্দুক চালায়া সনা পুরভঙ্গ দিল॥
না সহিয়া মধুচন্দ্র নিজগন সঙ্গে।
পাছমে চলিলা অল্প সনা অস্ত্র সঙ্গে॥৬২॥

মারজিৎ চেল্লকুনা॥৫৪॥ মহারানীদা খুরাম্ম ইমা নচাদা কৰি তাকপিগগে মাহারানীনা ইমাগী ইবুংঙো মারজিৎ নয়াম্বনা তাম্বেক্লে লৈকম লৈত্রে। মাঙ্গি রারী অমা হাইগে তাও, নাবু পোকপা ইনাওনা পোক্লম্বগা শিগ্রহুনা ইমাগী অমৃতনা চাওবন॥৫৫॥ চৌরজিৎকা মারজিৎ নংগা ইমাগী অমৃত নাম নাম থকমিন্নহুনা, নখোয় অনিবু ইমানা য়েক্লকপনি নং অসে ইমাগী তম্পাক্তা চাওবকপনি, ঐবু নংনা কাওরব্রা। অহু তাবদা মারজীং সেনাপতি মিৎতগী পী কংখিদ্রে॥৫৬॥ মারজিংনা ইমা নচা কাওজদে তাকাপিনিংবা য়াগনি। দেবহুতীনা অহুদ নয়াম্বা চৌরাজিংপু নিংথৌ ওইহল্লু। নংনা কবি হায়বগে, মারজিং সেনাপতিনা মমাগী চরন কোন্দুনা কপই, ইমাগী য়াথং ইঞ্জগনি। ॥৫৭॥ ইমানা মরম সিনবিয়ু য়াম্বুংগী নাক্তা লেংবা তাই অতৈনা চৎপনাদ ফরয়োই অসি হায়রগা চিঠী অমা ইহুনা মনাই ১দা পিরে, মনাই অহুগা চিঠীগা রানীগা পূহুনা চৌরজিংকী নাক্তা লাক্লে॥৫৮॥ চিঠী পত্র কংলগা রা পুম্নমক হঙ্গংলে। চৌরজিংনা মহারানীবু খুরম্মী রানীনা ইবুংঙো ননাও মারজিৎসে ইমাগী অমৃতনা চাওরগী মরম পুম্নমক অসি ননাওদা হায়রম্লবনী। ॥৫৯॥ মরম অসিনা নচিল ননাও উনৌ মামা মাহারানীগী রা তাবদা তেঙ্গোলদা পাও পিরগা মনাই ১ থাহুনা মনাও কৌক্লরগা, মাহারানীগা ৩ পুন্দুনা রা তাম্নে॥৬০॥ লাইগী নোংদম্না য়ানরহুনা মনিপুরগী নিংথৌ অসি চহি মঙা মঙা নিংথৌ ওইনবা হায়না মহারাণীনা রায়েন্দুনা লেপ্লরে অহুদগী মারজিৎ চৌরজিৎ অনিগী তেঙ্গোল পুম্না লাক্লুনা স্নাকোমুং কোয়রে॥৬১॥ অহু তাবদা ১ সুং তাবদা মধুচন্দ্র নিংথৌনা লানবন সারহুনা কোম্নুংদা তেঙ্গোলগা লাল থাহুনা লৈখ্রে। অহু উবদা মীরৈপাক্তগী লাক্লিবা যতি লম্বোই তুবোইবা অহুনা বাঁশি থোংবদা মখোল অহুনা তেঙ্গোল সুমখ্রে পংথখ্রে॥৬২॥ মতম অহুদা মারজিংনা লাবন থুগায়হুনা চংলগা কাপসিন্দুনা কোম্নুং

তিন দুই সপ্ত এক শকের যে মানে।
চৈত্র শুক্লা নবমীর রবি যেই দিনে ॥
চৌরজিত রাজ্যাসনে বৈসে সেই কালে।
মারজিত যুবরাজ সেনাপতি হৈলা ॥৬৩॥
এথা মধুচন্দ্র গেলা কাচারের দেশে।
কাচারেতে গোবিন্দচন্দ্র নাম নৃপ শাসে ॥
তার থাই গিয়া রাজা সব কথা কহে।
শুনি রাজা অতি স্নেহে কৈনা দান তাহে ॥৬৪॥
মধুচন্দ্র কহে শ্বশুর উপাই করিবে।
সেনা দিয়া মণিপুর পুন যে যাইবে ॥
শুনি রাজা সেন্য দিল ভাল ভাল বলি।
তিন শত সেনা দিল অস্ত্রযুক্ত হলি ॥৬৫॥
কত দিনে রনযাত্রা করে মণিপুরে।
আসি আসি গজালিতে সেনা বান্ধি করে ॥
এথা রাজা রনবার্ত্তা পুরেতে শুনিলা।
ঢুলবাজে প্রজা সবে পুরেতে মিলিলা ॥৬৬॥
রাজা যুবরাজ দুই সাজন করিলা।
গোবিন্দ মান্দপ দোহে রন যাত্রা কৈলা ॥
রাজা কহে আগে চলভাই রনস্থলে।
আমি আগে যজ্ঞ করি যাই হিরাচলে ॥৬৭॥
শুনি মারজিত চলে বহু সৈন্য লয়া।
চলি চলি গজালিতে মিলিল আসিয়া ॥
দুই সৈনা মুখা মুখি যুদ্ধ আরম্ভিলা।
বন্দুকী বন্দুকী যুদ্ধ খড়্গ খর্ড়্গে কৈলা ॥৬৮॥
তবে রাজা যজ্ঞ সাঙ্গে তিন চৈত্র এলা।
হরসিত নৃপমনি যুদ্ধ স্থানে গেলা ॥
দুই সেনা মুখা মুখি যুদ্ধে ঘোরতর।
বন্দুকী চালায়া রনে মরে বহু শুর।
খর্ড়্গ খর্ড়্গ কিবা ফিরি মারিল সকলা।
বসি বসি ফেলা কেলি অনেক যাঙ্গল ॥
এই মতে অষ্টদিন যুদ্ধে অবিরত।
বিধাতা লেখিল তাহা নাযায় খন্ডিতে ॥৭০॥

থুগাইরে। থাংবা ডমপ্রহনা মধুচন্দ্র নিংথৌ মাংগি তেঙ্গোল থবগা লোয়ননা কছারদা যাত্রা তৌহনা চেনপ্রে ॥ ৬৩ ॥ অদুগী তুংদা শাক ১৭২৩গী লমতা থাগী ৯ নিপাম্বা নোংমে য়ুঙ্গিদা নিংথৌ ওইরে। কবাল মিনা ভালোক রাইরেং পামহৈবা কৌই। সেনাপতি ওইবগা মারজিৎনা যুবরাজ ওইহনা মনিপুর প্রজা পালোন তৌরে ॥ ৬৪ ॥ অসোমদা চেনখ্রিবা মধুচন্দ্র নিংথৌ কাছার য়োৎহনা গোবিন্দ-চন্দ্র নিংথৌদা স্নাপুক্রিং শুংভাইতবা থৌদোক রারি পুম্নক তম্মুবদা নিংথৌনা মচাইরেম্মা লৃৎহাহনা থমলে ॥ ৬৫ ॥ থবগী তুংদা মধুচন্দ্রনা মকুইবুংঙদা, হঙ্গংলি তেঙ্গোল থবদ পিনবিয়ু মনিপুরদা লান চংকে অদু তাবদা কছার নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্রনা খুংলাই পাইবা ৩০০গা চাননবা পুম্নক পিহনা থৌবাং তৌবিরে ॥ ৬৬ ॥ ঘুমিং কয়ানিগী তুংদা অকবা দিন য়েংহনা মধুচন্দ্র লান যাত্রা তৌহনা লাকপনা (গজালিতে) সামুপন কোকচাইদা তেঙ্গোল পৈররে। লানগী পাও অসি তাহনা ঢোল পুংজাও য়েংহনা প্রজা খোমগংলে ॥ ৬৭ ॥ চৌরজিৎ মারজিৎ নিংথেম মচিন মনাও লান যাত্রা তৌহনা গোবিন্দগী মান্দোপ্তা লৈরে। নিংথৌনা মনাও ইবুংঙো মারজিৎ তেঙ্গোল পুহনা লান্দা চংলম্মো ইয়াম্বনা (হিরাচোল) হিয়াংথাংদা চংলগা যজ্ঞ অমতং কংলমখিগে ॥ ৬৮ ॥ অদু তাবদা মারজিৎ যুবরাজ তেঙ্গোল পুহনা লাক্লগা কোকচাইদা থুংগরে। তেঙ্গোল অনি উনবদা মায়োক্লহনা লালহৌরে, নোংমৈ কাপ্পে থাঙ্গ থাঙ্গ য়ান্নে তেঙ্গোল অনি মাই ওন্নদে ॥ ৬৯ ॥ অসোমদা চৌরজিৎ নিংথৌ হিয়াংথাংদা যজ্ঞ কংপা লোইরহনা মঙ্গলগী কুপা কংলহনা তেঙ্গোলগা লোইননা লানফমদা থুংগরে। তেঙ্গোল অনি পুল্লগা থরাই পামুনদনা পানৈ নোংমৈনা পান্দুনা মি কয়া শিরে ॥ ৭০ ॥ থাঙ্গ থাঙ্গ য়ান্নহনা তাগা তাগা খিন্নহনা মাই ওন্নদনা লাল পানবদা মপান্নাইদনা

অস্ত্র মারি মধুচন্দ্র ভুমিতে পড়িলা।
হাহাকার করি সৈন্য তাহে ভঙ্গ দিলা ॥
কাংশের কামান আর লৌহের কামান।
পঞ্চাস রাম জঙ্গি আদি বহুত লয়েন ॥৭১॥
বিংশ সত সৈনা কাচারের ধরা ছিলা।
তবে মধুচন্দ্রের দেহ সংস্কার করিলা ॥
পুরে আসি মারজিত জেষ্ঠ রাজা সনে।
পুন মণিপুর পালে মারজিত সনে ॥৭২॥
হেন মেতে চৌরজিত শুখে রাজ্য পালে।
হরি ভক্তি গুরু ভক্তি দ্বীজ ভক্তি পালে ॥
সপ্ত দ্বি সাত একে শকের প্রমান।
মধু শুক্লা দ্বাদশী যেই শনি দিনে। ॥৭৩॥
সেই দিনে রাজধানি পদবী পাইল।
বানী বিনেএই মত সম্পদী পাইল ॥
তাবা পরে উত্রানামে গৃহের সম্মুখে।
ইষ্টকার দ্বইসিংহ পশ্চমাভিমুখে ॥৭৪॥

বাজ দ্বার বাহ্যেহাট মধ্যে রাস্তা চলে।
উত্রা হৈতে দ্বার দেশ বৃক্ষ আরোপিলে ॥
প্রর্য্যান্ত হরিন প্রস্থে পথ সজাইলা।
এইমতে মণিপুর প্রজাকে রাখিলা ॥৭৫॥
বৈশাখের পুর্ণিমাতে কাঞ্চিপুরে গিয়া।
বহুত সমৃদ্ধ হৈয়া গায়কে গাওয়া ॥
পরে শরৎ পুর্ণিমাতে রাশ লিলা কৈল।
চৌরাশি থম্বা সাজি মধ্যে মন্ডলি কৈল ॥৭৬॥
তার মধ্যে গোবিন্দ শ্রীরাধিকা সাথ।
রাস মধ্যে বিরাজিত মণিপুর নাথ ॥
ভাগ্যচন্দ্র সুভভবিয়া রাজা বহু কান্দে।
দন্দবত করি রাজা ঝুরি ঝুরি কান্দে ॥৭৭॥
হাগোবিন্দ রাধা নাথ ভগ্যচন্দ্র নাথ।
তুমা সেবা কার ঠাঞি সোপিলা হানাথ ॥
আমিমন্দ ভাগ্যহীন সেবানাজানিল।
এত বোলি গদগদ বহুত কান্দিল ॥৭৮॥

শিনরে অসুমা চুমিং ৮ নি লাল পানবদা ব্রহ্মাগী নেংদম থিবনা মাগী অয়ুলেইহৃনা ॥ ৭১ ॥ শ্রীমধুচন্দ্রনিংথৌ খুংলাইনা পান্দুনা মৃত্যু ওইরে। হাহাকার লাওদুনা তেঙ্গেল কাইরে। সেন্না সাবা, য়োংনা সাবা, নেংমৈকযাগা রামজঙ্গি ৫০ গা মুলহৌরে ॥ ৭২ ॥ কাছারগি সিকাই ১২০ কারে অরেম্বনা চেনখ্রে লাল লোইরে। অতুগ তুংদা মধুচন্দ্রনিংথৌগী দেহসংস্কার যজ্ঞ তৌরে শ্রাদ্ধকর্ম কংলে। অসুম তৌহৃনা নিংথেম মচিন মনাওনা পুংডাইনা পাল্লে ॥ ৭৩ ॥ য়েরুবা লৈতনা মনিপুর প্রজা ভাকুনা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব সেবা তৌহৃনা লৈবকপহৃনা শোক ১৭২৭ তারকচৌং থাগী ১২ নিপাম্বা থাংজদা ॥ ৭৪ ॥ চৌরজিৎ নিংথৌ কম্বালতোংই মহাবাণীদি মাতক চাবা লৈত্রিবনা য়াওদে ॥ অহৃগী তুংদা উত্রামাংদা, চেক্লানেংশা অনি সারে মমাই নেংচুপ ওল্লে ॥ ৭৫ ॥ অহৃদগী নোংচুপ থোংদগী, কৈথেন ময়াই থাইহৃনা সোরোক সেমথিবনা সঙাইথেন য়োবা ফওবা সেম্নে নাক ২নিদা উ থাই। অরা অনা লৈতনা পাল্লে ॥ ৭৬ ॥ সজিবুগী পূণিমাদা কাঞ্চিপূবদা গোবিন্দ লে থহৃনা রাস কংলি। অহৃগী তুংদা মেরা পূণিমাদা মথোং ৮৪ যুংহৃনা মান্দোপ থল্লগা ॥ ৭৭ ॥ রাধাগোবিন্দ লেংশিন্দুনা মাহারাস কংলি। মপাবুং ভাগ্যচন্দ্র কৌহৃনা কয়া কপই ॥ ৭৮ ॥ রাধাগোবিন্দগী মাংদা চৌরজিৎ নিংথৌ ওক্তু ফিয়েংতুনা প্রার্থনা তৌই হাগোবিন্দ রাধানাথ ভাগ্যচন্দ্রগী মবুংডো ইবুংডোগী সেবাবু থংহৃনা হৈহৃনা তৌজবা নত্তে ননাইনি নিংবিহৃনা কৃপা তৌবিয়ু অসি হায়রহৃনা কযা কপই ॥ ৭৯ ॥ রাসলোইহৃনা আরতি কংলে, রাধাগোবিন্দ মন্দিরদা লেংশিল্লে। গোবিন্দ থুবম্লগা প্রজা অপুম্বা হমখ্রে। অহৃগী তুংদা হিয়াঙ্গে থাদা সজুংহাজাবিদা কৈ কাও য়েকসি য়াথং পি ॥

বাস অন্তে আর্ত্তি কবি মন্দিরে রোপিলা ।
প্রজাগন হর্ষচিতে ঘরেতে চলিলা ॥
অগ্রহায়ন সংক্রান্তি সজুড হাজারি ।
ব্যাঘ্র ধর অজ্ঞাদিল সন্যসঙ্গে করি ॥৭৯॥
রাজাজ্ঞা ফুবালা গ্রামে সত্তরে চলিলা ।
বাগুবা করিয়া চারিব্যাঘ্র যেধবিলা ॥
একমৃত্যু তিনজিব রাজাতে ভেট দিলা ।
হর্ষরাজা সজুডেবে প্রশংসা করিলা ॥৮০॥
তিনব্যাঘ্র তিন দ্বারে পঞ্জরা রাখিলা ।
এইমতে চৌরজিত সানন্দ রহিলা ॥
তার পরে পুলিনবন এক সাজাইলা ।
তারমধ্যে রাসস্থলী শোভিয়া সাজিলা ॥৮১॥
পরে বৈশাখের শুক্লা একাদশি হৈলা ।
বাস দেখ গক্ত বোহে বার্ত্তা জানাইলা ॥
একাদশি পুর্ণিমান্ত বসন্ত রাস কৈলা ।
রাসমধ্যে শ্রীগোবিন্দ রাধা বিরাজিলা ॥৮২॥
সর্ব্বজন পঞ্চদিন এইরঙ্গ দেখে ।
এইমতে নৃপমনি মণিপুর রাখে ॥
আট দুই সাত এক শক জ্যেষ্ঠমাস ।
ষড়াশ শোমবারে যবিষ্ঠ রাঙ্গ মাস ॥৮৩॥
এইমতে মাহারাজ বহুরঙ্গ করে ।
ব্রাহ্মন বৈষ্ণব জন নম্মান যে করে ॥
শ্রীযুক্ত চৌরজিং রাজা দরবার কৈলা ।
সভামাঝে বল্লবী ঠাকুরে অজ্ঞাদিলা ॥৮৪॥
শুনদ্বিজ এইমাগ চৌষটী রস গাই ।
গৌরাঙ্গে শ্রীরাধা কৃষ্ণে সমর্পিবে চাই ॥
মোর অন্তরঙ্গ স্থানে মণ্ডপ সাজাও ।
মণিপুর গায়কেরা প্রত্যো প্রত্যো গাও ॥৮৫॥
চৌদ্দায় মাদন কবি সপ্তদিনে গাও ।
মনিপুর দেবালয়ে ঈশ্বর আনাও ॥
এই কাযোর বল্লবী তুমিত্ত করিবে ।
এই কথা মনিপুর সর্ব্ববার্ত্তা দিবে ॥৮৬॥

---

৮০ ॥ স্নাযাপং পুহুনা মোইরাং ফুবালা খুন্দাকৈরগা (বাগুবা) লাংথাক্লুনা কৈ ৪ ফারে ১দি শিরে ৩ না চংনা ফাই । কোম্নুংদা পুবক্লুনা কংলরে নিংথৌনা সজুহাজারিবু থাগংতুনা মনাপি ॥ ৮১ ॥ অহিংবা কৈ ৩ দো চিজুবুথোং মথা থোংদা ১ । করাওবা থোং অরাং থোংদা ১ । সিংজমাইর নোংচুপ থোংদা ১ । সরং সাহনা য়োক্লে । প্রজামুংডাইনৈ । অদুগী তুংদা কোম্নুংলেন্দা বনশেমগংল ময়াইদা রাস মণ্ডল সেম্মে ॥ ৮২ ॥ অদুগী তুংদা সজিবুগী ১১ নিপান্দা একাদশীদা সামু তোংহুনা রাস য়েংডা পাও চেল্লি । অদুদগী ৫ নিশুবদা পুনিমাকাওবা নুমিং ৫ নি রাস রাধা গোবিন্দ লেংথোক্লুনা কংলি ॥ ৮৩ ॥ প্রজা অপুম্বা ৫ নি চুপ্পা রাস য়েংহুনা নুংঙাইনৈ ॥ শোক ১৭২৮ দা কালেনগী ১৬ নি পাম্বা নিংথৌকাবদা পাথংবা চেং হেংডু ॥ ৮৪ ॥ অস্নুম তৌহুনা চৌরজিৎ নিংথৌ নুংঙাইনা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব সেবা তৌহুনা লৈবদগী নোংমা সভা দরবার তৌই । লাইময়ুম বল্লবী ঠাকুর অরাংপুরেন্দা য়াথংপি ॥ ৮৫ ॥ তাবিযু অরাংপুরেন রস ৬৪ অসি গৌরাঙ্গপ্রভু রাধাগোবিন্দদা কংসি । ঐনা নৌনা কংলিবা রাসমণ্ডল অসিদা মান্দোপ চাওনা খল্লগা মনিপুরগী ঈশৈ হৈবা ওঝাশিংনা রস অমমম শকহল্লিয়ু ॥ ৮৬ ॥ অদুগী চৌদ্দমাদোন কোবা পুং ১৪ য়েবা ধুমেন কংসি । অদুগা মনিপুরদা লৈবা দেবালয় শ্রীবিগ্রহ পুম্নমক লেংথোক্লি মরম অসি অরাং পুরেম্না ফজনবা সিম্বায়ু মণিপুরদা পাও চেম্বাথো ॥ ৮৭ ॥ হন্দকী লাক্কদৌরিবা কাইরেন থাগী ৯নি সগোনসেন নুমিংতগী হৌদ্ননা পুনিমাদা বিজয় তৌনি অদুগা মনিপুরগী প্রজা অপুম্বা সেবা অসিদা থরাই য়াওবিয় । অদু তাবদা লাইময়ুম বল্লবী থাকুর হরাওনা য়ারে প্রজাসু হরাওরহুনা নুমিং অদুগী

শুক্লাশুক্ল নবমীতে পূর্ণিমার অন্ত।
শুন পাত্র এইকার্য্যে তুম্রাকর শান্ত ॥
যে অজ্ঞা বোলিয়া প্রজা সানন্দ হইল।
পরদিনে এইকার্য্য প্রত্যেক করিল ॥৮৭॥
আইল নবমী তিথী আনন্দ হইল।
মণিপুর দেবালয়ে নিমন্ত্রন কৈল।
অষ্টমীতে দেবসব রঙ্গস্থলে রৈল।
ভোগাদি ঈশ্বরার্পন সেবাকার্য্য কৈল ॥৮৮॥
মণ্ডলির মধ্যে চক্রে গোবিন্দ স্থান কৈল।
মন্দিরের চতুর্দ্দোলে গোবিন্দ যাত্রা কৈল ॥
রাজহস্তে ছত্রধরি উপরে রোপিল।
রাসমণ্ডলির চক্রে গোবিন্দ রোহিল ॥৮৯॥
নবমী অরুনাদয়ে বন্দুক বাজিলা।
সেই কালে সংকীর্ত্তন রাজা আরম্ভিলা ॥
একৈক পালাতে চৌদ্দ মাদল বাজিল।
রাগারম্ভে গায়কের মধুরস্বর গাইল ॥৯০॥
দণ্ডবোত করিরাজা বহুপ্রেম হৈলা।
ভজন প্রকষ্ঠে রাজা যাইয়া বসিয়া ॥
মুখবুক বহিপড়ে নয়ানের জলে।
কান্দিয়া কহিল রাজা এবচন ভুলে ॥৯১॥
গৌরাঙ্গ শ্রীরাধা কৃষ্ণ কৃপাকরু মোরে।
এই সংকীর্ত্তন আস্য দয়াকরো মোরে।
এইমতে কত কান্দি স্মরন করিল।
এবেরাজা পুনরপি বাহির হইল ॥৯২॥
প্রত্যহ দেবতালয়ে ভোগাণ্ডি করিল।
অর্দ্ধ বেঞ্জন শ্রীগোবিন্দ সম তুল কৈল ॥
রাজেচ্ছা বল্লবী দ্বিজ সব সমাপিলা।
এইমতে দিবারাত্রি কির্ত্তন করিলা ॥৯৩॥
চারিদিগে শঙ্খধনি মধুর হইলা।
সংকীর্ত্তন মধুর ধনি দিগান্তরে হৈলা ॥
সংকীর্ত্তন পদে পদে গোবিন্দ ভ্রমিলা।
চক্রোপরি মুখপদ্ম প্রসন্ন হইলা ॥৯৪॥

নোংঙানবদগী মান্দোপ থনবা হোরে ॥ ৮৮ ॥ নোংমা নোংমা হৌখিহ্না নবমী লাক্লবদা শ্রীবিগ্রহ পুম্নমক বার্ত্তন তৌরে। অষ্টমী ৮ নিপানবদা শ্রীমুর্ত্তি পুম্নমক রাসমণ্ডোল্দা লেংশিল্লে। লুকহৌহ্না লুককংলে আরতি কংলি নিয়ম সেবা কাইদে ॥ ৮৯ ॥ ময়াইদা রাসচক্র মথক্তা গোবিন্দগী সেম্মি অকোইবদা শ্রীমুর্ত্তি ময়াম্মা কৌই। মন্দিরগী চুতুর্দ্দোলদা রাধাগোবিন্দা লেংথোক্লে নিংথৌ মশামক্না সত্র থৌগন্দুনা রাস চক্রদা রাধাগোবিন্দ লেংথংলে ॥ ৯০॥ নবমী ৯নিগী নুমিৎ থোকপদগী তোপ কাপ্তুনা সঙ্কির্ত্তণ হোরে। পালা অমদা পুং যৈবা ১৪ যৈরে। রাস অহূগী অচুম্বা রাগ হৌই ॥ ৯১ ॥ দণ্ডবত তাহ্না নিংথৌ কয়া কপই। ভজনকুঠীদা চংহ্না ভজন তৌই মিংকী পিনা হকচাং চোৎখ্রে কপ্পা কপ্পা প্রার্থনা তৌই ॥৯২॥ হেগৌরাঙ্গপ্রভু হেরাধাগোবিন্দ প্রাননাথ কংচরিবা সঙ্কীর্ত্তন অসিদা পেম্বিয়ু কপ্তুনা প্রার্থনা অসি তৌরগা ভজন কুঠীদগী মপান্দা থোরক্লে ॥৯৩॥ অকোইবদা লৈরিব। শ্রীবিগ্রহ পুম্নমক অর্দ্ধবেঞ্জন লুকচনবদা গোবিন্দদা কৎপগা মান্নমা কংলি, অহিং নুংথিল কাংদনা সঙ্কীর্ত্তন কংলি লাইময়ুম বল্লবিঠাকুর অরাংপুরেম্না নিংথৌগী নিংবা থুংনবা সেবা কংলি ॥ ৯৪ ॥ মাইগৈ ৪রিদা মোইবুং খোংই। সঙ্কীর্ত্তনগী মথোন্না মাইগৈ পুম্বা সিম্বা থুংনা নিল্লি অকোইবা সঙ্কীর্ত্তন্দা গোবিন্দগী চক্রনা লৈহ্না শ্রীমুখপদ্ম অহ্না ঙাল্লি ॥ ৯৫ ॥ অহিংদা মৈরা থাংমৈনা শিবা থুংনা ঙাল্লি মণ্ডলীদা ফমহ্না চৌরজিৎ নিংথৌ প্রেম কংলি। রাধাগোবিন্দদা কপ্তুনা থুরম্মি শ্রীমুর্ত্তি থুদিংদা কপ্তুনা থুরম্মি ॥ ৯৬ ॥ নিংথৌগী প্রেম উবদা প্রজাপুম্বা কপ্পদবা য়াওখ্রিদ্রে নিংথৌবু শ্রীনিত্যানন্দ প্রভুগী শক্তি চংবামাল্লে হাইনৈ। অসুম্না নুমিৎ ৭ নি সঙ্কীর্ত্তন

রাত্রিতে উল্মুক রাজা তাল সঙ্গ চলে।
মণ্ডলিতে বসিরাজা বন্দিপ্রেম ভুলে ॥
শ্রীরাধা গোবিন্দ আগে পড়িল কান্দিল।
দেবালয়গন আগে কান্দিয়া বন্দিল ॥৯৫॥
রাজা প্রেমে সর্ব্বজন প্রেমাবিষ্ঠ হৈলা।
নিত্যানন্দ শক্ত্যাবেশ এমতে বোলিল ॥
এইমতে সাতদিন সংকির্ত্তন কৈল।
সঃ দক্ষিনা দেবালয় সেবা সমর্পিল ॥৯৬॥
তবেসর্ব্ব ইষ্টগন স্বস্থানে লইল।।
ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব সেবা ভোজন করিলা ॥
রঙ্গচক্রে শ্রীগোবিন্দ মন্দিরে চলিলা।
সবজন ঘরে ঘরে প্রত্যেক চলিলা ।৯৭॥
এথাতে অম্বিকা প্রভু অদভুত করে।
সাত দিনে দ্বাররুদ্ধ খুলিবারে নারে ॥
গোষাঞিরা কিবা বোলি বিচার করিল।
প্রভুকিবা ইচ্ছাহবে নিশ্চয় করিল ।৯৮॥
বাহ্যেতে নৈত্রিক সেবা ভোগাদিক করে।
সপ্তম দিবসে স্বপ্নে কহে কামদারে ॥

শুন কামদার আমি মণিপুরে গেলা।
মোরদাস চৌরজিত সংকীর্ত্তন কৈলা ॥৯৯॥
দুইভাই আয়বোলি রাজা অহ্বালিলা।
উড়িয়া ভাবুক রূপে কীর্ত্তন দেখিলা ॥
পথেজল বরিষয়ে গুঞ্জামাতি ফুটিলা।
মোর কর্নে গোছাদন মঞ্জুরী যে রহিলা ১০০॥
কীর্ত্তনে নির্ম্মাল্য পুষ্পপ্রত্তেক বাতিল।
এই পুষ্প মোর লোভে ইহাতে আনিল ॥
জলসিঞ্চে মন্দিরের নিকতে রোপহ।
এই পুষ্পে প্রতিদিনে আমার সেবহ ॥১০১॥
এতবোলি অন্তর্দ্ধান কামদার জাগরিল।
গোষাঞি পুজারি সঙ্গে মন্দিরে চলিল ॥
খুলিয়া রহিল দ্বার সভেই দেখিল।
স্নান কবি আরাত্যাদি ভোগাদি করিল ॥১০২॥
গুঞ্জাপ্রান্তে মাটি ফুঁটিকর্নে গোছাদন।
দেখিয়া গোষাঞি তবে অনেক কান্দিল ॥
এই কথা মণিপুর রাজে পত্র দিলা।
পত্র কথা শুনিরাজা বহু প্রেম কৈলা ॥১০৩॥

কংলে ৭ নি শুবদা শ্রীবিগ্রহপুম্নমক দক্ষিনা কংলে ॥৯৭॥ অদুদগী ৮ নি শুবদা ঈশ্বর পুম্নমক দক্ষিনা কংলে। ব্রাহ্মন-বৈষ্ণব পুম্নমক প্রসাদি কংলগা লেৎথনখ্রে গোবিন্দ মন্দিরদা লেংশিল্লে, প্রজা পুম্নমক মাগি মাগি মফমদা হন্নখ্রে ॥ ৯৮ ॥ অসোমদা নবদ্বিব শ্রীধাম অম্বিকাদা কালানাৎ শ্যামশুন্দর প্রভুনা ইবুংঙোগী মন্দির অসি মুমিৎ ৭ নি লাই থোং হাংবা য়াদ্রে, অদুদা গোষাঞি পুম্নমক তাম্নবদা ইবুংঙোনা লীলা অমা সাম্নবতাই খন্নদুনা ॥৯৯॥ মপান্দা নিতিসেবা লুক্রচিংবা আরতি কৎতুনা লৈরে ৭ নিগী মুমিদাং অদুদা সেবা কারি কামদার অদুগী মমংদা ইবুংঙোনা হেকামদার ঐ মণিপুরদা চৎলুই মন্নমদি ঐগী ইনাই চৌরজিৎ নিংথৌনা মুমিৎ ৭ নি সঙ্কীর্ত্তন কংলি ॥ ১০০ ॥ গৌরনিত্যাই ইচিলইনাওবু কৌবদগী য়াওরুই। উরিয়াভা-বোকুম্না সঙ্কীর্ত্তন য়েংই। হল্লকপদা লম্বিদা নোংনংদুনা গুঞ্জাদা লৈথোম তৈরিবা অসিনী মথোয়না লৈচন্দোন্দা (গোছাদন) শংত্রে তৌই পাম্মনখ্রদুনা নাদা থেত্তুনা পুরক্কইবনি ॥ ১০১ ॥ সংকীর্ত্তণগী নির্ম্মাল্য য়েন্নবনি ঐনা পামনখ্রদুনা পুরকপনি ঐগী মন্দির মন্নাদা থাও ঈশিং চাইদুনা চিংহল্লু অদুগা ঐগী নিতিগী সেবা ওইগদবনি ॥ ১০২ ॥ অসি তাক্লম্নগা ইবুংঙোলেংখ্রে। কামদার মিকপ থোক্লবদা পুজারি পুদুনা মন্দিরদা লাকপদা থোং অহু কাদুনা লৈবা উরে, ইরুজ্জদুনা আরতি লুক্কংনবা লাংদুনা সেবা চংলে ॥ ১০৩ ॥ দর্শন তৌবদা গুঞ্জা মতোন্দা লৈখোমতৈবা কর্ন্নদা সংত্রে

গৌরচন্দ্র নিত্যানন্দ উৎসব করিল।
এই মতে মহারাজ আনন্দে রহিল ॥
শুনহ রসজ্ঞগন করিনিবেদন।
আমি অতি বুদ্ধিহিন সাস্ত্র জ্ঞান হীন ॥১০৪॥
শুনিয়া হৃদয়ে সাধু করিবে শোধন।
আদোষ দরশি এই মানি মোর মন ॥
শিক্ষা গুরু পাদ পদ্ম ভজন সম্মতি।
তিন রাজার প্রসঙ্গ দীন গুনেন্দ্র রচতি ॥১০৫॥

ইতি

শ্রীমন্মণিপুর প্রসঙ্গে লাবন্যচন্দ্র মধুচন্দ্র চৌড়জিতো পাখ্যানং নামঃ প্রথমসীমা।

জয় জয় শ্রীল গৌরনিত্যানন্দচন্দ্র।
জয় শান্তিপুরনাথ শ্রীঅদ্বৈতচন্দ্র ॥
দিয়া হরি সংকীর্ত্তন প্রেম পরচার।
কৃষ্ণ প্রেমামৃত বন্যা জগতে সঞ্চার ॥১॥
বাহু তুলি হরিনাম জনে জনে দিল।
বিনা মুল্যে কৃষ্ণ প্রেম জগৎ ভাষাইল ॥
তুয়া তিনের কৃপাবিন্দু কবিতা করুন।
শাস্ত্রবাক্য জ্ঞানহীন বাঞ্ছিত পুরন ॥২॥
এবেশুন মণিপুর যে হয়ে কথন।
দ্বিতীয় সীমাতে কহি মারজিতাখ্যান ॥
একদিনে রাজা প্রতি যুবরাজ কহে।
শুনরাজা হরিনগ্রন্থে যে কহিল তাহে ॥৩॥
পঞ্চ পঞ্চ বর্ষরাজা এইত নিশ্চয়।
আমি সংখ্যা এইকাল হইল সময় ॥
রাজা কহে কাল সংখ্যা হইল পুরন।
তথাপিহ অল্প থাক অহে ভাইশুন ॥৪॥
তাহা শুনি মারজিত ক্রোধ উপ্রজিলা।
কিছুনাহি বোলি সেই ঘরে চলি গেলা ॥
ঘরেবসি চিন্তান্বিত বিচার করিলা।
রাঙা চক্ষু ক্রোধ করি অধর দংশিলা ॥৫॥

মতোন থেৎপা উবদা মীপুম্মক কয়া কপ্পরে। মম্মম অসি চিঠী ইহুনা চৌরজিৎ নিংথৌদা থুংভরে। পত্রগী মঙ্গোন তাবদা নিংথৌ প্রজা কয়া কপ্পরে ॥ ১০৪ ॥ গৌরনিত্যাই ২ গি উসপ কৎলে নিংথৌ প্রজা নুংঙাইনরে। গ্রন্থকার্তা লাইরিক লেংবনা প্রার্থনা তৌজৈ হেরসজ্ঞ পুম্মক ননাইদি পাংদবনি। ১০৫ ॥ সাধুগী গুমি নিংবৌহুনা দোষ লৌথিরাই হায়না নিংজৈ। শিক্ষাগুরুগী পাদপদ্মবু কোঞ্জহুনা নিংথৌ ৩গী প্রসঙ্গবু ননাই গুনেন্দ্রনা লেংজৈ ॥

(বিজয় পঞ্চালি কৌবা লাইরিকী অহুমশুবা থগুগী অহানবা অধ্যায় লোইজরে ॥ পাংত্রবা তেংল্লবা ননাই মনিসিং মাঙ্গসিং অনিনা মৈতৈলোন্দা হন্দোকচৈ অরাম্বা পুম্মক ঙাকপিয়ু।)

(অনিশুবা অধ্যায় হৌরে) ॥ ১ ॥ গৌরচন্দ্র নিত্যানন্দ অদ্বৈত প্রভু অহুমগী পাদদা কয়ারক হম্না থুরুমজৈ ইবুংঙো ৩ না সঙ্কীর্ত্তন তৌহুনা কৃষ্ণগী প্রেম্না জগৎ তাওহল্লি ॥ ২ ॥ পাম্বোম রাংনা থাঙ্গৎহুনা মী থুদিংদা হরিনাম পি মমন য়াওদনা কৃষ্ণ প্রেম পি অমুম্না ইবুংঙো ৩ গী কৃপাদগী কবিতা শক্তি ডমজহুনা নিংবা থুংজগে ॥৩॥ তাবিয়ু প্রজা খিবিকপু অনিশুবা অধ্যায় অসিদা মারজিৎকী প্রসঙ্গ লেংজগে নোংমা মারজিৎ যুবরাজনা নিংথৌদা হঙ্গৎলি, শ্রীযুৎইবুংঙো সঙাইথেন্দা তাকপিথিবা ॥ ৪ ॥ চহি মঙা-মঙা নিংথৌ ওইনৌ হাইবহু মতম ওইরে ন্না নোংদম তথিরো। অহু তাবদা চৌরজিৎ নিংথৌনা ইনাও ইবুংঙো মতমদি ওইরে অহুবু খর লৈথো ॥ ৫ ॥ অহু তারা মারজিৎ শাওই। হোই মাই হাইরমদে সঙ্গাইদা হল্লক্লে। অচিকপদা কম্নগা রাথল তৌবদা ইংবা ম্নাদে মিৎ ঙাংডি, থাচিকই ॥ ৬ ॥ য়াম্বুংনা হায়বসিদি নিংথৌ পিরোয় হায়বনি অহুনদি ঐনা নিংথৌ

কহে করু অবশ্যই উদ্যোগ করিব।
যত্ন করি রত্নপাই নিশ্চয় রাজা হৈব ॥
আর শাস্ত্র মতে আমা কিছু দোষ নহি।
শঠ্যে শাঠ্যং ধর্ম্মে ধর্ম্মং এই শাস্ত্র কহি ॥৬॥
তার পরে নিজ জনে ক্রমে বশ কৈলা।
গুপ্তে গুপ্তে স্থানে স্থানে মন্ত্রনা করিলা ॥
এক দিনে মারজিত ঘরে হৈতে গেলা।
লালসন নাম গ্রামে লোকে প্রকাশিলা ॥৭॥
লোকের সমৃদ্ধারম্ভ চৌরজিত শুনে।
বার্ত্তাদিয়া সবজানে পুরে আনয়নে ॥
ঐছে করি যুবরাজ আশাভঙ্গ কৈলা।
ঘরে আসি মারজিত বিচার করিলা ॥৮॥
লজ্জা হেও মারজিত উঢ়লী করিলা।
গুপ্তে চলি নিজ লোকে গুঢ় বার্ত্তাদিলা ॥
অপুঃ নামে বিপ্র আর পালজি রূপানন্দ।
কোকিলা হেম আমু আরও মকরন্দ ॥৯॥

এসপ্ত ব্রাহ্মন আদি কতজন শূর।
সুবলাদি দুই শত সপ্তত্তি তিন তর।
গুপ্ত চলে মারজিত এসন্য লইয়া।
ব্রহ্মাদিগে চলিগেলা মনে হেলাইয়া ॥১০॥
পরে রাজা শুনিলেক এইমত বার্ত্তা।
নন্দ আর কীর্ত্তিবাসী অজ্ঞাদিল বার্ত্তা ॥
বারন লাগিয়া দুই শীঘ্র পাঠাইলা।
লজ্জা হেতু মারজিত বার্ত্তা না মানিলা ॥১১॥
লিলোঙ হইতে আইলেক দুইজন ফিরি।
পরে রূপা ডাকিবাজা পাঠায় ত্বরান্বিত ॥
কাট গ্রাম হৈতে সেই আইলেক ফিরি।
শুনিল নৃপতি পরে তমু গর কাব ॥১২॥
পরে রমা চক্রবর্ত্তি বারিতে পাঠায়।
তার বাক্য মারজিত তভূনা মানয় ॥
এইমতে তিনবার বারে নামানয়।
অজ্ঞাদিলা দরবার চ্ঢ়লকে বাজায় ॥১৩॥

ওইনবা থোরাং তৌবা তাই যত্ননা রতন ফংডি হাইবা রালৈ। অদুগা বেদশাস্ত্রগী রা লৌরবদি দোষ লৈতে। মিনম্বদা মিনমগনি ধর্ম্মদা ধর্ম্ম তৌগনি হাইরি ॥ ৭ ॥ অসি পন্দুনা মারজিং যুবরাজ মাগী মী খোমদুনা লোম্না লোম্না রা তারে। লানগী থোরাং তৌই। নোংমদি মারজিং মাগী মী মথৈ পূদুনা (লালসন) লান্সোম্বাদা উত্তোংচাক চানগনি হাইদুনা পৈখ্রে ॥৮॥ লান্সোনবা খুন্দা মীয়াম পৈরে পাও তাবদা নিংথৌনা মনাই থাদুনা কোম্মুংদা কোথংখ্রে। অদুদা যুবরাজনা নিংগুম্বা. পুম্নমক কাইখ্রে। মারজিং সঙ্গাইদা হল্লক্লগা রাথন তৌই ॥ ৯ ॥ মারজিং ইকাইবদগী (উঢ়লী করিয়া) মমাই ফিরুক থুমদুনা, লোম্না মাগী মী খোমদুনা যাত্রা তৌখ্রে। অপুং (গুরু- ময়ুম অপুং শর্ম্মা) লাল্লজিং (গুরুময়ুম লালজিং শর্ম্মা) রূপানন্দ (সিতারাম ময়ুম রূপানন্দ শর্ম্ম) কোকিলা (গুরুময়ুম কোকিলা শর্ম্ম) হেমো (বাচস্পতিময়ুম হেমো শর্ম্ম) অমু (ছিদংময়ুম অমু শর্ম্ম) মকরন্দ (ব্রহ্মচারি ময়ুম মকরন্দ শর্ম্মা) ॥ ১০ ॥ ব্রাহ্মাণ ৭ সিগা ছুইদ্রোম শুবলনাচিংবা লাপ্মি (২৭৩) গা লোইননা লোম্না কোংনা থরোইদনা অরা লৈপাক্তা চংখ্রে ॥ ১১ ॥ পাও অসি চৌরজিং নিংথৌনা তাদুনা মনাও থাম্মু হাইদুনা (নন্দ) হঞ্জবম নন্দ শর্ম্মগা (থোকচোম কিত্তিবাসি) গা থারকই। লিলোংদা উনদুনা থাম্বদা ইকাইমুংসি য়াম্নদুনা মারজিং য়াথিদ্রে ॥ ১২ ॥ লিলোংদগী হল্লক্লুনা চৌরজিং নিংথৌদা থাম্বা য়াদ্রে হঙ্গংলরে। অদু তাবদা নিংথৌনা (রূপা) সাপমরূপা লাইকম্লাক- পবু মনাও থাম্মু হাইদুনা থারকই। (কাটগ্রাম) ককচিংদা উনদুনা থাম্বদা মারজিং য়াথিদ্রে। হল্লক্লুনা পাও হঙ্গংলি ননাও তুমু য়ৌথিবা তাই ॥ ১৩ ॥ অদু তাবদা নিংথৌনা (গুরু ময়ুম রোমা

দেশভাষ্যে কলা শব্দ মধ্যে সানুসারে।
সেআসনে নৃপমনি বৈশেন আবরে ॥
ঢলা শব্দে প্রজাগনে চর্তুদ্দিগে মিলে।
রাজা বোলে শুণ পাত্র প্রজাগন মিলে ॥১৪॥
তিনবার মোরভাই বারিতে নামানে।
সভেবোল যুদ্ধকিবা নাবুদ্ধি তারসনে ॥
প্রজা বোলে যুদ্ধ যোগ্য নামানে যুবরাজ।
রাজ বোলে ভাল ভাল কর রনসাজ ॥১৫॥
শুনহে সজুং তুমি সন্য সঙ্গে চল।
ব্যহু করি কাটগ্রাম যুদ্ধ কর বল ॥
রাজাজ্ঞায়ে সন্যসহ সজুংব্যহু করে।
সেই পরে পুর সনা যুদ্ধসাজ করে ॥১৬॥
পরে সনা হৈতে দূত আসিয়া কহিলা।
শুনরাজা কবখারি সহিতে মিলিলা ॥
অত এব কাট গ্রাম লইবে সকলে।
সন্য সঙ্গে ললহামে রাজা অজ্ঞা চলে ॥১৭॥

প্রভাতেতে দুই সন্য বহু যুদ্ধ করে।
যুবরাজে অভিনামে অগ্রসার করে ॥
দৈব ক্রমে গুল্লি মারিসে ওভি পড়িলা।
দেখি মারজিত ক্রোধে আচা আচা বোলা ॥১৮॥
খড়র্গ ধরি আগে করি জয় দুর্গামায়ে।
সন্যসহ এইমতে অবিরত ধায়ে ॥
লল আর সজুংওদি সন্য ভঙ্গ ধাবে।
সনা লৈয়া মারজিত খেলাইয়া আরে ॥১৯॥
যেন মতে শুষ্ক পাতা বায়ুরে লইলা।
তেন মতে সৈন্যগন খেলাই খেদাইলা ॥
এথাতে অনুপানন্দ রাজাতে কহিলা।
আমি যাই যুবরাজ বারিতে ইছিলা ॥২০॥
রাজা কহে যেই বোল যথার্থ হইল।
বমা সেনাপতি আর চারি পানাচল ॥
রাজা জায়ে বমাচলে ঢাক ঢুল বাঝে।
দুই সন্য দেখা দেখি হৈল পথ মাঝে ॥২১॥

চক্রবর্তিবু মনাও খম্মু থাই অহুমু য়ারক্নে, অমুম্না ওলক খম্বদা মারজিৎ য়াখিদ্রে) অহুগী তুংদা চৌরজিৎ নিংথৌ ঢুল পুংজ'ও য়েহুনা মীয়াম খোমহুনা দরবার তৌই ॥ ১৪ ॥ মৈতৈ এখোইগী লোন্দা কংলাদা শ্রীযুৎ লেংথোকুনা লানব'ও তাহুনা লাকপা প্রজাগা দরবার তৌই। নিংথৌনা মণিপুরগী অথৌবা খিবিক ॥ ১৫ ॥ ইনাও ইবুংঙো মারজিৎ মনিং থুংদবদগী শাওহুনা চংখ্রে। অহুমক খাম্বদা য়ারক্নে অহুনা লাল লাক্রদ্রা নিংই পাগদ্রা পারোইদ্রা। প্রজানা খাম্বা য়াদরনি দোষ লৈতে লাল পাগনি নিংথৌনা অহুদি থৌরাং তৌরসি ॥ ১৬ ॥ নিংথৌনা, উকংপুরেন সজুংদা তেঙ্গোল পুহুনা ককচিংদা লাল ডাকল য়াথং পি সজুং উকং পুরেন্না ককচৌংদা লানবন শাহুনা লৈরে। মারজিৎ যুবরাজ অরা তেঙ্গোলগা লোইননা লাল্লাকুনা গোর লাম্বন থুগাইররে ॥ ১৭ ॥ অহু উবদা উকং পুরেন্না মনাই থারকুনা নিংথৌদা হঙ্গংলরে। মহারাজ ইবুংঙো ননাও মারজিৎনা অরা তেঙ্গোল পুহুনা লাক্লগা ককচিং গোর লাম্বন থুগাইখ্রে। থিংবা ঙমদ্রে ককচিং লৌখ্রে। পাও তাবদা লালহাম্ব হাজারিবু তেঙ্গোলগা থাদৈ ॥ ১৮ ॥ সজুং লালহাম্ব অনি পুন্দুনা নোংঙাল্লকপগা লাল পানৈ। মারজিৎকী মাং থানা সলাম ওভিনা লাল চংবদা গুলিনা পান্দুনা শিরে। অহু উবদা যুবরাজ মারজিৎ শাওই খা চিকুনা থাং পাইরগা লালমাং থংলক্লে ॥ ১৯ ॥ দুর্গামাই লাওহুনা অহম্বা লৈতনা লাল চংলকপদা থিংবিনডাই লৈব্রে, তেঙ্গোল কাইরে সজুং লাল হাম্বা তেঙ্গোল পুহুনা চেল্লে ॥ ২০ ॥ উনা অকুংববু নোংলৈনা পুবগুম মারজিৎনা তেঙ্গোল চাইখাইরে। লাল কাইরে পাও তাবদা মণিপুর তুম্নবা ভারে হাইহুনা, আচার্য্য গুরুগী মচা অনুপানন্দ শর্ম্মনা

মাবজিত সন্য শুক তুরিতে চলিলা।
গুরু দেখি যুবরাজ ভক্তিয়ে বন্দিলা ॥
গুরু কহে যুবরাজ মোর বাক্যধব।
ভাই ভাই দুন্দুকর নাশোভে নাকর ॥২২॥
মোর সহ জেষ্ঠারাজে বন্দহ যাইবে।
তোবে দেখি জেষ্ঠরাজে সানন্দ হইবে ॥
মাব কহে অপবাধ ক্ষেম গুরুদেব।
পূর্ব্বেত নিশ্চয বাক্য বাজানাহি ভাব ॥২৩॥
অতএব বলাৎকারে সমর করিব।
জয়াজয় দৈবগতি এক্রোধ সান্তিব ॥
অনুপানন্দ কহে ভাল সমব কবিব।
এবোলি গজক্ষেগ্রাম সনা কলবব ॥২৪॥
একদিনে মহাযুদ্ধ করে সেই স্থানে।
নাসহিয়া রমা আদি পালায়ে তাহানে ॥
হাজারাদি জন কন ধরিয়া রাখিলা।
কাট ইব সেকমাই সঙ্গিয়া আইলা ॥২৫॥
যেনসর্প অবিরতে চলিয়া আইলা।
তেনমতে মারজিত সন্যলৈয়া গেলা ॥
গিরি বাসা হৈতে আসি ঈয়াঙ্গ পথ এলা।
বাজাজ্ঞা সহর পথে বহু যুদ্ধকৈলা ॥২৬॥
দুই সৈন্য গুরুক্ষেপ কভুনা করয়ে।
গুলিমারি বহুজন ত হাতে মরযে ॥
মার সনা পাল জিত ধর্ম্ম সহে পড়ে।
রাজ ব সৈন্যেতে দামু সভ্ভেট পড়ে ॥২৭॥
তবে মাব অল্প সন্য থাংপোখেক গেলা।
রাজ দ্বাবে হ টমাঝে প্রবেশ করিলা ॥
অশ্ব কারি চড়ি মাব হাতে বধি লৈলা।
বধিঘাতে দ্বারবাহ গইপ্রাণ লৈলা ॥২৮॥

ঐনা লাল খামগনি হাইদুনা তেঙ্গোল পুদুনা লাকই। মাবজিৎপু খায়বদা য়াদ্রে ॥ ২১ ॥ পাখা য়াদ্রে পাও তাবদা চৌরজিৎ নিংথৌনা, রাজকুমার রোমা সেনাপতিবু লাল চংল্ পানা ॥ পুখো য়াথং পিরে অদুগা আচার্য্য গুরুসু ইনাও খাম্বা লেংড, হঙ্গলি। পু, যৈদুনা মঙ্গল তৌদুনা লাকপনা লমখাদা উনরে ॥ ২২ ॥ তেঙ্গোল ২ নি খায়গা আচার্য্য গুরুনা মাবজিৎকী নাক্ত চংলগা হাই ॥ গুরু উবদা মাবজিৎ খুৎলাই থাদুনা দন্ডবত তানা খুরুম্মি। গুরুনা যুবরাজ ঐনা হাইবা ইল্লু নচিন ননাও থংনবা তৌগদু ॥ ২৩ ॥ ঐগা লৈইনদুনা কোন্নবদা চংসি নয়াঙ্গং খুরম্মু, নংবু উবদা য়ায়া হবাওগনি। মাবজিৎনা গুরুদেব ঐগী অপরাধ ভাকপিয়ু। মাংদা চহি মডা মডা নিংথৌ ওইনৌ ইমানা তাকপি হেহি হাইনখি হৌজিক য়াবিদ্রে ॥ ২৪ ॥ মরম অদুনা নিংথৌ ওইগে হায়দুনা লাল পাবনি জয় পরাজয় ওইবদি গোবিন্দগী নোংদম্মি। অদু তাবদা গুরু নন্দন অনুপানন্দনা থিংবা ঐখোইনা লাম্বনি মানা মানা পাম্বা তৌবসু হাইদুনা আচার্য্য গুরু হল্লক্লে। অদুগী তুংদা (গজক্ষগ্রাম) সামরৌখুন্দা তেঙ্গোল অনি লাল পানৈ ॥ ২৫ ॥ নোংমা চুপ্পা লাল পানবদা থিংবা ভমদ্রে, রোমা সেনাপতিনাচিংবা নিংথৌগী তেঙ্গোল কাইবে হাজারি কয়া মারজিৎনা কাখ্রে। অদুদগী খুমুকচম হাজারিনে ককচিংনে ইরম সিঙ্কাইনে, নোংপোক সেকমাইনে কৈরোইনে অসি পুদুনা ॥ ২৬ ॥ হু পুবা লিম্মা কিবা লৈতনা চংপগুম মারজিৎ লাকপনা চাঁঙা লানথংলক্লুনা য়াইস্কুল লমসাং য়ৌবে। নিংথৌনা কোন্নুং কাইবা তারে হাইদুনা লাল থেংনৈ ॥ ২৭ ॥ য়াইস্কুল লমসাংদা পানবদা লানদি হন্দুনা চেনখিদ্রে শিবদা মপান নাইখিদ্রে। মারজিৎকী তেঙ্গোলদা, পালজিৎ শর্ম্মা ধর্ম্মসিং হাজারি, শিরে। চৌরজিৎকী তেঙ্গোলদা সজুং উরুংপুরেম্নে নোংথোম্বম দামু হাজারিনে শিরে ॥ ২৮ ॥ অদুগী চৈরক্তা মারজিৎ তেঙ্গোল খর পুদুনা নাকোই চংখিদুনা কৈথেল

চৈতন্য দয়ানন্দ দ্বই পড়ে সেই খানে।
পুরহৈতে সন্য আসি বন্দুক চালানে ॥
রাজহাতে দ্বই সন্য মরা মরি কৈল।
দ্বই সন্য প্রাণপনে ঘুর যুদ্ধ কৈল ॥২৯॥
বন্দুকের শব্দযেন মেঘের গর্জ্জন।
ধুম মেঘ গুলিযেন মেঘ বরিষন ॥
তার মধ্যে খড়গা খড়গী বধি বধি ফিরে
অশ্ব চড়ি বধি হাতে বীরগন ফিরে ॥৩০॥
চাল খড়গ হাতে করি শুর শুর ফেরে।
এইমতে রাজদ্বারে মুখা মুখি করে ॥
এথা রাজা উচ্চৈঃ স্বরে প্রজারে কহিলা।
শুনপ্রজা বোরভাইবড় স্নেহ হৈলা ॥৩১॥
পানভাই দিগে প্রজা বন্দুক নাচাল।
অস্ত্রমারি কিবা হৈলা এবোলি ধুকিল ॥
তথাপিও যুবরাজ প্রবেশ নারিলা।
এমতে আরাম গৃহে সন্যাগরে রৈলা ॥৩২॥

তৎকালে অনন্তস্বহা বড়মন্ত্রি আর।
অনুপানন্দ কুমুদা খুজুঙ যে আর ॥
এচারি চলিলা তবে এযুদ্ধ না হেরি।
অন্তরঙ্গ স্থলে রাজা রহে সৈন্য ঘেরি ॥৩৩॥
গনসহদেবহুতী গেলা অন্য স্থানে।
রাজরানী গণসহকরিয়া রক্ষনে ॥
ক্ষুধা তৃষ্ণা সন্য গনে করিল বণ্টনে।
পানগুরা ফলমুল করেন বণ্টনে ॥৩৪॥
তার পরে রাজ অজ্ঞা নব পাঠাইল।
নব মারজিত কহে রাজা অজ্ঞা কৈল ॥
শুন ভাই এইদেশে রাজা হবে মানি।
মহিরঙ্গপুরে রাজ্য ভাল হবে মানি ॥৩৫॥
এই হবে অর্দ্ধ রাজ্য দিবে মনে মানি।
নতু কালাপুরে যাঞা তুমি থাক মানি ॥
দুষ্ঠ কোনজন প্রেরি এই কর্ম্ম হৈলা
অবে অপকীর্ত্তি হবে এইনা স্মরিলা ॥৩৬॥

অমাংবো য়োথিদুনা মারজিৎ শগোলতোংদুনা থুংতা তাপাক পাইদুনা নোংচুপথোং থুগাইবে থোং পুবা নিপা অনি হাংলে ॥ ২৯ ॥ অদুগা থাংজম চৈতন্যগা এলাংবম দয়ানন্দগা অনিসু মারজিংনা হাংলে। অদু উবদা কোম্নুংদগী তেঙ্গোল চোংথোরকুনা অকনবা লান পানি স্নথোংদা ॥৩০॥ নোংমৈ মথোন্না নোং খোংবগুম্মি নোলিগী মৈথুনা নোং ওইখ্রে। মরু তাবনা লেন নোংলৈ ওইখ্রে অদুগী মরক্তা থাঙ-থাঙ তংগা তাগা লৈনৈ। মরক্তা শগোল তোংবগা তোংবগা ॥৩১॥ অদুদগী মকম পূন্নমকতোকখিদুনা স্নাথোংদা তেঙ্গোল অনি মায়োক্নরে। অদু উবদা চৌরজিৎ নিংথৌনা খোঙ্গেল রাংনা লাওরকই তারো তারো প্রজা খিবিক ইনাও ইবুংঙো মারজিৎ য়াম্না নুংশিবা ইনাওন ॥ ৩২ ॥ অদুনা ইনাওগী তেঙ্গোলদা নোংমৈ কপকনু, খুলাইনা পান্দুনা ইনাও শিথিনি নুংশাথিয়ে। অদু তাবদা লান লেপ্লে। অদুমদি ওইরগা মারজিৎ চংবদি ভমন্ত্রে ॥ ৩৩ ॥ মতম অদুদা অনন্তশাই মন্ত্রিনে গুরুময়ুম অনুপানন্দ শর্ম্মা হাওবম কুমুদ কৈরুংবা উরুং পুরেনময়ুম খুজুং মা ৪ শিদি লাল য়াওদনা কোম্নুংদগী কুমথপ্রে কোম্নুং মনুংদা তেঙ্গোলনা কোইদুনা নিংথৌ লৈখ্রে ॥ ৩৪ ॥ মনাইনা থৌগন্দুনা দেব হুতী রাণী ইবেম্মশিং অতোপপা মকমদা হোংদোকখ্রে। অদুগা থোং লোন্দুনা অরাম খৌরাংবশিংদা চাকয়েন্সাং, পানা গুয়া হৈ-রা য়েল্লি ॥ ৩৫ ॥ অদুগী তুংদা চৌরজিৎনা থোকচোম নবসিং থারকুনা মারজিৎতা হাইরে। মনাও ইবুংঙো যুবরাজ নয়াম্নুংস্না য়াথংনি নিংথৌ ওইনিংলবদি মোইরাংদা নিংথৌ ওইয়ু ॥ ৩৬ ॥ মণিপুর তংখাই য়েন্নগা লৌখো। অদু নংত্রগা ময়াং ইম্ফালদা ওইয়ু। ইচিন ইনাও পানমিন্নসি ফত্রবা মীনা ইন্থিনবা য়াগনু তুংদা বদনাম লাকনি মিংচৎ থিগনি

লজ্জা আমি অবিম্নতা পরদেশ যাবে ।
রাজা কথা যুবরাজ ক্রোধ লজ্জা ভাবে ॥
কহে নব নাবোলিহ মনেনা মানিবে ।
তুমি থাক রাজ হৈলে বডসম্পংদিব ॥৩৭॥
শুনিনব রহিলেক যুবরাজ স্থানে ।
বার্ত্তা ফিরি তার পুত্র শ্রীধর্ম্ম চরনে ॥
ধর্ম্ম কহে যুবরাজ কহিলা বচনে ।
প্রদেশে যাইবে চল দুই তিন সনে ॥৩৮॥
সব কথা মোরমনে কিছুনা মানিল ।
রাজা কহে ভাল ভাল সাজসন্যবল ॥
এথা মারজিত বীর কোন কর্ম্ম কেল্লি ।
সন্ধ্যা হৈতে পঞ্চদণ্ডে অন্যপথেচলি ॥৩৯॥
গন সহ কংলা উত্রা অগ্নিদাহ করে ।
রাজগৃহ শ্রীগোবিন্দ মণ্ডপ দাহকাব ॥
পূজারি গোবিন্দ লৈয়া অন্যস্থানে গেলা ।
হাহাকরি হাগোবিন্দ সর্ব্বজন বোলা ॥৪০॥

অগ্নি তাপে রানীগন হত হত বোলে ।
খাগেম্ব খড়গ আর পুরান লয়া চলে ॥
অন্তরঙ্গে মহারাজ সন্য গররহে ।
ভাইর চরিত্র দেখি অশ্রু ধারা বহে ॥৪১॥
রাজা কহে আজি হৈতে মোরভাই নহে ।
তুমি শাক্ষিহওপ্রভু শ্রীগোবিন্দওহে ॥
এত বোলি সোক চিতে বজ্রা দিবা করে ।
সন্য কহে সত্য এতো অযোগ কর্ম্মকরে ॥৪২॥
তবে আর কথা হৈল দেব কৃপা করে ।
ফনিন্দ্র দেবতা আগে ধনুর্ব্বানপরে ।
আর কামক্ষার আগ্রে অক্ষত পড়িল ।
ধনুর্ব্বান অক্ষতকে রাজা স্থানে দিলা ॥৪৩॥
দুই ঠাই শুনাকপা এক এক দিলা ।
ধনুর্ব্বান বন্দিলয়া অক্ষত ভক্ষিলা ॥
কপিল সংহিতা শাস্ত্রে কপিল বচন ।
ইহাবিচারিলে জগংদেবেঙ্গিত হেন ॥৪৪॥

॥৩৭॥ ইয়াম্বব, মণিপুর থাদোক্নুনা চংলবদি য়াম্না ইকায়বা অমনি। অদু তাবদা মারজীং যুবরাজ য়াম্না ইকায়, শাওবগু শাওই। নবসিং য়েংদুনা হে নব মারজীং ননাওনা য়াদে হঙংদিয়ু। অদুগা নং শিদা লৈরো এনা নিংথৌ ওয়নবদি নকম চাওনা হাপ্পিগে ॥৩৮॥ অদু তাবদা নবাসং অদুম লৈরে, মচানিপা ধর্ম্মসিং থাদুনা নিংথৌদা হঙংলি তাবিয়ু মহারাজ ইবুংঙো ননাও ইবুঙোনা হঙংলকই মণিপুর থাদোক্নুনা ননায় অনি অহুম্না থোগন্দুনা লেংখিবনা ফগনি হঙংলকই ॥৩৯॥ সনা য়াথং অদু অপাম্বা য়াওজদে, অদু তাবদা চৌরজীংনা য়াম্না করে ইনাওগী নিংবা থুংলসনু তেঙ্গোল খুংলাই থারো কাপ্নে। অসোমদা মারজীং সন্ধ্যাগৌরী মতুংদা, অহিংদা ॥৪০॥ মাগী তেঙ্গোম্না মপান্দা কোয়রগা কংলানে উত্তরাসংনে মৈ থারে, অদুদগী নিংথৌগী সঙ্গাই গোবিন্দগী মাণ্ডাপ ওকসং তানয়ৈসং শামুথোং লুকথোং মৈ চাক্লে পূজারীনা গোবিন্দ পুদুনা চেল্লে হাহাকার লাওনরে। ॥৪১॥ মৈশানা মুপী অঙাং পুমনমক মাংলে মাংলে লাওনরে। পোইরৈ থোংনাং লাম্বী দেবহুতী বাণীনা থাগেম্বা থাংনে, সনা পুয়ানে পুদুনা চেল্লে। কোমুং মগুংদা তেঙ্গোলগা লোয়ননা চৌরজিৎ নিংথৌ পি তাদুনা কপই ॥ ৪২ ॥ নিংথৌনা ওসিদগী ইনাও ওইদ্রে হা গোবিন্দ ইবুংঙো কবি নোংদমনো। অসি হায়রগা পি তাদুনা রাশকই অভম অভম লাইবক য়েংনরগনি। প্রজানা চুম্মী মতিক চাই মহারাজ ইবুংঙো ॥ ৪৩ ॥ মতম অদুদা ঈশ্বরগী কৃপা অমা লাক্লে (ফনিন্দ্র) স্নামহি লাইমাংদা লিরুং তেন ফংদুনা নিংথৌদা পিনরে অমনা কামক্ষা দেবীগী মাংদা চেং থোইদিং লৈরমদুনা নিংথৌদা পিনরে ॥ ৪৪ ॥ ঈশ্বর ২ দা মা তাঙ লুপা তাঙ কংলি। থুরমদুনা লিরুং তেন

থীর চর যত জীব কালের কলহয়। অর্দ্ধকোরি চড়ি দ্বার উত্তরে ভাঙ্গিলা।
বুদ্ধি দৈবমহৎ অল্প কালানুগা হয় ॥ সেইদিনে গৃহে আছে অগ্নিদাহাইলা ॥
কর্ম্ম পাশে কদাচিত অন্যকিছুনয়। পুনরপি গড়বাহ্য অশ্ব ফেরাইলা।
এমতে কপিল বানী সাস্ত্রেতে কহয় ॥৪৫॥ অশ্ববেগে দক্ষিন দ্বারে কনৈকে মিলিলা ॥৪৯॥
দৈবেদিল ভোগ কালে অন্যথা নাহিহয়। কৈরা সেনাপতি সঙ্গে তাহাতে যুঝিলা।
এহেতু মনেতে রাজা রাজ্য নাহিদিয়ে ॥ অতি সুবতর তথা হইল মিলিলা ॥
যাবৎভোগ যতকাল অন্যবুদ্ধি হয়। দুই সন্য মুখা মুখি বন্দুক চালান ॥
মারজিত কৃতকায্য খলেগনিলয় ॥৪৬॥ তথাপিত রাজা সন্যদ্বারে ভাঙ্গিয়ান ॥৫০॥
দৈবক্রমে এইবুদ্ধি তাহারে যে হয়। খড়গধরি মারজিত ঈয়াই দ্বার কাটে।
শুন শ্রোতা জগৎসর্ব্ব অত্যদ্ভুত হয় ॥ দ্বারে কাটিনিজ সন্য চালাইল হাটে ॥
অত পরে যুদ্ধ কথা কহিব ক্রমেতে। ভঙ্গালি যেমন জল চরে অবিরতে।
ফৈবাবকে সেনাপতি রাজা ক্রোধ চিত ॥৪৭॥ তেন মতে মাব সন্য হয় অন্তরিতে ॥৫১॥
অহনিসি অবিরতে পুণ যুদ্ধ কৈলা। শাল দ্বারে রাজ সৈন্য সম্মুতে রহিল।
পঞ্চমদিবসে ব্যাপ্ত ঘোর যুদ্ধ হৈলা ॥ সেই দ্বারে রাজাদিগে বন্দুক চালিল ॥
রাত্রে যুদ্ধে ষষ্ঠমের দিবস হইলা। রঙ্গস্থলে মহারাজ নিচিন্তে রহিলা।
প্রাতে যুবরাজ বীর পুরে প্রবেশিলা ॥৪৮॥ অস্ত্রধরি পঞ্চ গৃহ সন্য ঘেরি রৈলা ॥৫২॥

লোরে। চেং থোইদিং অদু চারে। তাবিয়ু শ্রোতা থিবিক কপিল সংহিতাদা লাওরি অদুগী রা লোরবদি মীওইবা হাইবসে ঈশ্বরগী নোংদম ডাক্তনি ॥ ৪৫ ॥ অচংপা চৎতবা জীব পুম্নমক মতমগী মতুং ইনবনি। মবুদ্ধি কৈদা শিংঙিদা হাইবনচিংবা পুম্নমক অসে মাগী মাগী মতুং ইনবনি। অদুগা অফবা নুংঙাইবা হায়বসি মাগী মাগী কর্ম্মগী মতুং ইন্না ফংবনি লাওরি ॥ ৪৬ ॥ ঈশ্বরনা মাগী ভুক পিরিবা মথৈ মানা চাগদবনি কনানা থুগাইবা ঙম্বা নত্তে অদুনা মারজিৎনা ফংতবা তাবনি। চৌরজিৎনসু নিংথৌ পিদবনি ॥ ৪৭ ॥ অদুগা জীবনা খল্লকপা রাথলসে ঈশ্বরগী লিলানি কনাবু ফৈ ফংতে হাইগবনো। মথা অসি লানগী রা লেংজরগে। চৌরজিৎনা কৈরাববু সোনপতি হাপ্পুনা লাল পানৌ হাইদুনা তেঙ্গোল পিরে ॥ ৪৮ ॥ অহিং নুথিল নাইদনা নুমিং ৫ নি চুপ্পা অকনবা লাল পানরে। তরুক্তি শুবগী অয়ুক্তা মারজিৎ যুবরাজনা কোম্মং চংলগে নিংলদুনা ॥ ৪৯ ॥ শগোল কোরি তোংদুনা অরাং থোং থুগাইরগা চংশিন্দুনা অহল্লুপ সংজেন মৈ থারে। অদুদগী তম্না হন্দোক্তুনা মথাথোংদা থুংডরে ॥ ৫০ ॥ কৈরাব সেনাপতিগা লোইনদুনা লাল পানৈ, তেঙ্গোল অনি মাই ওন্নদে নোংমৈনা পান্দুনা মী কয়াগু শীরে নিংথৌগী তেঙ্গোল কাইরে ॥ ৫১ ॥ অদু উবদা মারজিৎনা চংশিল্লক্তুনা য়াইস্কুল থোংজেন কক্তুনা তেঙ্গোল চংলে। পনকাইরগা ঈশিংনা চেন্সিনবগুম মারজিৎকী তেঙ্গোল চংখ্রে ॥ ৫২ ॥ শালদ্বার চিংজুবু থোংদা পৈরম্বা নিংথৌগী তেঙ্গোল নোংমৈ কাপসিন্দুনা থুগাইরে। অসোমদা চৌরজিৎ রাস মন্দোলগী লম্পাক্তা তেঙ্গোলগা লোইননা লৈখ্রে। অসোমদা মারজিৎকী তেঙ্গোলনা সং মঙা থুগাইরে ॥ ৫৩ ॥ (নৃপান্তি) নিংথৌ

নৃপাস্তি খাড়্গাক ক্ষেত্রি মালোম ভিতরি।
এইপঞ্চবর্গ সন্য রাজ্যে আছে ঘেরি ॥
শালদ্বারে ভাঙ্গিমার সিংহনাদ কৈলা।
অশ্বচড়ি বর্ম্মধরি তুরিতে ধাইলা ॥৫৩॥
খড়গধরি গনসহ চৌরজিৎ ধাইলা।
দুইভাই রঙ্গস্থলে জয়কে ইচ্ছিলা ॥
কিবাসোভা দুইজন সেইরঙ্গস্থলে।
মণিপুর রনবেশ অঙ্গেতে উজ্জলে ॥৫৪॥
মাথাতে মুকুট সোভে সর্পকনা করে।
স্বর্ন কুণ্ডল কর্নে বক্ষেনানা হারে ॥
বিচিত্র কবচ অঙ্গে গলে যন্ত্র রাজে।
যতরাজ আভরন দেখিতে বিরাজে ॥৫৫॥

(লঘুত্রিপদী)

রাজা যুবরাজ, রনেমহাসাজ,
দেখেসবে কুতুহলে।
খড়ের্গ চৌরজিত, এইজনযত,
প্রসংসে সবেকুতুহলে ॥
দক্ষ হস্থে খড়গ, সালশি নারঙ্গ,
স্বর্নেমুষ্টি খড়গ সোভা।
গণ্ডাচর্ম্ম কাল, ফুলোপরে আল,
ঝাণ্ডাচুলিচর্ম্ম শোভা ॥১॥
মারজিতবর্ম্মি, সবজন শংশি,
কুম্ভে ধরিভয় নয়।
দেখি চৌরজিত, হাতে খড়গবস্তু,
নির্ভয় হইয়া ধায় ॥
দুই তরা তরি, হাতে অস্ত্রধরি,
ফির'য় মণ্ডলী করি।
দুইবৃষে যেন, করয়ে শ্বসন,
তেমন দুই চিৎকারি ॥২॥
রাজা বামা বর্ত্তে, ফিরে মণ্ড সহে,
দক্ষিণে মারজিৎ বীর।
মারবাম ভাগে, ফিরে অশ্ববেগে,
দক্ষিণে চৌরজিত ধীর ॥

সেম্বা সং (খাড্যাগ) থাংগুবাসং ক্ষেত্রি সংলেন (মালম) মালোম সংলেন (ভিতরি) ভিত্রাসংলেন লোইশং ৫ সিনা নিংথৌবু কোইহুনা কল্লবা মারজিৎনা চিজুবু থোংদগী নোংসা লাল্লাও লাওহুনা সং ৫ খ্ গায়হুনা মমুং চংলে শগোল তোংলগা তাপাক পাইহুনা লানমাংদা লেপই ॥ ৫৪ ॥ অদু উবদা নিংথৌনা তেঙ্গোল কাইগমু, লানমু পানগমু কুম্মৈ য়েংডু লাওই অদুগা শগোল তোংলগা চুঙ্গোই থাং পাইহুনা চোংথোরক্লে। তেঙ্গোল অনিনা ভাবোক ওইরে নিংথেম মচিন মনাওগা সাকি লানফি থোন্দুনা লেপ্পরকপদা করিগী মকজনো ॥ ৫৫ ॥ কোক্তা কোকথোন পোল্লিবা অদুগী ফিনা অনিদুনা লৌনগী মতোক মাল্লি, কুন্দোরনাম্নিন ২ না নাপদা ওাল্লি। হকচাংদা থাং তা চংদনবা ফুরিৎ লিংলি। নোংমৈ তোপ্পা পান্দবা যন্ত্র পরেংনা ওক্তাসিয়ে। রাজ বেশনা হকচাংদা লৈতেংভি ॥ (লঘুত্রিপদি ছন্দ) ॥১॥ মাইগৈ অনিদা নিংথৌ যুবরাজ অনিনা নাম্মা নাম্মা লেপ্লে তেঙ্গোল অনিমক কুম্মৈ ওইনা লেপ্তুনা য়েংই। চৌরজিৎ নিংথৌ শগোলথক্তা তোংভি ফজে লৈপাক্লা থাগংনৈ। য়েংথংবা খুৎতা সা খুগু থাং থাংমি উৎপদা তুপ্পা খুহুমদা স্নানা কাম তৌবা থংশাং পাই। ওইথংবা খুৎতা শামুগন্দা মউন্না শাবা চুঙ্গোই মচু মুবা ফুল ৪ হাপ্পা সনানা কাম তৌবা য়েংবদা লংবনা মীৎ ওাওবা চুঙ্গোই পাই। ॥২॥ মারজিৎ যুবরাজ শগোল কোরি থক্তা তোংভি, ফজে লৈপাক্লা থাগংনৈ ॥ য়েংথংবা খুৎনা তা পাই ওইনা চুং পাই অকিবা লৈতনা ময়ামুং তম্মা চংলকই। অদু উবদা চৌরজিৎ থাজী জাগাই সাহুনা অকিবা লৈতনা চংলকই শগোলগা শগোলগা চোংশিন্নে থাংদোনগা থাংদোনগা কেদে কেদে ভানৈ মখোন তাবদা মীপায়নৈ। শগোল অনি চোংথোক্লৈ য়েত্তা ওইদা উরু-রু

কুম্ভের সন্ধানে, বেগেতে ধাবন,
চর্ম্মেতে বারিল রাজা।
নিষ্ট্রিংশ কেরিয়া, ত্বরিত হইয়া,
কড়িয়ালী ছেদেরাজা ॥৩॥
অশ্ব অঙ্গ ভারী, ছেদে অশ্বডোরী,
পড়ে মারজিত বীর।
দেখি সন্যে বোলি, ছেদে কড়িয়ালী,
পরে যুবরাজ বীর ॥
দৈবের কারনে, মাযায় খণ্ডনে,
দেখিয়া ভাইরদশা।
রাজা চৌরজিত, নহে অস্ত্রাঘাত,
স্নেহের কারন আশা ॥৪॥

(পয়ার)

অন্যস্থানে মারজিত সাজিল চুপলি।
চুপলি কাটিল পরে সন্য উত্তরলি ॥
সেইধ্বনি চতুর্দিগে যেমন তরঙ্গ।
তাহা শুনিদক্ষিনের সন্যদিল ভঙ্গ ॥১॥
হাটে তেলা বাদি সন্য তাহাই শুনিলা।
হাট হৈতে রাজ দ্বারে তৎক্ষনে ধাইলা ॥
দেখি দুইপানা সন্য কামন বাজিলা।
দ্বার হৈতে মারজিত সন্য ভঙ্গ দিলা ॥২॥
এথা দৈবে যুবরাজ সমর্থ নহিলা।
হিসা নদীতিরে দ্বারে শীঘ্রকাট দিলা ॥
নন্দাদি কতেক জন অস্ত্রা ঘাতে কৈলা।
তাহা হৈতে রত্নদেশে দিগেতে চলিলা ॥৩॥
মারসন্য কবখারি ত্রিশত ধরিলা।
কৈরা সেনাপতি আরতুলসিং মনি গৈলা ॥
সন্য সহ খেদাইলা পর্যান্ত কাটই।
তাহানা পাইয়া সন্য সবফিরি গেই ॥৪॥
সেই যুদ্ধে সপ্তদিনে হাট শুন্য হৈলা।
কব খারি পুনর্ব্বার নিজ স্থানে গেলা ॥

লৈনৈ থাং হায়বগি হুই হুই লাওবা থাংথোক্না সঙ্গাইসেন পাইবগুম্মী। যল্লাবা অনি রাইনবগুম শামু অনি থেংনবগুম ভংনৈ ॥ ৩ ॥ চৌরজিৎ ওইদা লৈবা মারজিৎ য়েংতা লৈবা। য়েংকা ওইগা উরু উরু লৈনৈ চুংদা কাওবা মথোক্না নোংখাকপা গুম্মি তাদোন হাইবনা নোংথাং কুপ্পগুম্মী। শগোনগা শগোনগা থেংনহুনা মশাগা মশাগা থেংনভানবকপদ। মারজিৎনা তা শংতুনা থবাক তন্না থিল্লি চৌরজিৎনা চুঙ্গোইনা তাদোন ভাকথোকই হুৎ হুৎ লৈথোক্লরকপদা চৌরজিৎনা থাংদোন খংথিহুনা মারজিৎকী শগোল চুপ্পি ককখ্রে মারজিং শাগোন্দগী তারে লাওনৈ মুমিং অহুদা মারজিৎ শিয়ু তমদবনা চৌরজিৎনা মনাওনি মুংশিহুনা থুলাই থাদে ॥ (পদ) ॥ ১ ॥ মচি অমদা হুন্দোকুনা মারজিৎনা চুপ্পি শিল্লি। অহুদা মারজিৎকী চুপ্পি থারি ককখিহুনা শগোন্দগী তারে হাইহুনা তেঙ্গোলনা নিম্বা তাবদা মথা খোংদা লৈরিবা মারজিৎকী তেঙ্গোল কাইখ্রে ॥ ২ ॥ পাও তাবদা মপান্দা কৈথেন্দা লৈবা মারজিৎকী তেঙ্গোলনা চংশিল্লকপদা পানা অনীনা নোংমৈ কাপ্তুনা তান-থাইবদা কাইখ্রে চেনখ্রে ॥ ৩ ॥ মারজিৎনা চুপ্পি সেম্মীডৈদা লাল হাম্বা হাজারিনা শগোন্দা তান খিন্দুনা তুখ্রে মারজিৎ উপাই লৈত্রহুনা (হিসানদীর) হিজগাংসং হিয়াং হিরেন খল্লিবা ইম্ফাল তুরেন মপান সঙ্গেন খোংদা চেম্থোকখ্রে। থোং পুবা নন্দসিংনা চিংবা তেঙ্গোল কয়া তানা খিস্তু-রমহুনা অরা তান্না চেনখ্রে ॥ ৪ ॥ মারজিৎনা পূরকপা অরা লাম্মী ৩০০ ফারে। কৈরা সেনাপতিগা তুলসিং মনিরাম্মসিংনা চিংবা ককচিং কাওবা তান্নরুবদা কংত্রহুনা হল্লক্লে ॥ ৫ ॥ অহুগী লান্দা মুমিৎ ৭নি কৈথেন মুৎলি। অহুগী তুংদা অরাসিং অহু মরৈপাক্তা থাবিখ্রে। মৈনা চাকখ্রিবা য়ুম

অগ্নিদাহ সবগৃহ পুনঃ বানাইলা।
তার পরে শ্রাবনের ষটবিংশতি দিনে ॥৫॥
অনাবৃষ্টি পণ্ডিত বাক্য রাজানদীস্থানে।
সেইদিনে অকস্মাতে বহুবর্ষি হৈলা ॥
এইমতে মণিপুরে রাজ্য শাসন কৈলা।
শুন শ্রোতা বিধি লেখে অসত্য নাহয় ॥৬॥
অবিয়োগ জনে বিধি বিচ্ছেদকরয়।
বিচ্ছেদকে অবশ্যই সংযোগ করয় ॥
চৌরজিত মারজিত বিচ্ছেদ নাহয়ে।
দৈব হেতু শক্রভাবে বিরোধ করিয়ে ॥৭॥
কথার প্রসঙ্গ ক্রমে কহি সেই বানী।
কর্ত্তারাজা দুইপুত্র জন্মে দুই রানী ॥
এক মাহারানী হয় নাম দেব হুতী।
হেমচন্দ্র চৌরজিত তাহার সন্ততি ॥৮॥
আরেক মহিষী হয় দেবযানী নাম।
সেইসে মহিষী গর্ভে মারজিত জন্ম ॥

মারজিত বাল্যকালে মহিষী মরিলা।
দেবহুতী স্তনামৃত নিতি নিতি পিলা ॥৯॥
দেবহুতী দুইকুলে এক এক পিলা।
হেন হেতু বড়স্নেহ যথার্থ হইলা ॥
মরিলেহ ত্যক্ত ভূমে বিবাদ হইল।
হরিমায়া তুমা আমা ক্ষীনআয়ু বল ॥১০॥
পৃথিবী বলন্ত পাপী মন্দমতি হৈয়া।
আমাকে কাটিল পাছে মরয়ে ছাড়িয়া ॥
হেন হেতু সাধুজন তেজি সবআশা।
হরিভক্তি সাধু সঙ্গ খণ্ডে যম পাশা ॥১১॥
মণিপুর সপুবংশ প্রসঙ্গ এহয়।
সংখ্যা নাহি মুখ্য মুখ্য প্রশংস কহয় ॥
অনন্ত পুরান শাস্ত্রে অনন্ত কহেন।
বংশাবলি কথা শুনে গঙ্গা স্নান হেন ॥১২॥
অতএব জ্ঞাতি গঙ্গা এই কথাকয়।
অকালে মৃত্যুনাহে কুলাধি কার হয় ॥

পুম্নমক নৌনা শাগংলে। চহি অহু ইংগেন থাগী ২৬নি পানবা ফাওবা নোং তাদে ॥ ৬ ॥ নিংথৌ প্রজ্ঞা, পণ্ডিং লোইনহুনা নোংমাইজিংদগী নোংথোং নোংলাওবী লৌথরুহুনা ইম্ফাল তুরেল্দা পূজা তৌই। মুমিং অহুদগী নোং তাই। মতুংদা অরা অনা লৈতনা মুংভাইনা পাল্লে ॥ তাবিয়ু শ্রুতা থিবিক ব্রহ্মাগী নোংদম সোইবা নত্তে ॥৭॥ কাইনবা হৌনদ্রবমু ইলাই লাইনা কাইনৈ। কাইনখ্রবমু অমুক হল্লিন্নে চৌরজিং মারজিং কাইনকম থোক্তে, অহুবু লাইগী নোংদম থিবনা কাইনৈ। ॥৮॥ মাগী মরম হায়জগে কার্ত্তা ভাগ্যচন্দ্রগী মহারাণী ২ না পোকপনি। মহারাণী ১ না দেবহুতী কৌই। মাগী গর্ভদা হেমচন্দ্র চৌরজিৎ অনি পোকই ॥ ৯ ॥ মহারাণী অমনা দেহযাণী কৌই মাগী গর্ভদা মারজিৎ পোকই যাম্না অঙাং ওইনা কম্বা ওমকপদা মৃত্যু ওইখ্রে। মমা লৈত্রবদা দেমহুতী রাণীনা অমৃত পিথক্কুনা য়োকই ॥ ১০ ॥ রাণীনা তম্পাক্তা পম্মগা অমৃত নামা নামা পিথক্কুনা য়োকপনি অহুনা যাম্না মুংশিনবনি। অহুবু শিরগা পুরোইদবা হুন্দোক্কুনা চৎখিগদবা লৈপাক্কিদমক, ঈশ্বরগী মায়ানা নংগীনি ঐগীনী হায়হুনা থরাই মাংনৈ ॥ ১১ ॥ জগৎ মাতা ইমা পৃথীবীনা লাওরি হে অপংবা মীওইবা লেংদ্রবা ঐবু মুম্নবদা কয়ানা শিনৈ, ঐগীনি হাইহুনা চুক য়ুংলম্বা অহুমাদি শিখ্রে ঐদি লৈহৌই, হায়হুনা নোকই। অহুনা সাধুসিংনা পুম্নমক থাহুনা কৃষ্ণ ভক্তি তৌই যমরাজগী থানা ককই ॥ ১২ ॥ মনিপুরগী রাজবংশ ৭ কী প্রসঙ্গ ৱারীনী অকুপ্পা ওমজদে মরু মরু তবু লেংজবনি, মপান্নাইদবা পুরাম্নি লেংবদা লোইবা ওম্বা নত্তে অদুগা বংশাবলি পুরান তাবা অসিদি গঙ্গা স্নানগী কোল কংই ॥ ১৩ ॥ মরম অদনা জ্ঞাতি গঙ্গা কৌনৈ। মাবু তাবদা

আয়ু বৃদ্ধি রোগনাশ গ্রহদোষ ক্ষয়।
দ্বিজ আদি চারিবর্নে বিষ্ণুকৃপা হয় ॥১৩॥
এমতে অনন্ত শিব শাস্ত্রেতে কহয়।
জর্মেজয় রাজা পূর্বে বংশাবলি আশা ॥
ভারত শ্রবনে রাজা পাপ ব্যাধি নাশা।
এ হেতু বংশের কথা শ্রবোনে উচিত ॥১৪॥
পরে মণিপুরে হয় কহি কথা যত।
পরে জন এক পত্র রাজ আগে দিলা ॥
রাজা বন্দি সেইপত্র রাজা সমর্পিলা।
ভাই যুবরাজ আইলা ব্রহ্মাদেশ হৈতে ॥১৫॥
যুবরাজ দৈন্য কথা শুনিপত্র হৈতে।
আনন্দ নৃপতি ভাই ভেটিতে অজ্ঞাদিলা ॥
বড়মন্ত্রি খুলিঙ দুই রাজা অজ্ঞাদিলা।
যুবরাজ ভেটি দুই আনিলা রাজ গৈলা ॥১৬॥
দুই গজ অল্পজন যুবরাজ সঙ্গিত।
দৈন্য হৈযা জেষ্ঠ রাজা বন্দে মারজিত ॥
ভাই দেখি প্রেম কুলে রাজা আনন্দিত।
বস্ত্রসঙ্গে দোষ সুদ্ধি শাস্ত্রযুক্তি কৈল ॥১৭॥
শুভদিনে শুদ্ধকৈল ব্রাহ্মন লইয়া।
পঞ্চব্রাহ্মনেতে গৃহবস্ত্র বস্তু দিয়া ॥
দ্বাদস বসরে ভোগ দিলা ভক্ষবস্তু।
শুভদিনে শুদ্ধকৈল ব্রাহ্মন সগুস্ত ॥১৮॥
এই মতে মারজিত রহে মণিপুরে।
প্রতি দিনে বহুস্নেহে রাজ প্রেমা দরে ॥
তার পরে কত দিনে এক কথা হৈলা।
উত্তরে থময় নাম পূলিন্দগ্রাম রৈলা ॥১৯॥
তারে যুদ্ধ চাবি পানা উত্তরে চলিলা।
ইহারাই সন্য গড় তাহাতে রহিলা ॥
হেন কালে মারজিত নিজ সন্য লৈয়া।
রাত্রিকালে চলিগেল গুপত করিয়া ॥২০॥
রাজ সন্য প্রেম দণ্ডি আবশ করিলা।
পাণ গামুছালি স্থানে সন্য গড় কৈলা ॥

অবমৃত্যু কোকই, শাগৈ চাওখৎলি, পূন্সি সুংশাংই, লাইথুং কোকই, গ্রহগী দোষ কোকই, ব্রাহ্মণা চিংবা বর্ন ৪ মকপুম্বু শ্রী বিষ্ণুগী কৃপা ফংই ॥ ১৪ ॥ প্রসঙ্গ অসি অনন্তগা মহাদেবগা ঙাংনখি। জন্মেজয় নিংথৌনা বংশাবলি লিহন্দুনা মাহাভারত তাবদগী মশাগী লাইথুং কোকখি। মবম অসিনা বংশাবলি তাবদগী মতিক চাই, তাকম থোকই ॥ ১৫ ॥ মথাসি মণিপুরগী প্রসঙ্গ লে জরগে। মতম থর লৈখ্রবা তুংদা মুপা অমনা চিঠী পত্র ১ মা নিংথৌদা কংলরে, পত্র অদু পাবদা মারজিৎ যুবরাজনা চংজগে হাইবা ওইরম্রে ব্রাহ্মাদেশদগী মনাও লাক্লে তাবদা ॥ ১৬ ॥ অদুগা মনাওগী প্রার্থনা তাবদা নিংথৌনা মনাওবু ওক্নু যাথং পিরে। বড়মন্ত্রিগা খুলিং হাজাবিগদা য়াথং পিদুনা অথেমপোৎ য়াওনা ওক্নুনা নিংথৌগী মাক্তা পুশিলক্লে ॥ ১৭ ॥ সামু ২ গা মনাই কয়াগা লোয়-নরকই। নিংথৌগী মাংদা ভক্তি কংতুনা থুবস্মী য়াম্না সুংশিনা মনাওবু কোম্বিরে অদুগী তুংদা অরাগা তিম্নরুবগী প্রায়চিৎ শাস্ত্র যুক্তি থীদুনা ॥ ১৮ ॥ ব্রহ্মসভানা অকবা মুমিং পিদুনা, ব্রাহ্মণ ৫ ভুঞ্জান কংলে কিরোই হেংংলে। চহি ১২ গী ভক্ষবস্তু লাংদুনা ঈশ্বরদা মহংসোপ কংত্তুনা প্রায়চিৎ তৌরে ॥১৯॥ অদুগী তুংদা যুবরাজ ওইদুনা মণিপুর অসিদা মচিন মনাও য়াম্না সুংশিননা লৈমিননরে। অদুগী তুংদা মুমিৎ কয়ানি লৈরগা (থময়গ্রাম) কোহিমা হাও লমহেক্লে ॥ ২০ ॥ নিংথৌনা পানা ৪গী তেঙ্গোল থাদুনা হাওবু নৈথাইদুনা তেঙ্গোল শাদুনা লৈরে ॥ ২০ ॥ অদু তাবদা, উবদা মারজিৎ যুবরাজনা অহিংদা লোম্না মাগী তেঙ্গোল পুদুনা চংলগা ॥ ২১ ॥ নিংথৌগী তেঙ্গোল পানা ৪ অসি প্রেম দন্দিনা মাগী মী ওইহন্দুনা তেঙ্গোল সেম্নগা (গামুছালি) মোংশাঙ্গেদা লান্নম গোর

শুনি চৌরজিত রাজা সন্যগন লৈয়া।
গামুছালি গিয়া যুদ্ধ মনে ক্রোধ হৈয়া ॥২১॥
একমাস মাহা যুদ্ধ সেই স্থানে কৈলা।
দৈব ক্রমে মারজিত পরাজয় হৈলা ॥
সেই যুদ্ধ দৈবাধিন মারজিত ভাঙ্গিল।
না রহিয়া পুনর্ব্বার পরদেশে গেলা ॥২২॥
কাচারের একদেশে গোবিন্দ চন্দ্র রাজা
পূর্ব্বে মধুচন্দ্র যাকে কন্য দান রাজা ॥
তস্মাত শ্বসুর হয়ে মণিপুর রাজা।
তার দেশে দুখঃ মনা আইলা যুবরাজা ॥২৩॥
তারে দেখি কোন বোলি পুছিল রাজন।
মারজিত যুবরাজ রাজারে কহেন ॥
শুনিয়া গোবিন্দচন্দ্র কোপ দৃষ্টি চাহে।
ওরে দুষ্ট জ্যেষ্ঠ বধ আসিলেন কাহে ॥২৪॥
আমার যামাতা তোমি কি যোগ্য বধিলা।
এত বোলি তার অশ্ব রাজা কাঢ়ি নিলা ॥

না রহিয়া তথা হৈতে শ্রীহট্টে আইলা।
তথাতে আগর তলা কুমিল্লা আইলা ॥২৫॥
চাটি গাও মোক আদি প্রতেক চলিলা।
তথা হৈতেরত্নপুরে যাইয়া পোঁছিলা ॥
সেই কালে রত্ন পুরে এক কথা হৈলা।
রত্ন রানী মউ মন্ত্রী প্রেমাবতী হৈল ॥২৬॥
এহেতু ঔষধ মন্ত্রে রাজাকে বাউল।
মউ রাজ্য সম্পং দিতে রানি মনে হৈল ॥
ইয়েং নামে রাজা ভাই যুবরাজ হৈল।
সেই ক্রোধে মউ মন্ত্র ধরিবারে ছিল ॥২৭॥
উদ্যোগ তথাপি কারে ধরিতে নাপারে।
হেনকালে মারজিত আইলা অন্ত পুরে ॥
দৈব ক্রমে ইয়েং স্থানে গমন করিল।
দুহা দেখি দৈব ইছা বড় স্নেহ হৈল ॥২৮॥
মার দেখি যুবরাজ কোথাকানে বোলে।
মণিপুর যুবরাজ মারজিত বোলে ॥

সাহুনা লৈরে। পাও তাবদা চৌরজিৎ নিংথৌ অশাওবগা লোইননা তেঙ্গোল পুহুনা মুংশাঙ্গৈদা লান পাই ॥ ২২ ॥ মাই ওম্নদে থা ২মা চুপ্পা লান পান্নবদা লাইগ নোংদম থিবনা মারাজিৎনা মাইথিহুনা তেঙ্গোল কাইরে, মণিপূরদা লৈবা য়াদ্রহুনা চেন্নে ॥ ২৩ ॥ মারজিৎ কছারগী গোবিন্দচন্দ্র নিংথৌদা থুংঙরে। মমাংদৈদা মধুচন্দ্র নিংথৌনা লান কাইহুনা চেম্বদা মাগীদা থুংডি, মুশিহুনা মচাইবেম্মা পিহুনা মমাক ওইথি। অহুনা মণিপূর নিংথৌগী দি মকুনি, অহুম্বা গোবিন্দ্রচন্দগী কোন্নুংদা মাইথোংমুশুক কাহুনা মারজিৎ চংলুরে ॥ ২৪ ॥ নিংথৌনা কনানো হংডি, মণিপুর নিংথৌগী মচাইবুংডো মারজিৎ যুবরাজনি খুম্মি। অহু তাবদা কাছার নিংথৌ অশাওবা মিংয়েং য়েংলগা হাইরকই হে যুবরাজ নয়াম্ব মধুচন্দ্রবু হাৎপা ওম্বা নাহাক্না অসিদা করিগী কদৌবা লাক্লি ॥ ২৫ ॥ ঐগী ইমাকপূ নংনা করি নগুন লৈহুনা হাৎপগে অসি হাইরগা, তোংলিবা শগোল অহু মুনহোরগা তাম্থোকখ্রে। অহুদগী শ্রীহট শিলোটিয়াদা লৈরে, অহুদা লৈবা মুংভাইত্রহুনা তখেন্দা অমুক লৈরে; অহুদগী কুম্মিলাদা অমুক লৈরে ॥ ২৬ ॥ অহুদগী চাটিগাওদা অমুক লৈরে মোক্লাদাস্থ মৈরমগা অরা লৈপাক্তা তারকুনা মন্দলে কোন্নুংদা থুঙরে। মতম অহুদি মনদেল কোন্নুংদা পাল্লিবা অরানিংথৌগী মহারাণী রত্নরানিগা মউ বরমন্ত্রিগা প্রেম লৈনহুনা কাইনবা ওম্নদ্রে ॥ ২৭ ॥ অহুগী মরমদগী নিংথৌদা হিদাক মন্ত্র থাজিন্দুনা অরা নিংথৌ ভাওরে অহুদা মাহারাণীনা মউমন্ত্রিদা নিংথৌ পিগে থৌরাংডি। নিংথৌগা পোকমিন্নবা মনাও ইয়েং যুবরাজনা থংহুনা মউমন্ত্রিবু করম্বা উপায় তৌহুনা কাগদগে থৌরাংডি ॥ ২৮ ॥ অহুদা মাগী মরাইবক কবনা কাবা ওমদহুনা য়াম্না শাওনা লৈরিদৈদা মারজীৎ

চৌরজিত জ্যেষ্ঠ রাজা বিবাদ হইলা।
যুদ্ধহতে নিরুপায়ে এথাতে আইলা ॥২৯॥
শুনিয়া ইয়েঙগু বোলে আস্য ভাল হৈল।
মোর সঙ্গে মিত্র বোলি উঠী কোলে কৈল ॥
এইমতে রয় পুরে মারজিৎ রহিল।
রয়ের বিবাদ কথা ইয়েঙড কহিল ॥৩০॥
মণিপুর কথা যত মারজিত কহিল।
ইয়েঙড কহিল মিত্র বিবাদ কহিল ॥
মউকে ধরিতে মনে কতকাল হৈল।
দিবানিশি এই হেতু আচিন্তা হইল ॥৩১॥
আমার উপায়ে করি তুমার উপায়।
মারকহে তুমাকৃপা মণিপুর পায় ॥
ইয়েঙড কহিল আমি তুমারে সন্যদিবা।
আমার যতেক দুঃখে তোমিহ শুনিবা ॥৩২॥
মউ মন্ত্রি ধরে মোর আশা নিরন্তরে।
দুষ্ট মন্ত্রি ধরি নারি যোগ্য দণ্ডি করে ॥
এই দুই বিনা মোর সুখঃ নাহি মনে।
দশ সহস্র সন্য লৈয়া চলহ আপনে ॥৩৩॥
যুদ্ধ করি রাজ হৈয়া থাক মণিপুরে।
মোর দেশে এই কার্য্য কিবা যুদ্ধ করে ॥
তবেত তোমার ঠাই দূত পাঠাইবা
বার্ত্তা পাই সন্যসহ তুমিত আসিবা ॥৩৪॥
তুমি আস্যে মোর যুদ্ধে সমর্থ হইবে।
মারজিত কহে ভাল সেকার্য্যে করিবে ॥
এত বোলি রাজ পুত্র দুইদৌব্য কৈলা।
হেনমতে কতদিন তাহাই রহিলা ॥৩৫॥
রাজার বাউলে রয় ইয়েঙড শসিলা।
এই হেতু আর অজ্ঞা সর্ব্বত্র পালিলা ॥
যুবরাজ সেনাপতি পোখেপে আজ্ঞা দিল।
তুমা সহে সেনাপতি দশ লয়া চল ॥৩৬॥
মিত্রের সহায় করি শত্রুকে নাশও।
দশ সহস্র সন্য লৈয়া তুমা চলিধাও ॥

থুংডুরে, লাইগী নোংদম্মা ইয়েং যুবরাজগী ময়ুমদা, থুংডি উনবদা সুংশিনৈ ॥ ২৯ ॥ ইয়েংনা মহাশয় কদাইদগী লাকপনো হংডি। ঐ মণিপুরদগী লাকপনি মারজিং কৌই যুবরাজনি খুম্মি। ঐনা লাকপদি ইয়াম্বা চৌরজিং নিংথৌগা থংনম্ভনা লান পানবদা মাইথীহনা উপাই লৈত্রহনা লাকপনি ॥ ৩০ ॥ অদু তাবদা ইয়েং যুবরাজনা তরাম তবাম কৌশিল্লগা ঐথোয় অনি মরূপ ওইরসি হাইনহনা কোল্লি।, য়াম্মা লুনা তৌরহনা, মারজাৎ লৈরে অদুগী তুংদা অরাদা তারবা বিবাদ মথরাই থুংডাইতবা পুন্নমক রারো শারে ॥ ৩১ ॥ মারজিংনা মণিপুরদা মানা তৌরকপা চহি ৫। ৫ নিংথৌ ওইনগদবদা পিদবা লালগী রাবা মথং মথং সাই ॥ ইয়েং যুবরাজনা মউমন্ত্রি ফাগদবগী হোনবা ওমদবা মথরাই থুংডাইতবা পুন্নমক রারি শান্নে ॥ ৩২ ॥ ইয়েং যুবরাজনা, মরূপ ঐগী উপাই মরূপপা তৌবিয়ু। মরূপকি উপাইনা ঐনা তৌজগে মারজিংনা মরূপকী মপান্দগী মণিপুর কহনবিয়ু ইয়েংনা ঐগী অরা তেঙ্গোল পুহনা মনিপুরদা লাল চংলো নিংথৌ ওইরুরো ঐগী অররসি তারদো ॥ ৩৩ ॥ মউমন্ত্রি ফাহনা মতিক চাবা দন্দি পিবা অমসুং মথরাই লৌবা অনি অসি তৌব্রবমথৈদি ঐ ইংবা য়াররোই। অহানবদা মরূপপা লাম্মি লিশিং তরা পুহনা ॥ ৩৪ ॥ লান পাহনা মণিপুরদা নিংথৌ ওইহনা লৈরুরো। অদুগা ঐগী দেশ অসিদা করিগুম্বা লাল পনবা থোক্লবদি ঐনা মী দুং থারকনি, পাও ফংবগা মরূপপা তেঙ্গোল পুহনা লাল পাংলগদবনি ॥ ৩৫ ॥ মরূপকী মপান্দগী ঐনা লান ওমহনা নিংবা থুংগদবনি। মারজিংনা ঐনা পাম্বমক থোক্লে হাইহনা যুবরাজ অনি রাশক্রয়ে, সুংঙাইনরহনা সুমিৎ কয়ানি মতম ডাইহনা লৈবে ॥ ৩৬ ॥ নিংথৌনা নোংমা নোংমগী ডাওবা

পোখেপ যে অজ্ঞা বোলি যাইতে কয়ে সাম্রে
রয়ের যতেক সন্য সোপে যুবরাজে ॥৩৭॥
হর্ষ হৈয়া শুভদিনে মারজিৎ যাত্রা কৈলা।
আসি আসি মণিপুর সিমাতে আইলা॥
মাঘ সপ্তবিংশদিনে রন বার্ত্তা আইলা
তবে রাজা দরবারে ঢুল বাজাইল ॥৩৮॥
পাত্র প্রজাগন আসি সত্বরে মিলিলা।
যুক্তি করি রন যাইতে সভেই মানিলা॥
প্রস্তাসঙ্গে চৌরজিত আইল কাট গ্রামে।
একাদশ দিনে যুদ্ধ সেই কাট গ্রামে ॥৩৯॥
সেই যুদ্ধে মারজিতে দৈব জয় দিলা।
নাসহি চৌরজিৎ রাজা সন্যভঙ্গ হৈলা॥
তথাতে চৌরজিৎ রাজা কাচার দেশ গেলা।
দ্বাদশ বৎসর ক্রমে রাজ্য সাস কৈলা ॥৪০॥
* সুনহ অবধমন করিনিবেদন।
অসার সংসার জানি হরিভজ মন॥
ধন জন যৌবন হারাইবে একে তিলে।
নাহিক চেতন কাল অজাগর গিলে ॥৪১॥
বিষয় যত কর্ম্ম সুখঃ তিলে চুরি করে।
যমের কিঙ্করধরি নিব যম পুরে॥
হেন জানি শ্রীকৃষ্ণের নামকর সার।
তবেসে তরিবা সুর সংসার নিকার ॥৪২॥
শিক্ষা গুরু পাদ পদ্ম ভজন সম্মতি।
মণিপুর কথাদিন গুনেন্দ্ররচতি॥
(ইতি) শ্রীমন্মনিপুর প্রসঙ্গে চৌরজিৎ মারজিৎ যুদ্ধোপখ্যানং নাম দ্বিতীয় মীমা।

হেঙ্গিল্লকুনা ইয়েং যুবরাজনা লৈপাক পুত্থনা ম'না হাইবদা ইল্লে। নোংমা পোখেপ সেনাপতি য়েংত্থনা য়াথং পি নংনা চিংত্থনা সেনাপতি ১০ চংলে॥ ৩৭॥ মত্তপ অসিগী সোত্তায় তৌত্থনা য়েক্রবা মাংহল্লুরো লাম্মী লিশিং ১০ পুত্থনা চংলো, অদু তাবদা পোখেপ সেনাপতিনা সা য়াথং ইগ্গনি য়াব্রত্থনা যুবরাজনা তেঙ্গোল সিল্লরে॥ ৩৮॥ চহি ১মা থৌরাং তৌরগা অকবা শুমিৎ য়েংত্থনা যাত্রা তৌরগা মারজিৎ লাক্কুনা মণিপুর সিমনা য়ৌরক্লে। লানগী পাও অ'সি রাকচংগী ২৭ নি পানবদা সা কোম্নুংদা থুংলরে। লাম্নুং য়ৈত্থনা দরবার তৌই॥ ৩৯॥ মণিপুরগী অকন অথৌ তিন্দুনা রা তাম্রবদা লাল তৌবদা লেপ্পরদুনা লানগী যাত্রা তৌদনা চৌরজিৎ নিংথৌ ককচিংদা তেঙ্গোল শ'দুনা শুমিৎ ১১ নি লান পানবদা থিংবা ভমদ্রে॥ ৪০॥ মারজিৎকী জয়না কন্দুনা চৌরজিৎকী তেঙ্গোল কাইরে। মনিপুরদা লৈবা য়াত্রত্থনা কাছাবদা লে'খ্রে। মণিপুরদা চহি ১২ নিংথৌ ওইত্থনা গোবিন্দ সেবা তৌরম্মি॥৪১॥ মতাং অসিদা মনসিক্ষা লেংজৈ হে অপংবা মোন সংসার অসে অরেপ্পা নত্তে খংত্থনা শ্রীহরিবু নিংসি লন থুম্নচিংবা মথোং কারকপা অফ মুংডাই পুম্নমক অসে থোইদিং ১দা মাংথিগদবনি। কাল কৌবা লাইরেল্লা য়োংপদা জ্ঞান তারোই॥ ৪২॥ বিষয়গী অফ-মুংডাই পুম্নমক থোইদিং মথাইদা মাংথিত্থনা যমরাজগী ত্থংনা কারগা যম কোম্নুংদা পুথিগদবনি। অসি খংনা কৃষ্ণগী নাম কাওগহুসি, অদু তদা অমম্বা সংসার লানগদবনি। শিক্ষা গুরুগী পাদপদ্ম কোম্ভ-দুনা, মনিপুরগী প্রসঙ্গ অসি ননাই গুনেন্দ্রনা লেংজৈ॥ (বিজয় পঞ্চালী কৌবা লাইরিকী ওগুরকপা থন্দগী ২ শুবা অধ্যায় লোইজরে।

(পাংগ্রবা তোল্লবা মনিসিং মজিসিং ২ না মৈতৈলোন্দা হন্দোকচে অরানবা পুম্নমক ভাকপিয়ু)॥

* জয়জয় গৌর নিত্যাই পতিত পাবন।
তুমা দুই কৃপাতেই করিল পাবন ॥
বাহু তুলি হরিবোলি ছনয়ানে জলে।
জগতে সিঞ্চিয়'ভাসে কৃষ্ণপ্রেম জলে ॥১॥
যচন চণ্ডাল আদি যাচিয়া যাচিয়া।
লও লও হরিনামে বিনামুল্যে দিয়া ॥
হরি শব্দে রাধাকৃষ্ণ যুগল জানহ।
হেননামে অনালস বোলই বোলহ ॥২॥
এই বোলিজগৎজীব করিলু করুনা।
তেমন দিনের হৃদি স্ফুরুক করুনা ॥
তৃতীয় সীমারের কথা শুন শ্রোত'গণ।
এসিমাতে মারজিত রাজের শাসন ॥৩॥
আর রত্ন যুদ্ধ কথা ক্রমেতে কহিয়ে।
এযুদ্ধেতে মণিপুর দেশভগ্ন হয়ে ॥
শুনহ রসজ্ঞগন দোষ নাহি কর।
অশুদ্ধ যদ্যপি সাধু হৃদি ক্ষেমাকব ॥৪॥
মুর্খের বচনকভু নাহিক শোধন।
হেন জানি বৈষ্ণব গণ নাকর দোষন ॥
শর র ম মুনিচন্দ্র শাকের প্রমান।
চৈত্রমাস সপ্তদশ যেই বুধ দিনে ॥৫॥
চতুঃ ত্রিংশবর্ষ পূর্ণে সেইত সময়ে।
মারজিত মণিপুর রাজ্যাসন পায়ে ॥
পরে বর্ষে বৈশাখের ত্রয়দশীদিনে।
সেই দিনে যবিষ্ঠেব বসিলে আসনে ॥৬॥
তার পরে কত'দনে এক কথা হৈলা।
একদিনে গম্ভিরসিংহ বাজেপ্রণ মিলা ॥
তারে দেখি নরপতি রাড'ভমুখ হৈয়া।
কোপদৃষ্ঠে কোনতুমি কহে ক্রোধ হৈয়া ॥৭॥
তবে পাত্র তোব ভাই গম্ভীরসিং বোলয়ে।
তাশুনি মারজিং রাজা কিছুনা বোলয়ে ॥
তথা হৈতে গৃহান্তরে প্রবেশ করিলা।
সভাতে গম্ভীরসিংহ লজ্জান্বিত হৈলা ॥৮॥

(অহুমশুবা অধ্যায় হৌরে)। ১। তোল্লববু ভাকপিবা গৌরনিত্যাই ২ গী পাদদা খুরমজে। ইবুংঙো ২ গী কৃপানা কল্লি জীববু সেংবী পাম্বোম রাংনা থাঙ্গংতুনা হরি ধ্বনি লাওরগা মিৎতগী পীনা কৃষ্ণ প্রেম ওইহনা ॥ ২ ॥ যবন চন্দালনচিংবদা, হাইজ য়োঞ্জহনা হরিনামু মমন য়াওদনা পিনৈ ॥ হরি হাইরা শব্দনা রাধা গোবিন্দবু হাইবনি অহুম্বা হরি নামু অতম্বা লৈতনা শোনসি ॥৩॥ অসি হায়হনা জগৎ জীববু থৌজানবী অহুম্বা ইবুংঙোনা ননাইগী থম্মোইদা ভাম্বীসম্ম। অহুমশুবা অধ্যায় লেঙ্জরক্তে মারজিংনা লৈপাক সেম্বা প্রসঙ্গ ॥ ৪ ॥ অহুগা অরাগী লাল্লাও, মণিপুর লৈপাক কাইবা য়ারি। তাবিয়ু রসজ্ঞ পুম্নমক দোষ লৌবীগম্ম অরাম্বা পুম্নমক অসেংবা ওইনা লৌবিয়ু রসজ্ঞ ॥ ৫ ॥ য়াম্না অপংবনা পামজহনা লেংবনি হায়হনা দোষ লৌবীগম্ম ॥ শোক ১৭৩৫ গী লমতা থাগী ১৭ নি পাম্বা য়ুমশকৈশা হুমিৎ ॥ ৬ ॥ চহিনা ৩৪ শুবদা মারজিংনা মনিপুরদা নিংথৌ ওই। অহুগী ওল্লকপা সজিবু থাগী ১৩ নি পাম্বদা কম্বাল তোংভি মীংনা নোংপোক রাইরংপাম-হৈবা কৌই ॥ ৭ ॥ অহুদগী মুনিৎ কয়ানি লৈরবা তুংদা মচাইবুংঙো গম্ভিরসিংনা নিংথৌবু খুবম্মি, মাবু উবদা মারজিং নিংথৌ মাইথোং খেগুম ভাংহনা অশাওবা মিয়েংনা য়েংলগা অশাওবা খোঞ্জেল্লা কনানো হংভি ॥ ৮ ॥ অহু তাবদা মনাইশিংনা মনাও ইবুংঙো গম্ভিরসিংনি হঙ্গংলি নিংথৌ হোই মাই হাঈরমদনা সঙ্গাইদা লেংসিনখ্রে। সভা ময়াইদা ইকাই মুংশি য়াল্লহনা লৈহৌরে ॥ ৯ ॥

ঘরে আসি জেষ্ঠ ভাই দাউজিতে বোলে।
সুনজেষ্ঠ রাজানতে বড়লজ্যা হৈলে ॥
মোর দেখি কোপদৃষ্টে রাজভা মুখ চাহে।
অতএব মোরমনে পরদেশ চাহে ॥৯॥
জেষ্ঠ ভাই কিবা মনে আমার বোলহ।
দাউজি কহয়ে ভাল যেই তুমি চাহ ॥
তুমি যেই বাঞ্ছা সেই আমার বাঞ্ছই
আম্রা দুই দেশছাড়ি পরদেশ যাই ॥১০॥
কারে কিছুনা বোলই দিন চায়া চলে।
এইমতে কাচারেতে দুইজন গেলো ॥
তবে রাজ সর্ব্বজনে আজ্ঞা আদেশিলা।
পাত্র মিত্র সর্ব্বজন পুরেতে রহিলা ॥১১॥
নামে অশ্বরোহী গৃহে পাত্র পুত্র রৈলা।
এই মতে সর্ব্বজনে পুরেতে রহিলা ॥
পুর বান্ধে গড় খাই বড়ই খুদিলা।
তবে রাজা পুরস্থানে সোভিয়া সাজিলা ॥১২॥

তবে রত্ন রাজা পত্র আইল রাজ পুরে।
রত্ন রাজ দশা আর কোঠী করিবারে ॥
তবে রাজা অজ্ঞাহৈতে গনক কান্ত গেলা
রত্ন রাজ দশা আরজম্মকে ঠি কৈলা ॥১৩॥
যুবরাজ ইয়েঙ্গেওর দশা কোঠি কৈলা।
তাহা হৈতে মণিপুরে তুরিতে আইলা ॥
তার পরে যেন হয়ে কহিয়ে প্রসঙ্গে।
পূর্ব্বে চৌরজিৎ রনে কচারে চলেভঙ্গে ॥১৪॥
কচারে গোবিন্দচন্দ্র রাজা পাছে গেলা।
তার ঠাই অপমান বহুত হইলা ॥
তাহা স্মরি নরপতি দণ্ড কড মড়ি।
রন যাইতে বিচারিল প্রজাগন ঘেরি ॥১৫॥
অগ্রানের পক্ষ বিংশ বৃহস্পতি দিনে।
মারজিত যাত্রা কৈলা বহুসন্য জনে ॥
কচারে গোবিন্দচন্দ্রে রন যাচি দিলা।
প্রজা সঙ্গে গোবিন্দচন্দ্রে বহুক্রোধ হৈলা ॥১৬॥

অহুদগী গম্ভিরসিং সঙ্গাইদা হল্লকগা ময়াম্বুং দাউজিদা তম্মি। য়াম্বুং ইবুংঙো ঙসি নিংথৌ খুরম্বব ওম্বোক্লা ইকাইরকখ্রে॥ ঐবু উরগা মিংয়েং থানা য়েংডি, অহুগা সঙ্গাইদা লেংশিনখি ঐ মণিপুর থারগে॥ ১০॥ য়াম্বুগী স্না নোংদম তাকপিয়ু। দাওজিনা ইনাওনা নিংডিবহু য়াম্না কর্ব্বন, ইয়াম্বসু পাম্মি অহুনা কছারদা ঐথোই অনি চংলস॥ ১১॥ অসি হাইনদ্ধুনা দুমিং অকবা য়েংলগা কনা অমগা তানদনা খংহন্দনা কছারদা অনিমক লেংসিনখ্রে। অসোমদা মারজিং নিংথৌ ময়াম্বুংনা পালম্বা কোম্বুং অহু নৌনা সেম্বা সেংবা লোইরবদা মনাই মশন পুহনা পাত্র মন্ত্রিগা লোইননা কোম্বুংলেন্দা লেংসিনখ্রে॥ ১২॥ অহানবদা (অশ্বরোহী) শগোনবন্দা লৈরম্বদগী কংলাদা লেংসিনবনি। অহুগী তুংদা কোম্বুংগী মপান্দ থাঙ্গপাং তৌহুনা সেম্মি হাম্নদগী ফজনা কোম্বুংসেম্মে॥ ১৩॥ মতম খরগী তুংদা অৱা কোম্বুংদগী চিঠী অমা থুংডরে মরোন্দি অৱা নিংথৌগী কুঠী সেম্নগা ইরগা দশা য়েংবিরো হাইজরকই। মারজিং নিংথৌনা গনকান্ত কোবা পাঞ্জি থাদুনা অৱা নিংথৌগী কুঠী ইরগাদশা য়েংলে॥ ১৪॥ ইয়েং যুবরাজসু কুঠী ইরগা দশা য়েংলে, চুম্মি হাইহুনা য়াম্না থাগত্তুনা দক্ষিনা চাওনা পিরক্কুনা মনিপুরদা থুংডরে, ময়াম হরাওনরে॥ অহুগী তুংদা প্রসঙ্গ অমা লেংজরকে, মমাংদৌদা মারজিংনা লান কাইহুনা॥ ১৫॥ কছার দেশকী গোবিন্দচন্দ্রগীদা চংলুবদা খিনা হাইহুনা তাম্বোরকপা শগোল মুলহৌবা, রারী অসি প্রজাদা লিরগা থা চিকই অহু তাবদা প্রজানা থুংডাইনদহুনা লাল তৌসি হজংতুনা লেপ্পরে॥ ১৬॥ অহুদগী হিয়াঙ্গৈ থাগী ২৫ নি পানবা শগোলশেন্দা মারজিং লাল যাত্রা তৌরে॥ কাছারগী গোবিন্দচন্দ্র নিংথৌদা লালগী পাও পি, তাবদা শাওহুনা তেজোল সেম্মি॥

কচার মণিপুর দ্বই মহা যুদ্ধ কৈলা।
অস্ত্রে অস্ত্রে মুখা মুখি ঘোর যুদ্ধ কৈলা ॥
দৈব ক্রমে কচারের হৈল পরাজয়।
না সহি গোবিন্দচন্দ্র অন্যত্র পালায় ॥১৭॥
রক্ষ্ম রামাদি পাত্র শত সন্যধরে।
মণিপুর রূপচন্দ্র নৈরিখো দ্বইমরে ॥
এই আদি অল্পজন তাহাতে মরিলা।
তুৎপাহুলি নামে পুরেখাল খোদাইলা ॥১৮॥
ইষ্টকা নিম্মিয়া রন জিত চিহ্নন থৈলা।
পৌষ চতুর্ব্বিংশে শুক্রে মণিপুরে গেলা ॥
খগেন্দ্রবাজার কালে কচার চিহ্নন থৈলা।
সেই খালে পুনরপি মাটিছর্ন কৈলা ॥১৯॥
খালের প্রসঙ্গে ক্রমে কহিব এথায়।
পুর্ব্বেতে খগেন্দ্র হৈতে.সেই খাল রয় ॥
শুন্য দুই পঞ্চ এক শকের প্রমানে।
সেকালে খগেন্দ্রসিংহ এরাজ্য শাশনে ॥২০॥
রাজপ্রিয় থাংই নামে পাত্র যে আছিল।
তারে রাজা আজ্ঞাদিল গজবিক্রীচল ॥
রাজাজ্ঞায়ে কচারেতে সেপাত্র চলিলা।
নারায়ন রাজাকে চিত্র অশ্ব নিলা ॥২১॥
শুন রাজা পঞ্চরত্ন অশ্ব এই লও।
অশ্ব প্রতিনিধি গজ মোরাজা দিলাও ॥
রাজা কহে গজ দেখ থাই নদী তিরে।
থাংই দেখে মনে প্রীতি রাজবল্লভেরে ॥২২॥
গজে আনি খগেন্দ্রসিংহ সেগজ দিলা।
গজদেখি রাজা মনে আনন্দ হইলা ॥
পরে রাজা সেই অশ্ব সামন্য জানিলা।
সেক্রোধে কচার রাজা যুদ্ধ সাজাইলা ॥২৩॥
পাঁচ দুই পঞ্চ এক বামা বর্ত্ত শকে।
য়াথ সেনাপতি এল মহাসৈন্য ঝাকে ॥
সেযুদ্ধ মণিপুর পরাজয় হৈলা।
রন জয়ে ইষ্টকা খাল পুরেতে খুদিলা ॥২৪॥

॥১৭॥ মণিপুর কছার অনিসি অকনবা লাল পানরে, মাই ওন্নদে অসুম্না সুমিং কয়ানি পানবদা ঈশ্বরগী নোংদম্না মনিপুরনা জয় ওইদুনা, কছার নিংথৌ কোমুং থাদুনা চেনখ্রে ॥ ১৮ ॥ রক্ষ কৌবা, র'মা কৌবানচিংবা লাম্মি ১০০ ফারে। মণিপুরগী রূপচন্দ্র হাজারি। নৈরিখ মেজরবগা লোইন্না তেংঙাল কয়াসু শিরে। লাল লোইরবদা, তুৎপাহুলি কৌবা কোমুং ময়'দা খোংবান তৌদুনা লাল ভম্বগী খুদম থমম্মী। অদুদগী হল্লকুনা পোইসু থাগী ২৪ নি পানবা ইবাইদা মণিপুরদা থুংডরে। অদুগা থাগেম্বা নিংথৌ হাক্তক্তা কাছারনা লাল ভম্বগী খুদম খোঙবান তৌদুনা থনম্বা অদু ফুনজিল্লে ॥ ২০ ॥ মাগী প্রসঙ্গ মতাং অগিদা থরদং লেংজগে খাগেম্বা নিংথৌ হাক্তক্তা কাছারনা তৌরম্বা খোংবাম্নি ॥ শোক ১৫২০ শুবদা খাগেম্বনা পল্লিরৈভদা ॥ ২১ ॥ নিংথৌ খাগেম্বগী মনাই অচাম্বা থাংই কৌবা মেঙ্গোরদা সামু লৈরু য়াথং পিরে স্নায়াথং পুদুনা থাংই মেঙ্গোরনা, কছ'রদা চৎলগা, নিংথৌদা শগোল অরাংবা অমা পিরে ॥ ২২ ॥ অদুগা হঙ্গংলি, হে মহারাজ, শগোল অসি পঞ্চরত্নম্নি, রোতোন ৫না তিম্বনি অদুনা শগোল অসি লৌরো মাগী মমন্দি শামু অমা ১ পিয়ু হাইরুরে। কাছার নিংথৌনা করে অদুদি গাই তুরেন মপান্দা সামু লৈবনি অপাম্বা ১ পুখো হাইদুনা মনাইগা লোইননা থারক্লে, থাংই মেঙ্গরনা খাইদগী থোইবা বল্লভ কৌবা শামু অদু পুবগা খাগেম্বা নিংথৌদা কৎলরে ॥ ২৩ ॥ স্না মিৎয়েং তাবদা নিংথৌ য়াম্না হরাওরে, নুংঙাইরে। অশোমদা কাছার নিংথৌ, শগোল অদু পঞ্চরত্ন নত্তে অরাংবনি অচম্বনি থল্লকদুনা, শাওবদগী মণিপুরদা লাল তৌনবা থৌরাংদুনা ॥২৪॥ শোক ১৫২৫ দা য়াথ সেনাপতিনা তেঙ্গোল পুদুনা মণিপুরদা লান্দারক্লে অদুগী লাল অদু

য়াথ সঙ্গে খগেন্দ্র রাজা তাহাদিব্য কৈলা।
পুনঃ যুদ্ধ নাকরিব হেন দীব্য কৈলা॥
জয় চিহেন কচারেতে য়াথঃ পুণঃ গেলা।
এথা মণিপুরে নৌকা জয়বঙ্গ কৈলা॥২৫॥
রাজার কনিষ্ট ভাই শান নাম হৈলা।
তার নৌকা ভাঙ্গে দেখি কনিষ্ট ক্রোধ হৈলা॥
সে হেতু রাজার সঙ্গে বৈরতা হইল।
তস্য ত ভগিনী স্থানে কচারেতে গেল॥২৬॥
তাহার ভগিনী এথা কচারে রাজ দিলা।
যেহেতু কচার রাজা তার পক্ষ হৈলা॥
সন্য সাজি কচার হৈতে শান যুদ্ধে গেলা।
পুর ভাঙ্গি য়াঙ্গদিগে সেবার্ত্তা আইলা॥২৭॥
পূর্ব্বে দীব্য ভাঙ্গি আইলা এ ক্রোধ রাজনে।
ভাল বোলি খগেন্দ্র রাজা সাজে সৈন্য সনে॥
বিষ্ণুপুরে আসিরাজা মহাযুদ্ধ কৈলা।
সেযুদ্ধ কচার সন্য পরাজয় হৈলা॥২৮॥

শান নামে রাজা ভাই সেযুদ্ধে মরিলা।
কচারের অস্ত্র আর সন্যেকে ধরিলা॥
সাত দুই পাচএক শকে যেই কালে।
এমতে সকল সন্য রাজধরে বলে॥২৯॥
শতেক বন্দুক আর ত্রিংশ গজ লয়ে।
কাংশারী লৌহারী ঢুল সিঙ্গা যাউতয়ে॥
প্রত্যেক খগেন্দ্র রাজা এসনা ধরিলা।
হিন্দু শুদ্র মুসল্মান দ্বিজাতি ধরিলা॥৩০॥
হিন্দু শুদ্র কালি সাকে বিষ্ণুপুরে স্থানে।
বিষ্ণুপুর বাসহেতু বিষ্ণুবিয়া খ্যানে॥
পূর্ব্বে শাক্ত রাজ অজ্ঞা হিন্দু ধর্ম্ম চলে।
তিনমাস রহিরাজা এই ধর্ম্ম চলে॥৩১॥
মুসলমান বঙ্গলা লিলোঙতেতে স্থানে।
অধুনাতে ভাষামতে পাঙল অখ্যান॥
তাহাতেই আসি রাজা পুরেতে রহিলা।
এমতে খগেন্দ্র কালে সেখাল রহিলা॥৩২॥

মণিপুরনা মাইথিহনা কাছারদা হাইজরে, কাছারনা লাল ভহগী খুদম খোংবান তৌই, চেক্লা ফুরা শারম্মী॥ ২৫॥ অহুগী তুংদা য়াথ সেনাপতিগা মতুংদা লাল পানগনুসি হাইনহনা র'শক্লরে অহুগা লাল ভহগী চিহু খুদম থনমগা হনখ্রে। অহুগী তুংদা চহি কয়াগী তুংদা হিয়াং তান্নে॥ মাগী প্রসঙ্গদি, মোংয়াম্বা দেবরাজনা মচাইবুংগো ৩ পোকই। মহারাণী ১ না সানৌচন থাগেম্বা নিংথৌনে, শানৌ য়াইমানে, অনি পোকই। মাহারাণী ১ না শানৌ তোম্বগা মচল ১গা পোকই মচল অসি কছার নিংথৌদা থাজখি॥ অমুম্বা শানৌতোম্বা অসিবু নিংথৌনা হিয়াং তোংউ হাইরগা মমৈদদি শানৌ য়াইমনা তোংবা তাখ্রে॥ ২৬॥ অহুদা শানৌ য়াইমগী হি লৈতহনা, শানৌ তোম্বদগী হী য়াইথনা তাম্বদা লাইগী নোংদম থিহনা হী অহু কাইরে। অহুদা শানৌ তোম্বনা হিয়াং তোংহন্দবগী শাওবনা হি অহু মচুং পিগে য়াদে, সেন পিগে য়াদে, ঐগী হি অহু হায়গীগুম কাইহন্দনা পিয়ু হাইরে॥ অহুগী চক্রিদা নিংথৌগা লুংডাইনদহনা মচনগী নাক কাছারদা চংখি॥ ২৭॥ কাছার নিংথৌনা মচবু মহারাণী ওইবগী মরম্না মাগী মিচং ওইহনা, তেঙ্গোল পিহনা শানৌতোন মনিপুরদা লাল্লাক্লে কাছার তেঙ্গোলনা কোমুং থুগাইগনি লাকপনা য়াঙ্গোই তুরেন খোংবান য়োরক্লে হায়বা পাও তারে॥ ২৮॥ মাংদা লান পানগনুসি হায়নবা রাশক কাইহনা লাল লাকই হায়বা পাও অসি তাবদা খাগেম্বা নিংথৌনা লম্মাংদোংদা ওক্লনা লাল পানৈ মণিপুরনা জয় ওইরে॥২৯॥ শানৌতোন শিরে মাগী তেঙ্গোল ফারে খুংলায় মুল্লে। শোক ১৫২৭ শুবদা থেনেবা লাজনি। লাম্মি কাহৌরে॥ ৩০॥ নোংমৈ ১০০ সামু ৩০ কংশি য়োৎকী থাং ঢুল পুংজাও, শিঙ্গা কৌবা য়ম্

কচার বিজয়ী রাজা মারজিত আইলা।
প্রপিতা মহের কালে সেখাল রোধিলা ॥
সে হৈতে কচার জয়া রাজা নামে হৈলা।
এমতে মারজিৎ রাজা রজ্যসাস কৈলা ॥৩৩॥
অতপরে হৈলা কথা শুন শ্রোতাগণ।
মারজিত নরপতি আনন্দিত মন ॥
রাজার প্রসাদ ভূমি রোপি উচ্চতর।
রোপি রোপি তিনধনু মানে উচ্চতর ॥৩৪॥
উপরেক বাটা ছন্ন উপরে স্বর্নরঙ্গ।
কংলা যবিষ্টের গৃহে এইমতে রঙ্গ ॥
এই মতে সাত বষ রাজ্য পাল কৈল।
পুবে বন্ধে গড় খাই গম্ভির খোদিল ॥৩৫॥
প্রসাদ বেষ্টন কৈল ইষ্টকাব গড়।
উর্দ্ধে নয়হস্তে উচ্চ বড় দৃঢ় গড় ॥
হর্রিন প্রস্তুত দেখে সেই রাজা গৃহে।
এই হেতু বৃক্ষ সব কাটিলেক তাহে ॥৩৬॥

পুরমধ্যে বহে নদী বিজয়া বান্ধিয়া।
কোংবা নাম নদী দিগেপ্রনালী বহে যায়া ॥
রাজ্য শাসে সপ্তবর্ষে আইলা রত্ন হুতে।
সেই কথা ক্রমে ক্রমে কহিব পরেতে ॥৩৭॥
রাজভাই ইয়েঙ নামে যুবরাজ সেই।
রাজ রাণী জার পতি মউ মন্ত্রি সেই ॥
ধাবিবারে চিবদিনে এইচ্ছা হইলা।
নাপারিয়া যুবরাজ মনে ক্রোধ হৈলা ॥৩৮॥
স্ব সন্য সাজিয়া সেই ঐরাবতী পারে।
আন কন্যা নামপুরে আইলা নদী পারে ॥
রাত্রে আসি সেই স্থানে সন্য গড় কৈলা।
সেই দিগে জন সব স্বসন্য মিললা ॥৩৯॥
শুনি রাজা নিজ পাত্রে কবিলা প্রেষনে।
আস্যভাই রাজা হও আমি সন্য স্থানে ॥
দেব ভক্তি বৃদ্ধ হৈলে এ আশা করিলা।
পাত্র কথা যুবরাজ কহে না মানিলা ॥৪০॥

ফাবে, লৌহৌরে ॥ অহিংবা তেঙ্গোল লোইনা কারে, হিন্দু, সুদ্র, মুসল্মাল, বামোন, কল্মামরুম কারে ॥ ৩১ ॥ সুদ্র কালিসাবু মণিপুরনা বিষ্ণুপ্রিয়া কৌই, মখোইবু লম্মাংদোংদা লৈহল্লি মরম অহুদগী বিষ্ণুপুর কৌই। মখোইশিং অসি অহাম্বদা শাক্ত ধর্ম্ম চংলম্মী। নিংথৌনা হিন্দু ধর্ম্ম চংতবা য়াদে হাইহুনা থা ৩ শুবদা বিষ্ণুপ্রিয়াশিংবু হিন্দু ধর্ম্ম চংহল্লে ॥ ৩২ ॥ মুসম্মানশিংবুনা লিলোংদা লৈহল্লে, মখোইবু মণিপুর পাঙন কৌই। অশুম্না থাগেম্বনা নিংথৌ ওই অহুম্নদি ওইরগা ফুরা থুগাইবা খোং কুম্বদি ওম্মমত্রে ॥ ৩৩ ॥ মাবজিং নিংথৌনা কাছাব জয় লৌরুরবা তুংদা খোং ফুল্লে ফুরা থুগাইরে। মরম অহুদগী নিংথৌবু মারজিং ময়াংওম্বা কৌই। অমুম্না মণিপুরদা পাল্লে ॥৩৪॥ তাবিষু শ্রোতা খিবিক মথাগী প্রসঙ্গ লেংজরককে। মারজিৎ নিংথৌনা স্না পুরিং মুংভাইরহুনা নিংথৌগী সঙ্গাই, মুন্দম অসি লিরুং ৩ গী প্রামান রাংনা থোনশংলে ॥ ৩৫ ॥ অহুগা উপাক মথক্তা স্নানা কাম তৌহুনা থাম্নগা কংলাগী যুম পাখংবগী সঙ্গাই, স্নাতোপ্পা উপাক অহুনা কুপ্রে অশুম্না মুংভাইনা মারজিং চহি ৭ নিংথৌ ওইরে, থাঙ্গপাৎ পাক্লা লুনা তৌরে ॥ ৩৬ ॥ অহুগী তুংদা চেকপন অকোইবা অহু চেক্লা খুহুপ ৯ রাংনা গৌর সেম্লে অহুদগী সণ্ডাইথেন্দগী য়েংবদা কোম্নুং উনবা অরাংবা উ ককৃথত্নুনা কোম্নুংবু উহল্লে ॥ ৩৭ ॥ ইম্ফাল তুরেন থর থিংলগা, খোংবাল অমা তৌহুনা কোংবা তুরেন্দা চেলহল্লি। অশুম্না চহি ৭ পাল্লবদা অরাদগী দ্বৎ লাকই, মাগী প্রসঙ্গ লেংজরক্কে ॥ ৩৮॥ অরা কোম্নুংদা ইয়েং যুবরাজনা, মাহারাণীগা, মউমন্ত্রিগা ফাগে হোৎনবদা নোংম-নোংমা হৌখিহুনা মতম শাংখ্রে শাওহুনা লাল পাগে নিংলহুনা ॥ ৩৯ ॥ তেঙ্গোল শেমহুনা, ঐরাবতী তুরেন

তাশুনি গেপাত্র আসি রাজারে কহিলা।
এইমত্তে ইয়েঙ বীর সন্য গড় রৈলা ॥
পুর্ব্বেতে নিশ্চয় কথা মনেতে স্মরিল।
মণিপুরে দশ জনে শীঘ্রে পাঠাইল ॥৪১॥
রাত্রি দিবা নাহি চায়া আইলা রাজ পুরে।
দ্বারিলয়া রাজা আগে নতি করজুরে ॥
রত্ন যুবরাজ পত্রে দিল রাজ আগে।
রাজ অজ্ঞা সেই পত্রে পঢ়াইল আগে ॥৪২॥
শুনি রাজা রত্ন হতে রহিলা অন্যস্থানে।
পাত্র মিত্র মারজিত বিচারে সভাসনে ॥
মহারাজ কহে রত্নে বিবাদ হইলা।
আমি ইয়েঙের সনে পুর্ব্বে দীব্য কৈলা ॥৪৩॥
তস্মাৎ যুদ্ধে নাযাইলে অপকীর্ত্তি হৈলা।
সন্যসঙ্গে যুবরাজ আলকম্যা গেলা ॥
এই হেতু তুমা কিবা করয়ে চিন্তনে।
পাত্র কহে মহারাজ কর সাবধান ॥৪৪॥

শাস্ত্রের বিচার নৃপ এখনে কহিবে।
বস্ত্র সহ রাজ্য পালি প্রজা সম্মতিলবে।
এই মতে সাস্ত্র বানী রাজ্য ত্যাগনহে।
রাজা ইচ্ছা কিবা চিত্তে বিচার যোগানহে
রাজা কহে প্রজা ইচ্ছা আমার ইচ্ছা হয়ে।
কিন্তু এই রত্ন দ্বতে কাপত্যে করিয়ে ॥
এই বোলি আর দিনে দুতেরে ডাকিলা।
শুন দ্বত সবজানি মিত্রসে বোলিলা ॥৪৬॥
তোম্র'চল আমি পাছে অবশ্য আসিবে।
পঞ্চদিনান্তরে আমি সন্যসহ যাবে ॥
এবোলি বিদায় রাজা ভক্ষ দ্রব্য দিয়া।
মণিপুরে দশজন রত্ন পুরে গিয়া ॥৪৭॥
সনা মধ্যে যুবরাজে সেসব কহিলা।
শুনি ইয়েঙ যুবরাজ বিশ্বাসে রহিলা ॥
যুদ্ধারম্ভে মারজিতে আপেক্ষা রহিলা।
এইমতে পঞ্চদিনে পথ চায়া রৈলা ॥৪৮॥

লান্দুনা, আলকম্যা কৌবদা তেঙ্গোলবু অহিংদা পুন্থনা গোর শাহনা লৈরে, অহু তাবদা অরাগী লৈহৌবা তেঙ্গোলশু যুবরাজগী নাক্তা লাকুনা পৈররে ॥ ৪০ ॥ পাও তাবদা ময়াম্বা নিংথৌনা মনাই থারকুনা হাইহল্লে ॥ যুবরাজ ইবুংঙো নয়াম্বু'গী য়াথং'নি ইয়াম্বদি অহল ওইরে, লাই নিংথ্রগে, ইনাওনা ঐগী তেঙ্গোলগা লোইননা নিংথৌ ওইররো তাক্লকই। যুবরাজনা য়াখিদে ॥ ৪১ ॥ পাও অসি হল্লকুনা ময়াম্বুংদা তমখি। যুবরাজ গোর শাহনা লৈখি। মতম অহুদা মণিপূরদা মারজিৎকী রা নিংশিংভকুনা মনাই মুপা ১০ চিঠীগা লোইননা থ'রক্লে ॥ ৪২ ॥ অহিং মুংথিল নাইদনা লাকুনা থুংভরে, থোংশংবনা পূসিল্লকুনা মা নাক্তা য়োররক্লে অহুগা নিংথৌ থুরংমহুনা চিঠী পত্র কংলে, অরা মরোন থংবনা চিঠী পারে ॥ ৪৩ ॥ মরোন তাবদা, নিংথৌনা লুনা তৌহনা অরা ১০ সি অতোপ্পা মকমদা থমখ্রে ॥ অহুগা পাত্র মন্ত্রিগা দরবার রা তাম্লে। মারজিৎনা হাই ঐনা মণিপূরদা নিংথৌ ওইরবা অসি মাগী মপান্দগীনি, মাগী লাল পাঙ্গনি, রাশক্লম্মি ॥ ৪৪ ॥ মরম অসি লৈনবনা লাল পাংভ হাইরবনি চৎত্রবদি অথিবা মিংচৎ কংগনি। ইয়েং যুবরাজ লালগী যাত্রা তৌহনা আল-কাম্যাপূরদা লৈরে হায়রি। মরম অসিনা অরাদা লাল পাংবা চৎকম থোকই প্রজানা করি হাইবগে, অহু তাবদা পাত্র মন্ত্রিনা হঙ্গংলি মাহারাজ ইবুংঙো মা বুদ্ধি তৌখিয়ু ॥ ৪৫ ॥ শাস্ত্রগী যুক্তি হঙ্গৎচগে যোতোম্না রোতন ফংবনি অহুগা প্রজাগা নিংথৌগা পূকচেন তিমগদবনি মতম অসিদা নিংথৌনা কোমুং থাবা চুমদে। মা পূক্লিং থখিয়ু। লালগী রাথল তৌবিগনু ॥ ৪৬ ॥ মারজিৎ নিংথৌনা প্রজানা লাল পাংবা চৎপদা য়ানিংত্রবনিনা ঐনা ভমত্রে অহুনদি অরা হুৎ অসি মিনমহুনা থাখ্রো মাথং

এথা মণিপুর রাজা পাছরি রহিলা।
কচার বিজয় হেতু মহামদে হৈলা॥
অকৃতজ্ঞ দোষ এই মনে নাভাবিল।
রাজ্য সম্পৎ প্রজাসনে সুখেতে ভুঞ্জিলা॥৪৯॥
খুরাই ওয়াংখে আদি চারি বর্গজন।
আর চারি পানা জনে রাজারে সেবন॥
এই মতে মণিপুরে কচার জয় রাজা।
ধনধান্য পূর্ণ হৈল সব রাজ প্রজা॥৫০॥
এথা রত্ন যুবরাজ আপেক্ষা রহিলা।
মনোদ্বেগে পঞ্চদশ দিবশ বাহিলা॥
মণিপুর রাজা প্রতি কিছু ক্রোধ কৈলা।
আরদিনে সন্য সঙ্গে যুদ্ধ আরম্ভিলা॥৫১॥
যুবরাজ সন্য সঙ্গে পুরে সাঙ্কানিলা॥
শুরগনে অগ্র গন্য বন্দুক বাজিলা॥
রাজা সন্য সেনাপতি আর মউ মন্ত্রি।
ইত্যাদিক শুরগন আর বহু মন্ত্রি॥৫২॥
দুই সন্য মুখা মুখি ঘুর যুদ্ধ কৈলা।
মউ মন্ত্রি সম্মুখেতে প্রবেশ করিলা॥
দৈব যোগে রাজা সন্য তৎক্ষনেভাঙ্গিল।
সন্য বেড়ি মউমন্ত্রি তৎকালে ধরিল॥৫৩॥
সেই কালে যুবরাজ খর্ডগ চর্ম্ম লৈয়া।
মউ মন্ত্রি মাথা কাটে ক্রোধান্বিত হৈয়া॥
পুরেতে প্রবেসি ইয়েং রত্ন রাজধরে।
মহারানী ধরিতবে কেশ মুড়া ইরে॥৫৪॥
কণ্ডলি গৃহেতে তারে অক্ষত মারিল।
রাজা প্রতি যুবরাজ পুনঃ রাজ্য দিল।
তবে রাজা নামানিল তুমি রাজা হউ।
শুনি ইয়েং জেষ্ট রাজে নব গৃহে হউ॥৫৫॥

পিরে। অহিং লেপ্লে নোংঙাল্লবদা অরা তুং য়েংদুনা হাইরকই মরূপকী চিঠী পাদুনা মরোল পুন্নমক থংলে॥ ৪৭॥ নখোইনা হান্না চৎলম্মো ঐনা তুংদা শোইদনা লাকনি, ভসিদগী ৫ নি শুবদা যাত্রা তৌরকনি অসি হাইদুনা মখোইগী অচা অথক পিরগা চৎহনম্রে॥ ৪৮॥ মণিপুরদগী অহিং তুংখিল নাইদনা চৎখিদুনা অরা য়েংদুনা, ইয়েং যুবরাজদা পাও তম্পুরে থাজবদগী লাল হৌগদবদা মারজিৎ নিংথৌবু গুমিং ৫ নি ভাইদুনা লম্বী য়েংতুনা লৈখ্রে॥ ৪৯॥ অসোমদা মারজিৎ নিংথৌ করিগু থল্লুদনা লৈখ্রে কাছারগ্গী হরাওবগা মানা ঐবু উপায় তৌরবদি লমল সিংগনি, নিংশিংখিদ্রে শিংদ্রবদি দোষ লৈ হাইবা পুন্নমক রাজ্য ভুক্তা কাওখ্রে॥ ৫০॥ খুরাই য়াংখৈ থাই-য়াইস্কুল পানা ৪ অসিনা রাজ সেবা তৌদুনা অরা অনা লৈতনা চাকহোং ভাহোংদুনা মুংঙাইনা পাল্লে॥৫১॥ অসোমদা ইয়েং যুবরাজ মণিপুর নিংথৌ ভাইদুনা পুক্রিং লাংনা মুমিৎ ১৫ নি ভাইরে॥ অদু কাওবা লাক্লুবদা মণিপুর নিংথৌবু শাওই। অদুদগী নোংঙবগা লালহৌরে॥ ৫২॥ যুবরাজগী তেঙ্গোল কোন্নুং তান্না লাক্লুনা নোংমৈ কাপ্লে অদু উবদা নিংথৌগী তেঙ্গোল মউমন্ত্রিনা চিংবনা লাল পানরে॥ ৫৩॥ তেঙ্গোল অনি মায়োক্লদুনা অকনা লাল থেংনৈ, মউমন্ত্রিনা লালমাং থাক্লুনা চৎবদগী লাইগী নোংদম্না নিংথৌগী তেঙ্গোল কাইরে তেঙ্গোম্না কাইদুনা মউমন্ত্রি ফারে॥ ৫৪॥ মতম অদুদা ইয়েং যুবরাজনা থাং শৎতুনা মন্ত্রিগী মভক কক্লে অমুদগী কোন্নুং চংতুনা নিংথৌ ফারে। লাল লোইরে অদুদগী মাহারাণী ফাদুনা মরু কোকথোক্লে॥৫৫॥ অদুগা (কন্দুলি গৃহেতে) কৈশুমশংদা জেন্দা ফৌ শুনদুনা থমখ্রে। অদুগী তুংদা ওক্ত কি য়েংতুনা খুরম্নগা নিংথৌ ওইবিয়ু হাইজৈ, নিংথৌনা ঐদি অহল ওইরে লাই নিংলগে ইনাও ওইজরো হাইদুনা য়াদ্রে অহনবা যুম শাক্লুনা ময়াম্নুং থমখি॥ ৫৬॥ অচা অথক পুন্নমক নিংথৌগুম সেবা তৌই। অমুদগী ইয়োং যুবরাজ

ভোজ্য পান নিজ সম নিতি নিতি ভুঞ্জে।
রাজা হৈয়া যুবরাজ রাজ্য ভোগ ভুঞ্জে॥
এই মতে ইয়েং রাজা সানন্দে রহিলা।
রত্ন প্রজা পুর্ব্বমতে আনন্দ রহিলা॥৫৬॥
মণিপুর রাজা প্রতি যদি ক্রোধ হয়ে।
তথাপিহ রাজ্য ভোগে কিছু স্থিরহয়॥
ইয়েঙ মহারাজ দুতে পত্র লেখিদিল।
মণিপুর পক্ষ দুতে শীঘ্র পাঠাইল॥৫৭॥
দুত আসি রাজা আগে পত্র সমর্পিল।
সেইপত্র নিজ লোকে রাজ পাঠাইল॥
শুন মিত্র পুর্ব্বসত্য তুমি পাছরিলা।
তথাপিহ মোরভাগ্যে রাজাস্পদ হৈল॥৫৮॥
পুর্ব্বেকান্ত শর্ম্মা মোর দশা গনিদিলে।
পঞ্চবর্ষে রাজা হবে শর্ম্মা বাক্য বোলে।
অবশ্য হইলে তারে দেব বোলিমানে।
অত এব কান্ত আদি পাঠাই ব্রাহ্মনে॥৫৯॥
মিত্র রাজা সঙ্গে শীঘ্র মোদেশে আসিবা।
স্বর্ন রূপ্যদান করি আনন্দ হইবা॥
শুনিরাজা লজ্জামনে সেদিনে রহিলা।
রাজাজ্ঞা ব্রাহ্মন পাচ দুত সঙ্গেদিলা॥৬০॥
পঞ্চানন ভাগবতী কান্ত আদি শনে।
পাচ দুতে এই বিপ্র সহিতে পাঠান॥
রাজা কহে তুম্রা যাও আমি যাব পরে।
এত বোলি ছল করি পাঠালে রত্ন পুরে॥৬১॥
লজ্জার কারনে আর প্রজার নিবারে।
এহুই হেতুতে রাজা নাচলে রত্ন পুরে॥
রত্নরাজে দুই বারে আহ্বানে নাচলে।
এই হেতু রত্ন রাজা পরে ক্রোধ হৈলে॥৬২॥
এথা মণিপুরে দেশে উপদ্রব হেন।
সেসব কথায় ক্রমে শুণ শ্রোতাগন॥
বৈশাখা প্রারম্ভে রবিবার দিনে হয়।
সেদিনে কৌমার দেব বন্দুক বাজায়॥৬৩॥

অরাগী নিংথৌ ওইরদুনা রাজ্য ভুক চাদুনা হাম্রগুম নুংঙাইনা পাল্লে॥ ৫৭॥ অদু ক'ওবদা মণিপুরগী পাও তাদদুনা শাওই অদুবু রাজ্য ভুক্লা মনিং থংদুনা য়াম্না শাওদে। অদুদগী তুংদা ইয়েং নিংথৌনা চিঠী ১ ইরগা মনাই মঙাদা পিদুন। মণিপুর নিংথৌদা কংলু থারকই॥৫৮॥ দ্বং লাক্লুনা মনিপুর য়ৌরক্লুনা স্নাখুত্রা কৎলরে, নিংথৌনা পাহল্লি। মরোল্দি মরুপ মাংগী রাশক কাওখ্রে অদুবু এগী ইরায়বক্লা লাল ওমদুনা নিংবা থংলে॥ ৫৯॥ মমাংডৈদা মরূপ্না থারকপা গনকান্ত পাঞ্জিনা দশা য়েংবদা হাইরম্বা চহি মঙা লৈরগা নিংথৌ ওইগনি তাক্লম্বা ব্রাহ্মণগী রাহু চুম্মি, ইকাই কাইদনা নিংথৌ ওইরে অদুনা পাঞ্জি অদুগা লোইননা॥৬০॥ মরুপ নিংথৌগা এগী কোমুংদা লেংবিরকউ, ঐনা ওমজবা স্না লুপানচিংবা দান তৌজগে, চিঠী মরোন অদু তাবদা মারজিৎ নিংথৌ ইকাই নুংশি য়াম্নদুনা লৈখ্রে। মুমিৎ অদু লৈরগা নোংঙাল্লবদা নিংথৌনা, অরা ৫ দা য়াথং পি নথোয়গা পাঞ্জিগা চংলম্লো॥ ৬১॥ গুরুমযুম পঞ্চাননা শর্ম্মাগা অরিবম ভাগবতী শর্ম্মাগা গনকান্ত ব্রাহ্মণ পাঞ্জিগা মনাঙ্গী কয়াগা লোয়ননা অরা দুৎ ৫ গা চৎলো শ্লায়াথং পিরে। থৌরাং তৌরগা যাত্রা তৌরে। অরা ৫ দা হাইরকই, নথোইগী তুংদা ঐনা শোইদনা লাকনি, হাইদুনা ময়া তৌদুনা থাখ্রে॥৬২॥ মারজিৎ নিংথৌ ইকায়বগা প্রজানা য়াদবগা, ওইদুনা অরাদা অদুম লোংসিনদ্রে। অরা নিংথৌনা ২ রক কৌবদা, থৌওয়দদুদা লৈখ্রবদা, অরা নিংথৌ মণিপুর লোগে থৌরাংখ্রে॥৬৩॥ অসোমদা মণিপুরদা উপদ্রপ অমঙ্গল তৌরকপা লেংজরকে তাবিয়ু শ্রুতা খিবিক॥ সজিবু থাগী নোংমং পানবা নোংমায়জিংদা কৌঞ্র লায়কোন্দা নোংমৈ কাপ্পি॥ ৬৪॥ অদগী কিবনা নিংথৌ

সেই ভয়ে মহারাজ প্রজাগন লৈয়া।
কৌমার দেবতা রঙ্গ বুধগন যায়া ॥
আর চিহ্নু কুজ্ঝাতিকা নররূপ ধরে।
উত্তরেত দণ্ডছত্র হেন মতে ধরে ॥৬৪॥
মণিপুরাক্ষর শাস্ত্র কুজ্ঝাতি কথাতে।
মণিপুর দেশে সব উৎপাত তথাতে ॥
রক্ত ধর কুজ্ঝা যদি নভ উঠি দেখে।
চারি বিন্দু হৈয়া সেইজন লোক দেখে ॥৬৫॥
অন্যদেশে রনআই এমতে জানিবে।
আর উৎপাত ধুমকেতু প্রসঙ্গ কহিবে ॥
রক্ত, কৃষ্ণ, শ্বেত, নীল, এই চারিবর্ন্ন।
অতসী পুষ্প প্রায় নীলরক্ত মিশ্রবর্ন্ন ॥৬৬॥
অল্প রাঙ্গা এইসপ্ত ধুমকেতুনাম।
এমতে কুজ্ঝাটবর্ন্ন নৌকা রূপসম ॥
উদয় দেখিয়ে যদি দেশ নাশ হয়ে।
অবশ্যই দেশ ভ্রংশ কুজ্ঝা সাস্ত্র কয়ে ॥৬৭॥
আর চিহ্নু কুজ্ঝাটি শাস্ত্রে পণ্ডিত বচন।
শুকর কুকুর অশ্ব গরু আদিগন ॥
রজনীতে কান্দি কান্দি পালায়েতংক্ষনে।
অবশ্য সেদেশ ভগ্ন কহয়ে বচন ॥৬৮॥
বুধগন আনি রাজা সদ্বুদ্ধি করিল।
তাহা দেখি প্রজাগন হাহাকার কৈল ॥
কিবা হৈল কিবা হবে দুখঃ চিন্তা হৈল।
এমতে সকলচিহ্নু মণিপুরে হৈল ॥৬৯॥
হেনকালে অমঙ্গল দেখি অপ্রমিত।
ভুমিকম্প উল্কা পাত অতি বিপরিত ॥
আরচিহ্নু দেব অগ্নি দাহন করিল।
সপ্তদিন বহুঘর তারাতে দহিল ॥৭০॥
এইরূপে উৎপাত যে হইল বিস্তর।
তাহাদেখি প্রজাগন দুখিত বিস্তর ॥
এথা রত্ন দেশ পতি ইয়েঙ মহারাজ।
মণিপুর রাজা প্রতি বড় ক্রোধভাজ ॥৭১॥

প্রজা পণ্ডিৎ মাইবী মাইবা চৎতুনা পূজা তৌই। অদুগী তু'দা লালগী লৈচিল থুংণরে, মওংদি নোংথক অসিদা লৈচিন্না মীওইনা থোক্লরে অদুগা মথক্তা দণ্ডশত্র থাল্লি ॥ ৬৫ ॥ মণিপুর ঐথোয়গী পণ্ডিৎসিংনা মৈতৈ ময়েক্তা লেংবা পুরাল লৈচিল্লোন কৌবদা, দেশগী উৎপাৎ হায়বি। অঙাংবা লৈচিন্না নোংথক্তা মরিথোক্তা মরিক মরিক্কানা পোকপা, মী খুদিংনা উনরে ॥ ৬৬ ॥ মাগী ফলদি মীরৈপাক্তগী লাল্লাকপা শোইদ্রে খংনৈ। অদু তৌবে লৈপাক রেংনরে॥ অদুগা ধুমকেতু পোকই মাগী রা লেংজগে অঙাংবা, অমুবা, অঙৌবা, অশংবা রান্দোংথোইবী মপানগুম শংলুনবা নীলরক্ত সংঙাংনবা ॥ ৬৭ ॥ ঙাংঙ্রানবা মচুনে লৈচিন মচু ৭ অসিনা আকাশদা হিশানা থোক্লবদি লৈপাক অদু শোইদনা কাইগনি লৈচিলোন কৌবা লাইরিক্তা লাওরি হাইরি॥ অদুগুম্বা লৈচিল অদু মণিপুরদা থোক্লে ॥ ৬৮ ॥ মথাদা অমুক পণ্ডিৎশিংনা লেংঙি, ওক্তা হুইনা সগোলনা যন্না অহিংদা কপ্লুনা খোংহুনা কোইচেল চেল্লবা লৈপাক অদু শোইদনা কাইগনি, লেংঙি॥ অদু মণিপুরদা তৌরে, থোক্লে ॥ ৬৯ ॥ মারজিং নিংথৌ পণ্ডিৎকা তান্নহুনা ঈশ্বর পূজা তৌই। লৈপাক অপুম্বা হাহাকার লাওনরে। করি থোক্লগবা অমদা কিনবহু মশিং শুরে রানথি ॥ ৭০ ॥ মথাদা অমুক ওমঙ্গল থুংণরে, মুমিৎ পুংকম কৎতবদা যুহারাই সঙ্গাই সেন পাই। নিংথৌ পণ্ডিৎনা পুজা তৌই পুজা তৌনা তৌনা অমঙ্গল হেজিল্লক্লে, লাইগী যুম কয়া মৈনা চাক্লে, মচি মচি খুদিংদা হুমিৎ ৭ নিবু যুম কয়ামরুম চাক্লে ॥ ৭১ ॥ পূজা প্রায়চিৎ তৌনা তৌনা হেজিল্লক্লে উবদা মণিপুর রানথনা ওক্লখ্রে ॥ অসোমদা অন্না লৈপাক্তা ইয়েং নিংথৌ মণিপুরবু শাওখিবদগী ॥ ৭২ ॥ সভা ময়াইদা

সভামধ্যে রক্তমুখে বলেন বচন।
মোরবাক্য সত্যা সত্য বোল পাত্রগন ॥
মিত্র বোলি মারজিতে বিশ্বাস করিল।
হেন হেতু তার প্রতি বহুসৈন্য দিল ॥৭২॥
মোর উপকার হেতু মণিপুর রাজ্য।
দুইবাব আহ্বানিল নাআই মোর রাজ্যে ॥
ভাল ভাল তার প্রতি বোড় ক্রোধ হৈল।
এতবোলি সন্য সাজ নৃপতি বোলিল ॥৭৩॥
পাখাউন কালেউন দুই আহ্বানিল।
তিন লখা সন্য লৈয়া তুমি দুই চল ॥
মণিপুর রাজা মোরে কাপট করিলাঙ।
হেন হেতু তারথাই যোগ্যশাস্তি দিলাঙ ॥৭৪॥
তারদোষ মণিপুর সবনাশ হউক।
জনপদ গ্রামিজন মহাপিড়া হৌউক ॥
পাখাউন কালেউন যে অজ্ঞা বোলিয়া।
তিন লখা সন্যসাজে যথা যোগ্য হৈয়া ॥২৫॥

দশকে দশকে পুরি শতনাম হৈল।
শতসংখ্যা দশহৈলে সহস্র নামহৈল ॥
সহস্রকে দশে পুরে লখা অভিধাম।
মণিপুর ভাষামতে এনাম অখ্যান ॥৭৬॥
শাস্ত্রমোতে এই সংখ্যা অযুত অখ্যান।
অস্ত্রধরি তিনলখা সন্যকে সাজন ॥
অস্ত্রধারিগন আর সেল জাঠিগন।
রামজঙ্গিগন কত বন্দুকাদি গন ॥৭৭॥
দামা, ডাক্কা ত্রিশ ত্রিশ বাদ্য শুরসান।
কাংশ করতালধ্বনি সেস্থান হইল ॥
যুদ্ধা সব সিংহনাদ বাদ্য কুলাহলে।
শঙ্খ ঘণ্টাবাদ্যহৈল সবে কুলাহলে ॥৭৮॥
পৃষ্ঠে তুন হাতে ধনু ধানুকি সকল।
জয়নাদ সিংহনাদ নাশুনি কার বোল ॥
তাসভাবে চাহি রাজা আদেশ করিল।
শুনদুই সেনাপতি যমসম তুল ॥৭৯॥

মিং মাই ঙাংহনা শাওনা হাইরকই। হে অরা প্রজা অচুম অরান হাইযু। মাবু মরূপ্নি হাইহনা থাজরুবদগী মুংশিহনা তেঙ্গোল পিহনা লাল চত্নুনা ॥ ৭১ ॥ মণিপুরদা নিংথৌ ওইহল্লে। অদুগা ঐনা ২ রক কৌবরু থৌওইদহনা লাক্লে, য়াম্না ফরে খল্লুবদা শাওরোই হাইবা ঙমদ্রে, অদুনা তেঙ্গোল সাজোন তৌরো ঐনা পিবা নিংথৌ খুভম তাম্থোক্নি ॥ ৭৪ ॥ অসি হাইরগা পাখাউন কালেউন, সেনাপতি য়েংহনা য়াবং পি নখোয় ২না তেঙ্গোল লখা ৩ পুহনা লাল চংলো মণিপুব নিংথৌনা ঐঙোন্দা মিনম্নগী মতিক চাবা দণ্ডি পিরুরো ॥ ৭৫ ॥ মাগি দোষনা মণিপুর য়েংগুম্নু পাম্বা ঙমদনবা চাইখাইয়ু। নাহা অহন থিগম্নু কাহনা পুরকউ। অদু তাবদা, সেনাপতি ২না থৌনা য়াহনা তেঙ্গোল শেম শাহনা থোরাং লোইরে ॥ ৭৬ ॥ তরা অদু ১০ না চাম্ম কৌই ॥ চাম্মদু ১০ না লিশিং কৌই ॥ লিশিং অদু ১০ না লখা কৌই মশি মণিপুর ঐথোইগী মশিংনি ॥ ॥ ৭৭ ॥ শাস্ত্রগী মোংতা অযুত কৌই। অদুগুম্বা অযুত লখাসি ৩ নি তেঙ্গোল থাং পাইবা, তাপাক পাইবা, জাঠী পাইবা, রামজঙ্গি কৌবা নোংমৈ পাইবা, নোংমৈ জাং কয়ানি ॥ ৭৮ ॥ দামা-তক্কাকৌবা পুং য়ৈবা ৩০ না খুজিংনি কংশি করতাল য়ৈবগী মখোয়ে জয় সিংহনাদগী, মখোয়ে, মোইবুং শরিক্কী মখোয়ে, অসিনা নিনবনা ॥ ঙানবা তাখিদ্রে ॥ ৭৯ ॥ নঙ্গলদা তেন্জোং পোবা খুৎতা লিরুং পায়বা কয়ানি সিংহনাদনা মিনখ্রে। মখোয় পুম্নমক য়েংহনা অরা নিংথৌনা হায়রকই হে পাখাউন কালেউন সেনাপতিনচিংবা অরাগী অথৌবা খিবিক নখোয়সে যমকালগুম্নি ॥৮০॥ হন্দকী লাল অসিদি থরায় পামুনগম্নসি অথৌবসিং নথোয়বু পোকপা গুরুজন হাক্তক হাক্তকগী অথৌবা

এইযুদ্ধে প্রাণপণে কর সর্ব্বজন।
তোমারাও পিতৃ পিতামহ আদিগন॥
সভে এইশুরবন্ত মহাবল ধর।
খড়গ শেল বন্দুকাদি সামর্থবন্ত বড় ॥৮০॥
তার বংশ পুত্রগন তোরা এইজন।
এহেতু বিমুখ নাহি তোমা সর্ব্বজন॥
মণিপুর নরপতি জীবন্তে ধরি আন।
মোরবন্দি শালা ঘরে রাখিবে বন্ধন ॥৮১॥
এতবোলি নরপতি যাত্রা আজ্ঞাদিলা।
শুভক্ষনে যাত্রা কর সন্য চলিগেলা॥
স্বেতরক্ত নীলপীত সববানাগন।
আকাশে উড়য়ে বায়ু অনন্তজিহ্বা যেন ॥৮২॥
সন্য পদধুলি উঠে আকাশ তমময়।
অন্য অন্যে ঠেলা ঠেলি সন্য চলিযায়॥
একপদ আগে নামে দ্বইপদ নামে।
মধ্যে মধ্যে জয়ধ্বনি করে যৌদ্ধ নার্ম ॥৮৩॥

বনপক্ষি উড়িযায় সে ধ্বনি শুনিয়া
এইমতে চলিলেন তামু সন্ধানিয়া॥
তার পরে কতদিনে রাজা চর আইলা।
অন্তস্পুরে আসিচর রাজা প্রনমিলা ॥৮৪॥
শুন নৃপমনি আম্রা দেশ সীমা জন।
রত্নপুর হৈতে সন্য আইল বহুজন॥
আমা পুর্ব্ববাসী সব প্রান উড়িগেল।
তুমাকৃপা বিনে আম্রা রহিতে নারিল ॥৮৫॥
রন কথা শুনিবাজা বাদ্য অজ্ঞাদিল।
দরবার প্রান্তে থাকি ঢোল বাজাইল॥
রনবাদ্য শুনি রাজা আমত্ত্য আইল।
সভা সঙ্গে রনবার্ত্তা তাহা বিচারিল ॥৮৬॥
রাজা কহে ব্রহ্মা সৈন্য অসংখ্যা আইল।
অতএব কিবিচার বোলহ সকল॥
রাজা কথা শুনিপ্রজা সপাত্র কহেন।
শুনরাজা মোরা সব যুদ্ধ প্রাণপণ ॥৮৭॥

ঙাক্তনি থাংতা নোংমৈদা থৌবা ঙাক্তনি ॥৮১॥ অহুগী সাগৈদা পোক্লবা নখোয়নি, অহুনা লান্দা মায়ওন্দুনা চেল্লোয়্রদবনি। মণিপুরগী নিংথৌ মারজিৎ অহু কাহুনা পুরকউ, ঐগী জেল্দা ফাহুনা থমসি ॥৮২॥ অসি হায়রগা যাত্রা তৌরো য়াথং থাবে, অকবা পুংকম য়েংহুনা যাত্রা তৌরে। অঙৌবা অঙাংবা অসংবা মেম্মাম্বা কিয়াম্লা লিন মরৈগুম্না আকাশদা ফজে ॥৮৩॥ তেঙ্গোলগী খোংফমগী উফুলনা পৃম্মমমখ্রে লেংদোনগা লেংদোনগা ঙাননা থেংননা চংলি খোংকাপ থাংঙ্গদবদা লাওনা কানবা য়াদবনা ২ নিরক থংহুনা চংলি, বৌধদেবগী নাম সোন্দুনা জয় সিংহনাদ লাওই ॥৮৪॥ তেঙ্গোলগী নিম্বনা উচেক্লিং লাপ্পা লাপ্পা পাইথি, অসুম লাকপনা মুমিং কয়ানিদা তুমু য়োরক্লে, অরাগী লালগী তেঙ্গোল উবদা মণিপুরগী সিমনাদা থানা কম্বা মীনা মিপাইবগা লোয়ননা কোম্নুংদা লাক্কুনা নিংথোদা খুয়ম্নরে॥৮৫॥ তাবিয়ু মহারাজ ইবুংঙো ননাই ঐথোয় থানা ফম্বনি অরামস্ত্রে কোম্নুংদগী অরা তেঙ্গোল লাম্লাক্কুনা তুমু য়োহোরে ননাই ঐথোয় নোংপোক মাইগৈদা লৈরিবা অসি মাহারাজ ইবুংঙোগি থৌজান নংত্তনদি হিংবা লৈবা ওয়্রোই ॥৮৬॥ লালবাও তাবদা লাম্বুং য়ৈয়ু য়াথং পিহুনা, লাম্বুং য়ৈরে॥ লালগী পুংথোন তাবদা প্রজা পূম্নমক কোম্নুংদা পৈররে, লানগী য়া তাম্নৈ॥৮৭॥ নিংথৌনা মনিপুর অথোবা খিবিক অরাগী লাল লাক্লে করম তৌসিগে য়াথং তাবদা প্রজানা হঙলি তাবিয়ু মহারাজ ইবুংঙো থরাই পাম্নদনা লাল পাগনি ॥৮৮॥ লাল ওয়ে মিংচংনে লম্নীনে ফংগনি শিরে স্বর্গ কাগনি লাইগী

জয় হৈলে লভে লক্ষ্মী মৃতু হৈলে স্বর্গ।
সুরাঙ্গনা গনসেবা থাকি চির স্বর্গ।
সনাতন ধর্ম্ম এই ক্ষেত্রিয় নিয়ম।
যুদ্ধ কাজে আত্মজন নাহয় বিভ্রম ॥৮৮॥
হেন কালে আচম্বিতে ভুমিকম্প হৈল।
তাহা দেখি প্রজাগন নিরানন্দ হৈল॥
পরদিন প্রাতে রাজা ভজনাদি কৈল।
পটধরা পরিধান কটিতে শোভিল ॥৮৯॥
গন সঙ্গে যুদ্ধ যাইতে রাজা অলঙ্কার।
মথাতে মুকুট শোভে সর্পফেনা কয়ে॥
ললাটে তিলক সোভে কর্নের কণ্ডল।
উত্তম কবচ পৈচি অঙ্গেতে ঢাকিল ॥৯০॥
বিলম্ব তেজিয়া রাজা বীর বেশ সাজে।
যতবীর আভরন কৈল রন সাজে॥
নৃপতি আপনে চড়িবার যেই রথ।
সারথি যোগায়া দিল রাজার অগ্রেত ॥৯১॥

রাজার যে অশ্ববড় অতি উচ্চতর।
উগ্রগ্রীব নভগত পীন পয়োধর॥
হেন অশ্ব জিনসহ সাজিল উপর।
লৌহের লাগাম বান্ধে মুখেতে অশ্বের ॥৯২॥
অশ্ব পার্শ্বে বর্ষিতুন দুই তাহাদিল।
অষ্টাপদ অলঙ্কার অশ্বেরে সাজিল॥
হেনমতে পাত্র প্রজা বীর বেশ কৈল।
সব মণিপুর জন অস্ত্রধারি গেল ॥৯৩॥
চতুর্দ্দোল চড়ি রাজা রনযাত্রা কৈল।
একবেদ অশ্বচন্দ্রে শকে পৌষমাসে॥
দ্বিতীয়া রবিতে যাত্রা রন শুভ আশে।
কাটগ্রামে দুই সনা মুখা মুখি হৈল ॥৯৪॥
পঞ্চমী মঙ্গল বারে যুদ্ধারম্ভ কৈল।
গজে গজে রথি রথি ধানুকী সাজিল॥
দুই সনা মুখা মুখি নাহি অবিমুখি।
খড়্গী খড়্গী মুখা মুখি বন্দুকী বন্দুকী ॥৯৫॥

মচা কন্যানা সেবা তৌহনা লৈগনি লান্দা সনাতোন ধর্ম্ম তানবা হাইবসে, ক্ষেত্রি ত্রেথোয়গী নিয়োম্নি। লালগী পাও তাবদা করিগু ওককম থোক্তে ॥ ৮৯ ॥ অসুম্না য়া তাম্নরিবৈদা য়ুহারাই। অহু উবদা প্রজা পূম্বা অম্না মুংশি য়াম্নে অসুম থম্নহনা নোংমহু লালগী থৌরাং তৌনহনা লৈনরে নোংডাম্লবদা লালগী থৌরাং শেম শাহনা তেঙ্গোল পৈররে, মারজিৎ নিংথৌনা ঈশ্বর পুজা লোইরহনা প্রসাদি সেবা লৌরে, অহুগী তুংদা রনবেশ থোম্লক্লে ॥ ৯০ ॥ অচেংবা খ্বাংদা খাংচেং থোম্লি, মনাই সেলুংবশিংনা অলঙ্কার মথং মথং থোম্লকই। স্নাকোকথোনগী কিনানা মাংতুংদা লিনগী মংতোকুম ফজৈ, লাইবক্তা নামমুদ্রা চন্দোম্না ফজৈ কুন্দোর নাইম্না নাপ অনিদা লংনা ফজৈ হকচাং পূম্বা ফুরিৎ থোম্লি ॥ ৯১ ॥ য়াম্না থুনা বীরবেশ থোনবা লোইরে নিংথৌ ১না লান্দা থোনবা মতিক চাবা থোম্লে। দোলাইরোই হগুবনা চৌদোল কৌবা দোলাইবু শেম শাহনা স্নামাংদা থুংগুরে ॥ ৯২ ॥ শগোলহগুবনা য়াং চাওখ্রবা নিংথৌগী থুনেংশা য়াইশ মথীক মথা ফনবা লুকা কজবা শগোলদা, সাবল চুপ্নি, লাগাম হাপ্নে ॥ ৯৩ ॥ নাক ২ দা য়াম্বাই তেন্দোং য়াম্লি, তারোনতা হুম্নতা থেংলি, শগোলগী লৈতেং তরাগা নিপান গুনা শেমহনা স্নামাংদা থোগম্লরে ॥ অহুগা মণিপুরগী, অথৌবা সুবাদার মেজর, হাজারিনা চিংবা থাংগুবা হৈবা মথৈ মাগী মাগী শেম শাহনা পৈররে ॥ ৯৪ ॥ মারজিৎ নিংথৌ চৌদোন কৌবা দোলাই তোংহনা যাত্রা তৌরে। শোক ১৭৪১গী পোইন্থু থাগী ২ নিপানবা নোংমাইজিং যাত্রা তৌহনা, ককচিংদা তেঙ্গোল পৈরে, অম্না মণিপুর মায়োক্নরে ॥ ৯৫ ॥ অহুদগী ৫ নি পানবা লৈপাকপোকপা হুমিৎতা লাল হৌনৈ, শামুগা শামুগা রথীগা রথীগা লিক্লং পাইবগা

নদী মুখে ধুম্রবৃন্দ অন্ধকার হৈল।.
শরতের কাল যেন কুজ্ঝটি বেড়িল ॥
প্রাণ পণে দুই সন্য যুঝিল অপার।
দুই সন্য বহুজন মরে সনসর ॥৯৬॥
খড়্গ কাটি রক্তাবন যেমতে পড়িল।
নররক্ত পৃথীবীর তাহা আচ্ছাদিল ॥
শঙ্খনাদ সিংহনাদ নাশুনে কারবোল।
ববাহ, দামামা, ঢোল, শব্দকরে রোল ॥৯৭॥
বন্দুকের শব্দগণ ঠন ঠনী উঠে।
মহা বন্দুকের শব্দ হুঙ্কারিয়া উঠে ॥
গুলির চালায়া উঠে ধুমের সহিতে।
কর্কটের মেঘ যেন করক সহিতে ॥৯৮॥
তাহা কত কত জন পড়িল হেলায়ে।
তথাপিহ নিশঙ্কেতে দুই সন্যধায়ে ॥
কামানের শব্দযেন মেঘের গর্জন।
জাঠিগড়া প্রহারিল বান বরিষন ॥৯৯॥

পুণরপি খেদেতে মণিপুর সন্য গণ।.
আরবার খেদে ব্রহ্মা সন্য বীরগণ ॥
মণিপুর অশ্বরোহী ধাইল বর্ষিধরি।
সস্তকে মুকুতলড়ে হাতে বর্ষিধরি ॥১০০॥
তবে অশ্বরোহি বোলে শুন গুরভাগে।
অবশ্য মারিব ব্রহ্ম যে আইছে আগে ॥
এতবোলি ঘুড়া দৌড়াই গেল রনমধ্যে।
বর্ষি হানি এক এক মারিলেন যুদ্ধে ॥১০১॥
পুণরপি অশ্বফেরি ধায়া অকস্মাতে।
সাচান মারয়া পক্ষিযেন আকাসেতে ॥
তবে রাজা অশ্বচড়ি ধাইল সত্তুরে।
বর্ষি হাতে সৈন্য মধ্যে বেগেতে ধাওরে ॥১০২॥
ভক্ষদেখি উড়িযেন ফিরয়ে সাচান।
নিজপার্শ্বে বর্ষিফেলি মারে তিনজন ॥
নিজ হস্তে বর্ষিধরি ধায়ে বেগ মান।
অকস্মাতে ব্রহ্মসৈন্য রাজ বেড়িলেন ॥১০৩॥

পাইবগা লাল পানৈ মাই গুম্নদে, থাঙ্গা থাঙ্গা য়াম্লৈ, নোংমৈগা নোংমৈগা কাপ্পে ॥ ৯৬ ॥ নোংমৈ গুলিদগী থোরকপা মৈখুনা মমখ্রে শরংতা থাবা নৈচিনগুমখ্রে ॥ ৯৭ ॥ প্রমান্দি থাংনা লক্লু য়াম্বগুম ককথৎনৈ ঈনা পৃথী উখিত্রে পুমচাং ভাংগ্রে, অদু ফাওবদা হন্নদে, নোংশা লাল্লাও লাওনৈ মোইবুং থোংনৈ বরাহ, পিনাক, ঢোল পুংজাওনচিংবা য়ৈবগী মখোল্ল্ম য়া ভাংনবা তানদে ॥৯৮॥ নোংমৈ মখোল্লা ঠন ঠন লাওই। তোপ মখোল্লা নোংথাকপগুম্মি গুলি মরূগা লোইননা মৈখুনা মম্মি ইডেন থাদা লেনবা লোইননা নোংতাগুম্মি ॥ ৯৯ ॥ লাম্মী সিবনা অমুম্বা হৈনা কেম্বগুমখ্রে। অদুম ওইনা হন্নদে চেক্সিনৈ নোংমৈ মখোল্লা নোংডংবগুম পোৎথানখিত্রে, জাথি থাং তেম্মা ওন্সি-ন্নদুনা য়াম্নৈ ॥ ১০০ ॥ মণিপুরনা অমুক ওক্সিল্লি অরানা অমুক ওকথোকই ॥ মনিপূরগী শগোল তোংবনা তাপাক পাইদুনা থুদৈ মচা য়েংতুনা পরেং পবেং থোদোরকই ॥ ১০১ ॥ মহৈ মহৈ লাওনৈ শগোল থৌজিন্সি মপা মপা হাংনসি হায়নরগা থৌজিনখ্রে অরাশিং অসি তানা থিন্দুনা হাংলগা থোদোক্ররকই ॥ ১০২ ॥ অমুক হল্লিহুনা তেঙ্গোল ময়াইদা থৌজিল্লি, খুমু থরং পাইবগুম্মী। মারজিৎ নিংথৌ শগোল তোংলগা অরা তেঙ্গোলদা থৌজিনখ্রে তানা থিন্দুনা তরা হাংলি ॥ ১০৩ ॥ খুমু থরংনা উচেক তাবগুম শগোল থৌজিন্দুনা অরা কয়া হাংলে, অদু উবদা অরা মথৈনা নিংথৌ কোইশিনখ্রে ॥ ১০৪ ॥ মারজিৎ নিংথৌ শগোল অদু উক্ল উক্ল লৈত্তনা অরা ১০ হাংলে,

সভাকারে বর্ষি কেরি রাজ্ঞ দ্বরমানে।
জনে জনে দশজনে চিমেন মারনে ॥
তবে রত্ন সন্যগন পিছেতে গমন।
অশ্ব কেরি ধাবমানে যেমন সাচান ॥১০৪॥
বন্দুক ধরিয়া রাজা অগ্রসন্য ভাঙ্গে।
পুণর্ব্বার রত্ন সন্য পিছে দেশভাঙ্গে ॥
এইমতে নৃপমনি যুদ্ধঘুরতরে।
তথাপিহ দৈবচক্রি রত্নরন ধরে ॥১০৫॥
দারুনপ্রহারে ব্রহ্মা সহিতে নাপারে।
পালাইল মণিপুর রনে ভঙ্গ দিল ॥
কতজন মরিগেল গুলিবান খাই।
কত গিরি গহ্বরেতে গেল প্রাণলই ॥১০৬॥
পালাইল কতসন্য পরান উড়িল।
বর্ষিধরি রত্নাখারি পাছে খেদাইল ॥

(লঘুত্রিপদী)

সন্যরত্নপর, ভয়ে মণিপুর,
পালাইলা প্রাণউড়ে।
নাভাবি বসন, শস্ত্রনা ধারন,
পাছুনা চাইয়া লড়ে ॥
এথা মণিপুর, রনতলদর,
ভরলিত বেগেধায়।
যেমন ফিরিঙ্গ, পোকাউড়ি সঙ্গ,
ফিরাফিরি তেন ধায় ॥১॥
যেমত নিশ্বাসে, সব দশদিসে,
হেগেধায় আগুপাছে।
হায়হায় বোলি, হয় উত্তরলি,
ভয়েনাহি চায় পাছে ॥
বৃদ্ধা নড়ীভরে, দৃষ্টিনাহিচলে,
ত্রাসে পদনাচলয়ে।
বোলিয়া কিহৈল, কান্দিয়াবিকল,
রাধয়াথ বোলিযারে ॥২॥
যুবক যুবতি, হয়া ত্রাসমতি,
আয়আয় বোলিধায়ে।
অন্যদিগে পিতা, অন্যদিগে মাতা,
একদিশে পুত্রধায়ে ॥

অদুদা অরা কাইদুনা চেনখ্রে থুমু থবং পাইবগুম খোদোয়কই ॥ ১০৫ ॥ অদুদগী মারজিৎ নিংথৌ নোংমৈ কাপ্তুনা অরাগি মচিল থংবা তেঙ্গোল হাৎলি, অমুম তৌদুনা অরাগা মণিপুরগা মাই-ওয়দে মুমিং ৮ নি লাল পানৈ ॥ অদুকন্না পানবদা লাইগী নোংদম থিবনা অরা তেঙ্গোল থুগাইবা ওমখ্রে ॥ ১০৬ ॥ মাপন্নিগুবদদি অবানা হেঙ্গিল্লকুনা লানপল থুগাইরক্লে, অম থিংতি অমরোমদা কাই অকাইবনা হেনখিদুনা মণিপুর খাংবা ওমদদুনা লাল থাদোকুনা চেন্নরে, মী কয়ানা খুৎলাইনা পান্দুনা শিখ্রে। থরনা থরাই হিংনবা লোক তাইদা চেনখ্রে অচেনবা প্রজাবু অরানা শগোল তোংদুনা তান্নে ॥

(লঘুত্রিপদি) ॥ ১ ॥ অরাবু কিনবদগী মণিপুর প্রজা পুম্নমক থরাই পুদুনা চেন্নরে। মশাগী লৈতেং রেংখিখ্রে, মথুংতগী খুৎলাই থাদোকখ্রে হন্না স্নেংনখিখ্রে। মণিপুরগী পানা মরি লৈকাই মরি স্নাকোমুং লাল কাইরে তাবদা মাগি মাগি জিব হিংনবা চেন্নরকপনা চরাং মশা পাইনরে। চরাংনা পাইবগুমখ্রে ॥ ২ ॥ সোর মপি হোন্দুনা মাগি মাগি খুদোং চাবা রেংদুনা মাংদা তুংদা মাইপৈ ১০ দা চেন্নরকই। হাই হাই মাংলে মাংলে লাওনৈ কিবনা অমনা অমবু

দুঃখে ত্রাসেহিয়া, পুত্র পৃষ্ঠে দিয়া
হামাগ হামাগ ধায়ে।
পিছে দুঃষ্টমতি, রত্নসন্যভতি,
খেদারি ঘেরিযায়ে ॥৩॥
ত্রাহি ত্রাহি বোলি, অশ্রু ধারা বহে,
অঙ্গ কাম্পে থরথরি।
নাহি ক্ষেমা দয়া, দুষ্ট রত্ন ধয়,
পৃষ্ঠে বালকাঢ়ি ধরি॥
আছারি ভূতল, মারিলেক বাল,
কিছুশোক নাহি মানে।
বেগে ধক্কা মারি, বালবৃদ্ধ নারি,
পড়ে কতউড়ে প্রাণে ॥৪॥
যেন নিদাঘেতে, জল শুষ্ক হৈল,
সফরিযে নকরেন।
তেমতে সকল, ভ্রমিতে পড়িল,
সফরি সেহ প্রমান ॥৫॥

পদ

গুনেন্দ্র কহয়ে শুনিয়োক শ্রোতাগণ।
পৌষ শুক্লা পঞ্চমীতে যুদ্ধ আরম্ভন ॥
এইমতে অষ্টদিনে মহাযুদ্ধ কৈল।
দ্বাদশী মঙ্গলবারে দেশ ভগ্ন কৈল ॥১॥
মারজিত মহারাজ অবসর চায়ে।
শ্রীরাধা গোবিন্দ লয়া কচারেতে যায়ে ॥
তৎপরে শিলোটের রাজবাড়ী গেলা।
সেইস্থানে শ্রীগোবিন্দ দেশভাগে রৈলা ॥২॥
অদ্যাপি গোবিন্দপুর সেইস্থানে থৈলা।
দেশ ভগ্নে মণিপুর তিনভাগ হৈলা ॥
আরভাগ রাজাসঙ্গে কচারেতে গেলা।
আরভাগ গিরীবনে লুকায়া রহিল ॥৩॥
আরভাগ রত্নসৈনা ধরিয়া রহিল।
গ্রহদোষে মণিপুর এমন হইল ॥

